ꯃꯣꯏꯔꯥꯡꯊꯦꯝ ꯔꯥꯖꯦꯟꯗ꯭ꯔ ꯁꯤꯡꯍ

অনৌবা মণিপুরগী লময়ানবা অহুম



মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ

ꯑꯅꯧꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯝꯌꯥꯟꯕ ꯑꯍꯨꯝ

অনৌবা মণিপুরগী লময়ানবা অহুম

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ



মণিপুর সাহিত্য সমিতি
থৌবাল, মণিপুব

ANOUBA MANIPURGEE LAMYANBA AHUM

Three Pioneers of Modern Manipur
(Being the life sketches of Jananeta Hijam Irawat Singh, Maharaj Kumar Priyabrata Singh and Mairembam Koireng Singh)
by Moirangthem Rajendra Singh

লাইবিক	ঃ	অনৌবা মণিপুরগী লময়ানবা অহুম
অইবা	ঃ	মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ
অহানবা ফোঙবা	ঃ	ওক্টোবর ১, ২০০৬ ইং
কোপী মশীং	ঃ	৫০০
মমল	ঃ	লুপা ৭৫/-
অফোঙবা	ঃ	মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালগীদমক মোইরাংথেম বিদ্যানন্দ সিংহ
ফংফম থোকপা	ঃ	অইবা
মখুম নমুনা	ঃ	রতন মুতুম

নম্ফমঃ সিরোই ওফসেট প্রিন্টর্স, থৌবাল অমসুং এম বি কম্পুটেক, তেন্থা।

নোল্লুকচবা ৱাহৈ খরদং

মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালনা থা ৬/৬ কী ওইনা মসিগী চেফোঙ "য়েন্নীং" মণিপুরগী শক্লাইরবা মীওই অমমমদা কথোকচদুনা ইকায়-খুম্নবা উৎপা ওইনা চহী খূদিংগী সেপ্টেম্বর অমসুং মার্চ থাদা হেক-হেক ফোঙই। করিগুম্বদা অখন্নবা চেফোঙ ওইনা মথক্কী থা অনী অসি নত্তবদা ফোঙবা চেফোঙসু পুথোকপা য়াওই। চেফোঙ খূদিংমক্তা সমিতিনা ইকায-খুম্নবিবা মীশক অদুগী পুন্সি ৱারীসু য়াওনা ফোঙই। সমিতিনা মসিগী চেফোঙ ১৩ শুবনা জননেতা হিজম ইবাবততা, ১৫ শুবনা মতম অমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবীরম্বা শ্রীমাইরেম্বম কোইরেং সিংহদা অদুগা ১৮ শুবনা মণিপুরগী অহানবা মণিপুরী চীফ মিনিষ্টর মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত সিংহদা কথোক্লুনা ফোঙবা হায়না লেপ্লখি। অদুগা শক্লাইরবা মীওইশিং অসিগী পুন্সি ৱারী অমসুং মখোয়গী থবক ইননবা ঐঙোন্দা শিন্নবী। ঐঙোন্দা শিন্নবীবা থৌদাং অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি লোয়নননা অকিবা অমসু ইশাদা ফাওজখি। অদুবু সমিতিনা শিন্নবীবা থৌদাং অদু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা সমিতিগী থৌপুবীরিবা মেম্বরশিং মরুওইনা আই এস অকোইজম, লিশম ইবোচৌ সিংহ, দাঃ এল খোমদোন সিংহ, দাঃ কেএসঐচ মংলেম সিংহ, দাঃ এম প্রিয়ব্রত, দাঃ এন শরৎচন্দ্র সিংহ অমসুং অতৈ কয়াগী মতেংগা লোয়নননা শক্লাইরবা মীওইশিং অসিগী ইমুং-মনুং, মরী-মতা কয়াগা ৱারী-ৱাতাই শানবদা ফংলকপা, খঙলকপশিং অদু খজিক-খজিক্তং লৌখৎচরগা অমসুং মখোয়গী মরমদা ইবা লাইরিক অমদি ৱারেং কযা

য়েংজরগা মখোয়গী পুন্সি ৱারী অমসুং থবক "য়েন্নীং" দা শম্না ফোঙজখি। "য়েন্নীং"দা ফোঙখিবা ৱারেং অহুম অসি মওং কায়দনা অমুক লৌথোকচরগা মখোয় খূদিংগী পুন্সি ৱারী অমসুং থবক বুক লেট ওইনা তোঙান তোঙান্না পুথোকচখি। মতুংদা অমুক পূন্না লাইরিক অমা ওইনা পুথোকচগে খঞ্জবদগী হন্দক্কী লাইরিক অসি ওইনা পুথোকচবনি। লাইরিক্কী মমিং করি থোনসিগে হায়বগী মতাঙ লাকপদা শক্লাইরবা মীওইশিং অসিদি হৌজিক্কী মণিপুরঃ অনৌবা মণিপুর অসি শেমগৎনবা হোৎনবদা লময়ানবীরম্বা মীশক ওইখিবা মরম্না "অনৌবা মণিপুরগী লময়ানবা অহুম" হায়না থোনজদুনা লাইরিক অসি সমিতিনা ফোঙবা লাইরিক ওইনা পুথোকচবনি।

"য়েন্নীং"দা হান্না ফোঙখ্রবা ৱারেংশিং অমুক হন্না বুকলেট ওইনা অমসুং সমিতিনা ফোঙবা লাইরিক ওইনা পুথোকচগে হায়জবদা মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালনা হৱাও-হৱাও য়াবীবগীদমক সমিতিগী থৌ পুবীরিবশিংবু হন্না হন্না থাগৎচরি অমসুং মখোয়না পাংবীখিবা মতেংগীদমক চাউরবা লমন অমা তোনশিল্লবনি। মরী লৈনবা লাইরিকশিং, চেফোঙশিংবু ইবীরকপশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী মফমদসু চাউরবা লমন অমা অমুক্কা হন্না তোনশিঞ্জরে। শক্লাইরবা মীওইশিং অসিগী পুন্সি অমসুং থবকপু করিসু খঙদনা অহৈ শাদুনা খরদং ইজদুনা তোল্লবনা মখোয়গী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি পীজবনি। অশোয়-অঙাম, অরান-অহুই, হেঞ্জিনবা-অৱাৎপা, ইগদবনা ইহৌদবা ইরোইদবনা ইখিবা কয়া খ্বাই পূম্বনা ঙাকপীনবা কোক নোঞ্জরি।

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ

(মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ)

য়াওফম তাকপা

জননেতা হিজম ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক

ৱাহৈ খরদং

জননেতা ইরাবত খৃষ্টগী কুম ১৮৯৬কী সেপ্তেম্বর ৩০দা পোকই। খৃষ্টগী কুম ২০০০ গী সেপ্তেম্বর ৩০ অসি ঐহাক থবক্তগী পোথাবা (রিতয়ার তৌবা) নুমিৎনি। সেপ্তেম্বর ৩০ মণিপুরদা জেনেরেল হোলিদেনি, জননেতা অসিগী মপোক নুমিৎ ওইবগী। মণিপুরগী মফম কয়াদা নুমিৎ অসিদা জননেতাগী থৌরম কয়া পাঙথোকই : সরকারগী ওইনস্ লনাই লূপ অমদি ইন্সটিটিয়ুৎ কয়াগী ওইনসু। ককচিং খুনৌ কলেজদসু ঐহাক্না থবক্তগী পোথাবা সেপ্তেম্বর ৩০, ২০০০ ইং নুমিৎ অসিদা জননেতাগী মপোক থৌরম কলেজ অদুগী মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা পাঙথোকই, গবর্নিং বোদীগী মেম্বরশিংসু থৌরমদ্ য়াওই। কলেজ অসিগী প্রিনসিপাল খুমুকচম গোকুলচন্দ্র সিংহ অমসুং লাইব্রেরিয়ান শ্রীককচিং-কাবম ব্রজমণি শর্মা, ঐহাক্কা খঙনজে। নুমিৎ অসি ঐহাক্কী থবক্তগী পোথারগদবা (পেন্সন চৎলগদবা) নুমিৎনি হায়বসি মখোয় মাঙজৌননা খঙই। কলেজ অসিদা ওজা ওইবা তেন্থাগী নিংথৌ নাওরিয়ানা হায়রম্বা য়াই। ঐহাক্না ওজা ওইবা থৌবাল কলেজদদি নুমিৎ অসি ছুটি ওইবনা মতুং নুমিৎ নীনি হুমনি চোন্থরগা কায়নবগী থৌরম পাঙথোক্লবা শীল্লি। ককচিং খুনৌ কলেজনা ঐবু নুংশিবীবদগা নুমিৎতুগী কলেজগী জননেতাগী থৌরমদুগী অথোইবা মীথুং ঐহাকপু ওইহনবী। ঐগী পুন্সিদা থৌরম অমগী অথোইবা মীথুং ওইবসি মসিনা অহানবনি, জননেতাগী থৌরমদনি, সেপ্তেম্বর ৩০ দনি। হায়রিবা চহী অসিগী নুমিৎ অসিদা অল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালনা খুঙ্গংগী থৌরমদা (নুমিদাং পৃং ৬.৪৫দা) শন্দোক্লদবা *জননেতা ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক* হায়বা তোপিক অসি ঐঙোন্দা পাথোক্লবা খুদোংচাবা পীবি। হান্নরা রেকোর্দিং তৌখ্রবনি। মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালনা মসিগী চেফোঙ *য়েন্নীং* (১৩শুবা মশীং) জননেতা ইরাবত্তা কখোকপা ওইনা খৃষ্টগী কুম ২০০৪গী সেপ্তেম্বর ৩০ দা ফোঙই। জননেতা ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক হায়বসিদা ৱারেং অমা ইননবা সমিতিনা ঐঙোন্দা শিন্নবি। ঐহাকা ৱারেং অদু ককচিং খুনৌ কলেজদা ঙাঙখিবা, রেদিওদা পাথোকখিবা ৱারোল অদুদগী খরা শেমদোক্লনা অমসুং চাউথোকহন্দুনা ইজখি। *য়েন্নীং* দা ফোঙখিবা ৱারেং অদু চপ চানা লৌথোকচরগা বুক-লেত অমা ওইনা পুথোকচর্বনি। নোংদম অমদগী ইখিবা ৱারেং অসি অমুক ঐহাক্কী *ৱারেং খরগী অপুনবা লাইরিক নোংদম* হায়সুং *অনৌবা মণিপুরগী লময়ানবা অচুম* হায়বসিদা হাপচিন্নবা থৌরাংজবনি। অশোয় অঙাম পুন্নমক ঙাকপীনলা খ্বাইগী মফমদা নোল্লুকচরি।

অইবা



জননেতা ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক

১। *কস্তেটাবে দিও জোবে শান কিষান ভাইবে. .।*
(থাঙ্গোল অদু ময়া থাংজু থৌনা হে লৌউবা...)

২। *জাগো দুঃখের রাতের ঘোর তমসা ভেদী. ।*
(থৌবো অরাবা অহিংগী অমম্বা কোকতুনা...)

হেমাঙ্গ বিস্বাসনা ইবম্বা ঈশৈবু মূল সুর (ওর্বিজিনেল টুান) অমসুং অর্থ (ব্রাহম্বোক) শান্নহন্দুনা অমদি ছন্দ (তালঃ লয় পোয়েটিক মিটর, রিদম, প্রোসোদী) কাযহন্দনা মণিপুরী (মৈতৈলোল) দা মীয়ামগী লুচিংবা; লমযানবা, তেল্ল তবরা মীয়ামগীদমক, লৈবাক্নাদমক কথোকপগা লোয়ননা অরা অনা কয়া মাযোক্রুদুনা লাম্ছেংনবদা পুন্সি পন্দোম লোমখিবা শক্লাইববা মণিপুর ইমাগী মৈরবাক নীংশ মীশক অমনা হন্দোক্লগা হিজ মাষ্টর্স ভোইস (এচঃ এমঃ ভিঃ) দিস্কতা রেকোর্ড তৌদুনা শক্লাইরবী শৈশকপী চন্দ্রকালা দেবীনা শকপা মহাক্কী ঈশৈ অনী অসিনা মতম অমদা মণিপুর তম্পাক্কী কাচিন-কোয়া থুংনা মীয়ামগী নাপদা তাহন্দুনা থম্মোয়রবু থূক লাউহনবা ঙমখি অমসুং মীওই কয়াবু যাকৈহনখি। ওসিসু শক্লবি ঈশৈ অনী অসি। ঈশৈশিংসি তাবদা মীয়াম্না হেক্তা খওনৈ নাপশংনৈ ঈশৈশিংসি কনাগীনো হায়বা। কাউবা লৈতে মীয়াম্না ঈশৈশিংসিবু মণিপুরী হন্দোক্লম্বা মীশক্নু।

হেমাঙ্গ বিশ্বাস বৈপ্লবিক গায়ক (বিভোলুশ্নরী সিঙ্গর) অমনি, কবিনি, শৈবাংবনি। মহাক অসি ইপটা (আই পি টি এ-ইণ্ডিয়ান পীপলস থিয়েটর এসোসিয়েসন) গী ফাউণ্ডর মেম্বরশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্কী ঈশৈ কয়া (মথক্কী অনীসিসু য়াওনা) মণিপুরীদা হন্দোক্লম্বা মীয়ামগী লুচিংবা অসিসু বৈপ্লবিক গায়ক অমনি, কবিনি, শৈবেংবনি। মহাকসু ইপটাদা থরায় য়াওজখিবা মীশক অমনি। অসিগুম্বা মীশক অসি খৃষ্টগী কুম ১৯৫১ দা মাগী পুন্সি চেঙজেন লোইবদুনা নুংশিজববা লৈবাক মীয়াম্না থাদোক্লম্লগা তাইবঙপান থাদোক্নুনা মপু মাগী খুযাখাদা চঙজখি। মহাক্না লৈত্রবা মতুং চহী নিপাললোম লৈবগা (খৃষ্টগী কুম ১৯৫৯ দা) ববাক ভেলিগী শুবী নোমলিবা মীয়াম্না মঙোন্দা জননেতা হায়বা মিংথোলসি পীদুনা লুচিংবা অসিবু ইকায়খুম্নখি। মহাক লৈখিদ্রবা মতুং চহী ৪৬ লোম লৈবগা (খৃষ্টাব্দ ১৯৯৭ কী মে ১১ দা) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা 'রাবিবত্ন' হায়বা উপাধি অসি পীদুনা মহাকপু ইকায়খুম্নখি। মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুং চহী ৪৭ লৈবগা খৃষ্টাব্দ ১৯৯৮ গী সেপ্টেম্বর ৩০ দা মহাকপু নীংশিংবা অমদি ইকায়খুম্নবা ওইনা মহাক্কী মশক য়েকপা পোষ্টেজ ষ্টাম্প ইম্ফালদা 'রলীজ তৌখি। মহাক্কী মপোক নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৩০ অসি ঙসিদি মণিপুর সরকারগী ওফিসশিং, মইরোংশিংগা মইহৌশিং ছুটি ওইরে। মণিপুরগী মফম কয়ামকমদা সরকারগী তাংখাই লমাই সংস্থা কয়ানস্ মাগী মপোক নুমিৎ অসিদা নংওন সেপ্টেম্বর থাদা মহাক্না মরা লৈনানা থৌরম কয়া পাঙথোক্লরে। সেপ্টেম্বর থা মহাক্না হন্না মরী লৈনৈ। থা অসিদা মহাক পোকপা থা সিদনি মহাক লৈখিদব, থা অসিদানি মহাক অন্দংগ্রাউণ্ড চাখবা, থা অসিদানা থৌদোক কয়া মহাক্কী পুন্সিদা মহাক্না মরী লৈননা থোকখিবা। অদুনি সেপ্টেম্বর থাদা মহাক্কী মরা লৈননা থৌরম কয়া হৌজিক মতমসিদা পাংথোক্লবক্লিবা। লম কয়াদা লমযানাইবা মীশক্লি। মহাক্কী থৌরম পাংথোক্লবিবা অসি মণিপুরদতা নত্তে মণিপুরগী বাংলাদেশসুনি। মহাক্কী অশাবা মূর্তি কয়া অখন্নবা পব্লিক প্লেস কয়াদা মহাকপু ইকায়খুম্নদুনা মীয়াম্না উংনবা, খড়নবা, হৈকৎ লৈকৎ পাংথোক্লবা, থৌরম কয়া পাংথোক্লনা থাম্লি। মীওই হেবতনা অখন্নবা পার্টিনা মহাক্কী থৌরম পাংথোক্লবগুম্বদু ঙসিদি মণিপুরদা মীয়াম হুপ্পা থৌরম পাংথোক্লবক্লি। হুম্পাক্কী লমদমদতা নত্তনা চাংগী লমদমদসু থৌরম পাংথোক্লবক্লি। মণিপুরদা শক্লাইবরা মাথোই মীহেনবা কয়া লৈখ্রবনি, মখোয়গী থৌরমগা চাংদম্নবদি য়াদ্রি, মাগীনা থোইদোক-হেন্দোকপা হায়বদু ওইরি।

হায়রিবা মীয়ামগী লুচিংবা অসিনা শেংক্লম্বা, লুচিংলম্বা, ফগৎনবা তোংনবম্বা অসি লম ওইহৌক্লা সামগে। রাজনীতিদনি, মরৈবাক নীংবদানি, ইনাৎ য়াকথংপদনি,

সমাজ সংস্কারগী লমদনি, শান্নখোৎনবদনি, থিয়েটরগী লমদনি, সাহিত্যগী লমর্দান, জর্নেলিজমগী লমর্দান, অতৈ লম কযাদনি মহাক্না যাওবম্বা, মহাক্না হোৎনবম্বা। যাম্না ঙকপদি মহাক্না যাওবম্বা, মহাক্না তৌবম্বা লম খুদিংমক্তা মহাক হেক্তা থোইদোক-হেন্দোকই, শক্লাইবা মীশক ওই, মশক থোকপা থবক হেক্তা পাঙথোকই। ইংরেজীগী হায়না-ব্রা নৎত্রগা পাউরৌদা "জেক ওব অল ট্রেদ মাষ্টর ওব নন" হায়রদু মঙোন্দদি ওন্ন-তৈনবনি। মহাক্তি "জেক ওব অল ট্রেদ" ওইরগা লোয়ননা "মাষ্টর ওব অল" সু ওই।

মীয়ামগী লূচিংবা অসিগা হৌজিক্কী মীয়ামগী লুচিংবর্নি হায়জবিবা হায়নবিবা কয়াগা খেন্নবা যাম্না লৈ। মহাক্তি মীয়ামগীদমক মশক নাইববা ফংঙমদ্রবা ফম থাদোক্কে খনখি, থাদোকপা ঙমখি, থাসু থাদোকখি। হৌজিক্কী লুচিংবনি হায়জবিবা কযাদি ফংথোক্তনা ফংবনি, ফংঙমদনা ফংবনি, ভুংদা অমুক ফংদবা যাই হায়রগী ব্রাখলদা মীয়ামগী সেবাগী মিংদা ফম কোন্দুনা থম্পনা অয়াম্বনি; চিংথদ্রিবমখৈ ফম থাদোক্লীংদে, চিংথববা ফাওবা শীখাঙ খাঙদুনা লৈবা কয়ানি। ফম থাদোকপা তাববসু মশাগী কান্নবা য়েংদুনা থাদোকপনি, তঙায ফদবদগী থাদোকনীংদ থাদোকনীংদা থাদোকপান। মহাক্তি ফম চাউব-চাউবগা তোল্ল তাববগা মীয়ামগা তিন্ন-তোৎনৈ অদুগা হৌজিক্কী লুচিংবা কযাদি ফম চাউব-চাউবগা অফাওবা শাই, তোল্ল-তাববগা তিন্ননীংদে, পূকচেল চাউথোক্তে লেমথোক্তে মপান্দনা মতৌ মানহনবা ওইনা পুকচেল চাউথোকপা শাই লেমথোকপা শাই। মহাক্তি চাউব চাউবগা থম্মোয থোৎলি পূকচেল মেঙই, থোৎ নৌবনা মাগী লৈতেংনি অদুগা হৌজিক্কী লুচিংবনা চাউব-চাউবগা থম্মোয কল্লি, শক কেঙ্ভী। মসিদসু নত্তনা মহাক অমসুং মখোযগী মবক্তা খেন্নবা কযা অমসু লৈবি।

অসিগুম্বা মীয়ামগী লুচিংবা অসি কনানো হায়বা খঙবা তঙায ফদে। মহাকপু ঙসি খ্বাইনা খঙর্নাব জননেতা ইবাবত হায়না, কমবেদ ইবাবত হায়না, পঞ্চায মেম্বর ইবাবত হায়না। মহাক্কী পুন্সি ব্রাবী অমসুং থবক খঙদবা যাবক্তে। মাগী মতুংইনবা কযানা মকওইনা নহাবোল তুংইনবশিংনা "খুবা ইবুংঙো" হায়না ইকাযখুম্নখিবা মহাক্কী শন্নপ্পা পুন্সি ব্রাবী পীজবিঃ

পোকপাঃ

মবৈবাক, মজাতি অমদি মীয়ামগী সেবাদা হনবা নাইদনা পুন্সিগী অবোইবা মতম ফাওবা পোত্থাদনা মাযবোং যাখিবা শ্রীহিজম ইবাবত সিংহ খৃষ্টগী কুম ১৮৯৬ কী সেপ্টেম্বর ৩০ (শকাব্দ ১৮১৮/০৫/১৫ আশ্বিন বুধবার, আর্দ্রা নক্ষত্র জন্মদণ্ড ১২/১২) দা

পোকই। অপোকপগী মিংনা হিজম ইবুংঙোহল সিংহ অদুগা অপোকপীগী মিংনা চোংথাম নীংঙোন থম্বালঙাম্বী দেবী কৌই।

পোক্লফম/লৈফমঃ

মহাক্কী পোক্লফম লমদমদি ইম্ফালগী পিশুমথোং ওইনাম লৈকাযনি। যাম্না অঙাং ওইবিঙৈদা অপোকপা লৈখিদে। মযূম লেপ্পা ঙমদবদগী মমা লুখ্রাবীনা মযূম থাদোক্লুনা ইবাবতকী মনে শৌগাইজম ওংবী ইবেতোনগী যূম মোইবাংখোম শৌগাইজম লৈকাযদা লৈখি। মহাক্না ঢাকাদা লাইবিক তম্লিঙৈদা মহাকপু পোকপী মমা লৈখিদে। মমৈথংদা লৈফম লৈত্রদুনা ব্রাংখৈ নিংথেম পুখ্রী মপান্দা লৈবা মাইবম শমদেনগী যূমদা লৈখি। মমৈথংদা জন্মস্থানদা হোংলক্লুনা সনাইবেম্মা খোমদোনসনাগা লৈমিন্নখি।

মহৈ-মশিংঃ

অঙাং ওইবিঙৈদগী অফবা ছাত্র অমা ওইনা হৌবকপা ইবাবত মনে ইবেতোনগী মতেঙদগী জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস সেভেন ফাওবা তমখি। মখা তমথনবা মবাইবুংঙো শ্রী শৌগাইজম সমবেন্দ্র সিংহগা লোযননা খৃষ্ট কুম ১৯১৩ দা ঢাকাদা চৎমিন্নখি। ঢাকাদা লৈবা হায স্কুল অমদা ক্লাস নাইন ফাওবা তমখি (১৯১৫)। অদুবু মবক অসিদা অপোকপী মমা লৈখিদবা মবম্না মখা তানা তমথনবগী খুদোংচাবা লৈখিদবদগী লাইবিক তম্বা তোকপা তাখি। অসুম্না মাগী পুন্সিদা মহৈ-মশিং তম্বগী অবোইবা হাযবদু ওইখি। ঢাকাদা লৈবিঙৈ তেল্লবা মতম অসিদা মহাক বেঙ্গলী লোল মমূৎ তানা খঙখি।

যূম পানবাঃ

মসিগী মতুংদা ঢাকাদগী হল্লক্লগা খৃঃ ১৯১৫ দা ত্রিপুবাদা চত্লুনা মতম খবা লৈখি। মণিপুবদা থোবকপা মতমদদি মহাক্না লৈফম লৈত্রদুনা ব্রাংখৈ নিংথেম পুখ্রী মপান্দা লৈবা মাইবম শমদেনগী যূমদা লৈখিবদু। মবক অসিদা ইবাবত হোৎনবা লেপ্পা তৌদনা লাইবিক ইবা, শান্ন-খোৎনবা, ড্রামা যাওবা, ঈশৈ শকপা অমা ওইনা চঙশিল্লকখি। মহাক্কী থোইদোকপা গুণ অমসুং মহাক্না পাঙথোকপা থবক কয়া যেংদুনা মহাবাজ চুডাচান্দ সিংহ কেঃ সিঃ এসঃ আই; সিঃ বিঃ ইঃ না ময়াম্বুং শ্রী চন্দ্রহাসকী মজাইবেম্মা বাজকুমাবী খোমদোন সনাবু থাজদুনা যূম্বানবগী লমদা খোঙদাখি অদুগা মমাখ ইবুংঙো হায়বা মিংগৌ অসি ফংদুনা ইকাযখুম্নববা মীশক অমা ওইখি।

ফম্নাইবা ওইব্রকপাঃ

অহানবদা ইবাবত মতম খবা স্কুলগী ওজা ওইবম্মী। মহাক্কী মতীক মগুণ অমদি মমাক ইবুংঙো ওইবা অসিনা মবম ওইদুনা ফম্নাইবা ওইবগী খুদোংচাবা লৈখি। নিংথৌনা

চাউবিগুঁও মতমদুদা মাবু মতমদুগী খ্বাইদগী চাউবা ফম অমা ওইবন্না ফৌজদাবি অমসুং দেৱানিগী লোযশঙ পঞ্চাযগী মেম্বব হাপখি। ফম অসি পাবা মীদি লৌচা ফংগনি, মীনাই ফংগনি, তলব ফংগনি, শেল চাথোক-চাশিন ঙমগনি অমসুং অতৈ খুদোংচাবা কযা ফংগনি। অসুম্না মাবু সদব পঞ্চাযেটকী মেম্বব হাপ্তুনা ফম অসি পীববদদি 'ইবাবত মেম্বব' হাযনা খঙনখি। দববাব, চৈবাপ, পঞ্চায়গী মেম্বব ওইবা হাযবসি মতমদুদা খ্বাইদগী চাউবা ফমশিংগী মনুংদা অমনি।

শান্ন-খোৎনবগী লমদাঃ

ইবাবত নহা ওইবিগুঁে স্কুলদা লাইবিক তম্লিগুঁে মতমদা শান্ন-খোৎনবদা মথব্রায যাম্না যাওনা হৌবকই। শান্নবুংদা অহানবা শান্নলূপ "মণিপুব টাউন ক্লব" লিংখৎলকপদা (খৃষ্টঃ ১৯২২) নত্তনা মশামক শান্নলূপ অসিগী ফূটবোল অমসুং হোকিগী অফবা শান্নবোই অমা ওইখি। খৃঃ কূম ১৯২৭ তা লমদমসিদা ক্রিকেট টিম লিংখৎখিবা খোঙবুগী মাঙজিল থাবা মীশক অমা ওইবগা লোযননা মশামক ক্রিকেট শান্নবোই অমসু ওইখি। মহাক্লা শান্ন-খোৎনবগী লমদা থব্রায যাওখিবসি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মশান্নতা নত্তনা লমদমসিগী ইন্দিজেনিযস গেমস (মুক্লা কাঙজৈ, শগোল কাঙজৈ, কাং শান্নবনচিংবা) দসু থবায যাওনা শান্নবা যাওদুনা ফগৎনবা হোৎনবকখি। কাংগী চেকফৈ তানবা কাংফমগী শক্লাইবা শান্নবোই অমা ওইখি। বেদমিন্টন, টেনিস, ছত্রংদসু মশক থোক্লা শান্নবা ঙমখি। যাওশঙগী কুম্মৈশিংগী মহুৎতা শান্ন খোৎনবগী ব্রাখল্লোন পুশিল্লক্তুনা লম অসিদা চঙশিন্নবা ঈহৌ শাগৎপা লমযানবসু ওইখি। মসিদা যাওশঙগী চৎনবী থুগাযবে হাযনা লৌবসু যাওখি। ঙসিদি যাওশঙদা লৈকায-লৈকায খুদিংদা, লম লম খুদিংদা শান্ন খোৎনবগী থৌবম কযা পাকশন্না তৌনবে। মসিগী ঈহৌসিগী লমযানবদি ইবাবতনি।

য়েকখোৎপগী লমদাঃ

ইবাবত লাই যেকপদা শীংথাবা যাবা মীশক অমসু ওইখি। মহাক্কী থোইদোক-হেন্দোকপা শুণ অমনা মাগী খৃৎই যাম্না ফজবা অসিনি। লাই তীল যেকপা তৈবা অসিসু মাগী তোপ-তোপ্পা টেলেন্ট অমনি। লম অনীসিদা মহাক্লা পুথোকপা পোৎ যাম্না আর্টিষ্টিক ওই। মসিদা মহাক থোইদোক হেন্দোক্লবা কলাকাব অমনি।

সাহিত্যকার/কবি অমা ওইনাঃ

শ্রীহিজম ইবাবত সিংহ সাহিত্যগী লমদসু শক্লাইববা মীশক অমনি। মানা ইবা শৈবেং ২৩ যাওবা শৈবেং লাইবিক "শৈদম শৈবেং" (১৯২৯) ক্লাস সেভেনগী তম্না লাইবিক ওইখি। অতোপ্পা শৈবেং ৪৯ যাওবা শৈবেংগী লাইবিক "ইমাগী পূজা" (সিলেট

জেল, ১৯৪২-৪৩) শীংথানবা যাবা লাইবিকনি। হেমাঙ্গ বিস্বাসকী মীওইববু য়াইকাইহনবা ঈশৈ কয়া অমসু মণিপুরীদা হন্দোকখি। "লোকমান্য তিলক" হায়বা লাইবিক অমসু ইখি। মসিদা নত্তনা অতৈ ৱাবেং অমদি শাফু কল্লবা কাঙলুপকী ঈহুন পীঙল্বা বৈপ্লবিক ঈশৈ কয়া অমসু ইবম্মী। মণিপুরগী অহানবা সাহিত্যলুপ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎপদা নত্তনা পরিষদ অসিগী অহানবা সেক্রেটরিসু মহাক্নি (খৃঃ ১৯৩৫)।

মাগী উপন্যাস "মোহিনী", লমকোয় ৱারী "মন্দলেগী খোঙফম" নচিংবসু চেফোঙ কয়াদা ফোঙখি। মৈতৈলোনদা হন্দোক্লবা "কৃষ্ণকান্তগী উইল", ড্রামা "জয়মতী" ইখি।

জর্নেলিজমগী ঈহৌদাঃ

মীয়ামগী অফবনিবু হায়বর্বদি ইবাবতনা শোক্লমদবা ইয়াও যাওদে হায়বা যাই। চুম্না যাওবতা নত্তনা লমযানবা লমজীংবা লমতাকপা ওইখ্রবনি। জর্নেলিজমগী ঈহৌদসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লমযানবা অমা ওইখি। অঙনবা মতমগী চেফোঙশিং, *যাকাইবোল, ললিত মঞ্জুরী পত্রিকা* নচিংবা হিংহল্লবা মপৃং ফাহন্নবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অনৌবা মালেমগী অনৌবা পাউ পুবা চযোলগী পাউজেলচে "অনৌবা যুগ" (১৯৪৬-৪৭) ইবাবতনা সাইক্লোষ্টাইল তৌদুনা সম্পাদন তৌবগা ফোঙই। খৃৎনা ইবা "মৈতৈ চনু" (১৯২২) কৌবা প্রত্রিকা ফোঙননবা হোৎনখি। চেফোঙ অসি মণিপুরী লোলদা ফোঙবা ইহান হানবা চেফোঙনি হায়নৈ।

থিয়েটরগী লমদাঃ

থিয়েটরগী লমদসু শ্রীইবাবত সিংহ শক্লাইববা মীশক অমনি। ড্রামাদা ঙাল্লঙৈ মতম বাংলা লোলদা শান্নবিঙৈ মতমদগী যাওবকই। "রাণী দুর্গাবতী" দা রূপমতী, "দেবলা দেবী" দা বলদেব শাবকই। অতৈ কয়াদসু কৃষ্ণকই। মণিপুরগী অশেংবা ড্রামাগী হোল অমা লৈননবা হোৎনবদা থরায় হকচাং যাওবকই। মহাক মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন (এমঃ দিঃ য়ুঃ) গী ফাউণ্ডর মেম্বরশিংগী মনুংদা অমনি। হোল অসিগী শক্তাক খৃদম "লাঙ্গোল কাবল" মহাক্লা পুথোকখি। নাট্য কলাকার অমা ওইনা "অরেপ্পা মরূপ" তা নায়ক চন্দ্র সিংহ শাবদা মশক থোক্লা কাউঙমদ্রবা মিংচৎ থম্বা ঙমখি। মণিপুরী ড্রামা "নরসিংহ" দা কুমুদগী শক্তম লৌখি। কাছাড়দা লৈরিঙৈদা নীংতম শৈশক লূপ, "স্বদেশী গানের দল" হায়বা লূপ অমা লিংখত্তুনা বৈপ্লবিক অমদি মরেৱাক নীংবগী ঈশৈ কয়াদা মীয়ামগী থম্মোয়বু যাকায়হন্নখি। লূপ অসি মমৈথংদা ইণ্ডিয়ান পীপল থিয়েটর এসোসিয়েসন (ইপটা) গা পূনশিনখি।

লিংখৎলম্বা লূপশিংঃ

তোঙান-তোঙানবা মখল মখলগী লূপশিং লিংখৎপদসু ইবাবত লমযানবা অমনি। মহাক্না লিংখৎলম্বা, লিংখৎপদা যাওবম্বা সংস্থানশিংদি – (১) ইম্ফাল ক্লব, (২) মণিপুব সেবা সমিতি, (৩) মণিপুব প্রজা মণ্ডল, (৪) মণিপুব প্রজা সম্মেলনি, (৫) মণিপুব কৃষক সভা, (৬) মণিপুব মহিলা সম্মেলনি, (৭) মণিপুব প্রজা সংঘ, (৮) মণিপুব ছাত্র সম্মেলনি, (৯) মণিপুব সাহিত্য পবিষদ, (১০) মণিপুব ড্রামাটিক যুনিযন, (১১) মণিপুব প্রাইমাবী টিচর্স এসোসিযেসন, (১২) মণিপুব ষ্টুদেন্টস ফেদেবেসন, (১৩) অল মণিপুব যুথ লীগ অমসুং (১৪) মণিপুব কম্যুনিষ্ট পার্টি।

মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তাঃ

ইবাবতনা মীনা মীবু ওৎপা পামদবা মীশিক্কি। পঞ্চাযতগী মেম্বব ওইরদুনসু ফম অচৌবা পাযদুনসু মশাদা চাউনীংবা কবি অমত্তা লৈখিদে, মীওৎ মীনৈ যেংবা শুমখিদে। মীনা মীবু ওৎপগী মাযোক্তা লৈখি। ধর্ম্মগী মিংদা অমাং অশেংগী থবক্তা মতমদুদা যাম্না কনবা মীনা কিনবনা চৎনবা অমা লৈবম্মী। অমাং অশেংগী থবক্তা অমাংবা অসি শেল পীজবগী কোনপসু যাবম্মী। অমা না মীদুনা (মাংহনবীবরা মীদুনা) শেলব পীজববদি অশেংবনা শেংদোকপা ওইম্মী। বতনা হাযব ফম্নাইবনা মংহল্লগা মাংহনবীবরা মীদুনা লুপা ১০ পীবনা কোকপা, ব্রহ্মা সভানা মংহল্লগনা লুপা ৮৫ গা পাই ১৩ না কোকপা, নিংথৌনা মাংহল্লগা লুপা ৫০০ না কোকপা যাবগী নেট অমা চপচানা কঙ্কুনা থম্মী। মৈতৈনা গৌবিয বৈষ্ণব ধর্ম্ম চঙ্গবা যাদে, চন্দোন খিনগদবনি নৎত্রবদি মাংই হাযনা ইন্থোক্লনি, চন্দোনগীদমক চন্দোন শেলখায খাযগনি, চন্দোন খিনবা শংনা শেলখায পীগদবনি, শেলখাযগী চাংনা পাক আনা (আনা ০৮) নি, শেলখায পাদবা যাদে, পীদ্রগাদি মাংই হাযনা ইন্থোক্লনি (মতমদুদা আনা অমাগী পৈশা মবিগা মানগে)।

সনাকাবগী খাঙনা থৌবা লাকপা অমসুং অচৌ অশাং কুম্নকপদা লাক্লিবা মী অদুগী চাকথাব মযাক্লা পগনি, মদুবু পিহনা আমনা চাকথাব কৌই। দোলাইদা হাপ্লুনা যাম্না যৈদুনা থিনগনি, পোথাং বেগাব পুহনগনি, দোলাইবে ওইহনগনি। খাদনা খোম্লগা লোনবা মফমদা খুলনা শঙগনি, মদুবু যাবেক সন্ত্রি কৌই। থোং অমা লানবদা শেলখাং লৌগনি। উমংগী ই অমাদ ইঙ্খোন্দা হীজবা তেবা, যোন্ননবা খুদেং পুবদা মাসুল লৌগনি (মতমদদা উগী খুদেং যাম্না শীজিন্নবম্মী)। লৌমীনা মশাগী লৌবুক্কী ডা ফাবা যাবোই, পাৎচাব (পাৎ নিলাম লাউবদা ওকপা মী) মীদা পাৎশেল থাবগদি যাগনি। পাৎকী ঈশিংগা লৌবক খোংবাল লৌখোংগী ঈশিংগা শন্নে, ঈশিংদি পাৎনি, মসিবু জল সম্বন্ধী কৌই।

প্রজাগী অবেং খুদিংদা খাজনা মখল মখল লৌবম্মী। সবকাবগী বেভিন্ন্য কানবা মীনা পুবা ওন্নবোইদবা খাজনা জাৎ জাৎনি মতম অদুদা লৌখিবা। মতমদুগী সবকাবগী থবক তৌবশিং অচৌ-অশাংশিংনা চাউবসিসু মহানি, মী ওৎপদা মখোযসু অসুক্কী মতীক হৈনজবনি। অশিবা পোৎলোইবগী মতাঙদসু পোৎলোইগে থৌবাং তৌবিঙৈদা নিংথৌগী হুকুম অমনা পোৎলোইবা য়াবোই হাযবকপদা ফুমজিনবা কোঙ্গাযনি, শোবাৎ শোনবা য়াদবসু কোঙ্গাযনি। অঙাং ঈশিংদা তাদুনা শিবা কযা মমা মপানা চেকশিন্দদুনা তৌবিবনি হাযদুনা শেল তিংবা দণ্ডি ফংবা কযানি। অসুম্না কপ্পা লাউনবগী খোঞ্জেন্না মতমদুগী মাযকৈ খূদিং পূমনিন নিনখি।

পঞ্চাযগী মেম্বব ওইজববসু ইবাবততি অসিগুম্বা অওং অনৈগী মাযোক্তা লৈখি। মহাক চুম্না বিচাব তৌই, শেল চাদে। অওং অনৈ কযাবু যেংবা ঙমদবদগী অমসুং অওং অনৈবু মক ফূক্না মূথংপা পান্নদগী মহাক্না "মণিপুব সেবা সমিতি" শেমদুনা মাংই হাযনা ইন্থোকপা মীবু লৌখৎপা, পোৎলোইবা যাহন্দ্রবা ফুম্নবা অশিবা মশা কোথোক্না পোৎলোইবা, পূং যৈবা, ঈশৈ শকপশিংনা নিংথৌ াকবদগী শোবাৎ শোনবা যাওইন্দু যাদ্রবদা মশানা কোর্তাল পাযদুনা শোবাৎ শোনবা হৌবকখি। ব্রহ্মসভা, [illegible], পিযন, আমিন পনবদা কিবনা নীকচববা প্রজানা অসিগুম্বা লুচিংবা অমা থোবকপসিদা ইবাবতনা লাইনি হাযনা লৌনবকখি। লৈবাক্কী যাইফনবগীদমক নিংথৌগী মাযোক্না মখাক্না মীওং মীনৈ অসিগা মবী লৈননা প্রতিবাদ কযা তৌখি। নিংথৌ পানবা [illegible] অওং অনৈগী মাযোক্তা ইবাবতনা লেপ্পা হৌখিবা অসি ছাত্র ওইবাবৈডদগীনি। জোনস্টোন স্কুলদা তম্নিঙৈদা ওঝা অমনা ছাত্র অমদা খাংপাক্লা কাওবদগী ইবাবতনা লুচিংদুনা ষ্ট্রাইক তৌখি। মসিনা ইবাবতকী পুন্সিদা অমসুং মণিপুবদা ছাত্রশিংগী অহানবা ষ্ট্রাইকনি। জননেতা ইবাবতনা পাচঁ নাপেৎ, চন্দন শেলখায, অমাং অশেং, যাবেক সন্ত্রি, পিযন অমাদ আমিনগী চাকথাক, পোথাং পুবা, দোলাইবেং অসিনচিংবা কযাগী মাযোক্তা লেপ্পুনা অশেংবা সোসিযেল বিফোর্মিষ্ট (সমাজ সংস্কাবক) অমা ওইখি।

ইবাবতনা ফম থাদোকপাঃ

ইবাবতনা "মণিপুব সেবা সমিতি" শেমদুনা প্রজাগী সেবা তৌবকপগা লোযননা "মণিপুব প্রজা মণ্ডল" শেমদুনা সংস্থান অসিগী মখাদা মতমদুগী অওং অনৈগী মাযোক্তা ঈহৌ শাগৎখি। ইবাবতনা অসুম্না ঈহৌ কযা শাগৎলকপা মতম অসিদা মাবু নমথনবা মহাবাজ চুডাচান্দ সিংহনা মশানা প্রসিডেন্ট অদুগা ইবাবতনা ভাইস প্রসিডেন্ট ওইবগা খৃঃ কুম ১৯৩৪ দা নিখিল হিন্দু মণিপুবী মহাসভা লিংখৎখি। খৃষ্টগী কুম ১৯৩৭ তা বর্মাগী মন্দলেদা মহাসভাগী

অহুমশুবা কনফবেন্স পাওথোকপদা ইবাব তনা মকওইবা থৌদাং লৌখি। মহাবাজগী অশেংবা পোর্লিসিদি মাগী মখাদা লৈবা দল (সংস্থান) অমদা যাওহল্লগা ইবাবতকী লালহৌ নমথগে তৌবা লৌশিংনি। ইবাবতনা লৌশিং অদু চপ চানা খণ্ডখি। খৃঃ কুম ১৯৩৮ দা মহাসভা অসিগী মবিশুবা কনফবেন্স চাংঙাদা ফমখি। মীফম অসিদা মহাসভাগী মিং "নিখিল মণিপুবী মহাসভা" হায়না ওন্থোকখি। হিন্দু মণিপুবীগীতা ওইবম্বদু মণিপুবী পূম্বগী ওইবা যাবে। মহানবগী মিংগা অকোনবগী মিংগা কযাদা অর্থ লৈনা খেন্নহল্লবা। মসিনি ইবাবতকী বাখল লমজাং। নিখিল মণিপুবী মহাসভা বাজনীতি দল অমা ওইখি অদুগা অওং অনৈগী মায়োক্তা লেপ্পবা বাবেপ কযামকম লৌখি। বাজনীতি দল ওইববনিনা ষ্টেট সবকাবগী কর্মচাবী অমত্তা সভা অসিদা যাওবা যাবোই হায়না দববাবগী হুকুম অমনা বেল তৌবে, যাওবম্বা পূম্নমক বিজাইন তৌনবা হুকুম থোকখি। হুকুম ফংবগা ইবাবত খৃদ ত্রা পঞ্চায়গী মেম্বব ফমদগী বিজাইন তৌখি। কান্নবা পম্বা থাদোকখি। ফম থাদোকপদা নত্তনা মহাক অমসুং লোযনবীনা ফংজবা লৌচা ফাওবা থাদোকখি। ষ্টেট কর্মচাবী অযাম্বা মশাগী ওইজবা বাখলদগী মহাসভাদগী তোকখি। অমবোমদা মহাসভা তোকপগী মহুৎতা সবকাবগী কর্ম্মচাবীদগী বিজাইন তৌখিবদি ইবাবত অমসুং শ্রী এলাংবম তোমপোক সিংহ মখোয় অনীতনি।

বিলাটি ফিবোল মৈ থাবাঃ

মতম অদুদা ভাবতকা মফম খৃদিংদা কংগ্রেসকী মখাদা ভাবত-নীংতম আন্দোলনগী শক্তক অমা ওইনা বৃটিশকী ফিবোল মৈ থাবা অমসুং খাদি শেংপা হৌনখি। মণিপুবদসু ইবাবত অমসুং মাগা লোযনবী সনা ইবেম্মগী শেৎন-ইন্নবা বিলাটি ফিবোলশিং চৈবাপ নমাণ্ডদা মৈ থাদুনা বন্দে মাতবম লাউখি অদুগা খাদি শীজিন্নবা হৌখি। মহাসভাগী কর্ম্মী পুম্নমকসু খাদি ফি শেৎনবা হৌখি। বৃটিশ অমসুং নিংথৌগা মথক্তা অকনবা ঈহৌ মণিপুবদা চঙশিনবগী থৌবাং লাক্লে। ইবাবতনা মতমসিদা ঢাকা, বর্ম্মা, আসাম, ত্রিপুবা, কাছাবনচিংবা মফমদা চত্তনা মৈতৈ অমসুং অতৈ জাতি কযাগী মবক্তা চঙদুনা ঈহৌ কযা শাগৎখি।

নুপীলাল অমসুং ইবাবতঃ

খৃঃ কুম ১৯৩৯ ডিসেম্বব ১২ মণিপুবগী ইতিহাসকী যাম্না মকওইবা নুমিৎনি। ডিসেম্বব ১২ বু ঙসি নুপীলান নুমিৎ হায়না খঙনাবি। নুপীশিংনা চেঙগা মবী লৈননা হৌখিবা ঈহৌ অমনি। ঈহৌসিগী মমাঙদা ইবাবত মপান্দা (কাছাডদা) লৌখি। নুপীশিংনা হৌবক্তনা মণিপুবগী মপান্দা চেঙ থাবা থিংঙু, চেঙ ব্রানবা ফংহল্লু হায়না হৌবকপা ঈহৌদা সিফাইশিংনা ফু-চৈবা কযা তৌখি। কাছাডদা লৈবিবা শ্রী হিজম ইবাবত সিংহব্ লমজীংনবা

টেলিগ্রাম তৌদুনা কৌথোকপনি। মহাসভাগী বেদিকেল ওইবা মেম্বরশিংনা মণিপুর সম্মেলনি শেমদুনা আন্দোলন চথখি। ইরাবত টেলিগ্রাম ফংবগা মণিপুরদা থোরক্কুনা আন্দোলন লমজীংনবা শেম শাখি। ইবাবত থোবকপদা নুপী মযাম, প্রজা মীযাম নৌনা মযোন চোংবগুম থোকখি। মহাসভাগী মীওই খরদি কিবদগী আন্দোলন মখা চত্থনীংখিদে। প্রজা সম্মেলনীগী অনীশুবা মীফমদা ইবাবতপু প্রসিডেন্ট খনখি। সম্মেলনীনা নুপীতগী ওইবা মণিপুর মহিলা সম্মেলনী কৌবা লূপ অমসু শাগৎখি। ইবাবতকী লমজীং মখাদা মতমদুদা মণিপবদা লৈবম্না মিল ১৮ আন্দোলন অসিদগী ককথৎখ্রে, মপান্দা চেঙ থাবা থিংখি, প্রজা মীযাম্না জয ওইখি।

আইন অমান্য আন্দোলনঃ

মসিগী মতূংদা ইবাবতনা লুচিংদুনা আইন অমান্য (আই থুগাযবা) আন্দোলন তৌখি। আন্দোলন অসি ইম্ফালদগী খুঙ্গংগী লমদা শন্দোকখি। মণিপুর কৃষক সভা অমসং প্রজা সম্মেলনীগা পুন্না থবক পাযখৎমিন্নবকখি। মফম কযাদা পব্লিক মীটিন তৌখি সরকারদা মসুল পীদনা শীং যানবা, ইফানবা, সরকার তাক্কুনা তেরা হৈ-ড্রাকপা, পাংশেল পীদনা ঙা ফাবা, খের পীদবা, হযিংখোই লোক্লগা নিংথৌদা খোইহা কওবা, অমিন পীযনগী চাকথাক তোকপা অসিনচিংবা থবক কযা পাযখৎলকখি। তৌবগীদি অসিগুম্না থবক পাযখৎপা অসি খৃঃ ১৯৩৬ তা সম্মেলনদা অহানবা মণিপুর কৃষক সম্মেলন লংখৎখিবা অদুদগীনি। আন্দোলনগী ফল ওইনা মতম কুইনা চৎনবী ওইনা লৈবম্লবা আইন কযা পোত্থাং বেগারী, পিযন-আমিন চাকথাক, দোলাইবেং, ধর্ম্মগী শেন্তেক খাযবনচিংবা কোকখি।

জেলদা লৈবাঃ

সরকারনা ইবাবতপু মখল মখা কযাগী মরাল শীদুনা ফানবা হোৎনখি। খৃঃ ১৯৪০ গী জানুযারী ৭ তা পুলিস লেনদা প্রজা সম্মেলনীনা শীনবা মীটিন অমদা মক হকপা রা কযা ঙাঙ্খি। মহাক্না ইমা ইবেনশিংনা চেঙ খুজোক অমত্তং পীযু হাযঙবদা শঙ্গীন্না থিনবী, ঈ খুজোক ওইনা পী, টেলিগ্রাম ওফিসকী থৌদোক নীংশিংবীযু বাসিযা অমসুং জাপান্দা প্রজাগী ঈহৌ চঙশিনখ্রে, মখোযগী থৌনা ঐখোযসু কবিগী লৈবোই, জেলদা চঙবা কিবোইদবনিনচিংবা রা কযা ঙাঙ্খি। ইবাবতকী ভাষণ লৈবাক কাযনবনি, সরকারগী মাযোক্তনি হাযদুনা মাবু ফাদুনা বিচার তৌখি। খৃঃ ১৯৪০ গী মার্চ ২১ দা মহাক্কী মথক্তা বিচার তৌবগা চহী ৩ গী মিযাৎ পীদুনা জেলদা থমখি। মণিপুরগী জেলদা থনম্বদগী মতম খরা লৈবগা সিলেট জেলদা থমখি। সিলেট জেলদা লৈবিঙৈদা কম্যুনিষ্ট অমসুং কংগ্রেসকী

কর্ম্মী কয়া শকখঙনখি অদুগা মাগী শৈবেং লাইবিক "ইমা পূজা" সু ইখি।

জেল সংস্কাবঃ

জেলদা লৈবিঙৈদা ফদোকশিংগীদমক আন্দোলন হৌখি। মতমদুদা ফাদোকশিংবু ষনগী মহুৎ শিন্দুনা থাউগী কোলু শুমহল্লি, পুখম তেঙ্গোৎ যাওদনা চাক পীজৈ, ফিবোল মতীক চানা পীদে, উপাক্তা হীপর্হল্লি, মীনা চাবা যাবা চিঞ্জাক পীজদে। পুম্নমকসিগী মাযোক্তা জেলদা ইবাবতনা লূচিংদুনা আন্দোলন হৌবগা ফাদোকশিংগী ফীভম ফগৎহনখি। ফাদোকশিংগী দাবী পীখি অবা অনা কয়া কোকখি, ইবাবতপু লাইপোক অর্মন লৌনখি সিলেট জেলদা ট্রান্সফব তৌখিবদা ফাদোকশিং মমীস্তগী মপি শাগ্ধুনা কপ্পখি।

মণিপুবদা চঙহন্দবাঃ

চটী ৩ গী মিযাং শুবদুনা খৃঃ কুম ১৯৪৩ দা ইবাবতপু জেলদগী থাদোকখি। অদবু মণিপুব চংবর্দি যাহনখিদে। ইবাবত কাছাড়দা লৈবা তাখি। কাছাড়দা লৈনা লৈনা ত্রিপুবা অমসুং আসামগী মফম কয়াদা কৃষক সভা লিংখৎখি। মফমদুদসু মীযামগী ঈহৌ শাগৎলকপদগী আসাম সবকাবনা ফাজিন্দুনা সিলচব ডিষ্ট্রিক্ট জেলদা থমখি (১৯৪৪)। ৩০ কুম ১৯৪৫ দা মাগী লোযনবী সনাইবেম্মাগী অপোকপী (মমা) গী শোবাং যাওননবা সবকাবগী অযাবা লৌবগা মণিপুবদা থোবকই অদুগা অমুক কাছাড়দা হনখি। মণিপুবদা মতম খবা লৈবিঙৈদা সংস্থান কযাগী লুচিংবশিংগা মকওইবা বাফম কয়া খন্নখি। মতমসিদা মহাক কাছাড়দা মতীক মগুণ চাউববা নেতা অমা ওইনা লৌনখি। খৃঃ কুম ১৯৪৫ দা মহাকপু আসাম লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা কম্যুনিষ্টকী মীবেপ ওইনা কাছাড প্রজানা থাগৎখি, কাবর্দি ভুমখিদে অনীশুবদা লৈখি। ভাবতকী ৯ শুবা কৃষক সভাগী কনফবেন্স হৌজিক্কী বাংলাদেশতা লৈবা নেত্রকোনা হাযবা মফমদা পাঙথোকপদা মহাক দেলিগেট অমা ওইনা যাওখি। ভাবত পুম্বগী কেন্দ্র কিষান কাউন্সিলাব ওইনা খনখি। মহাক্কা মফমদুদা ইহান হান্না মৈতৈ জগোয অমা লূচিংদুনা শাখি। লৌমীগী ঈশৈ লেংদুনা মশামক ঈশৈ শকপা যাওখি। অসুম্না মহাক ভাবত্তা অফাওবা নেতা অমা ওইখি।

মণিপুবদা হল্লকপাঃ

বৃটিশনা ভাবত থাদোক্লমদাইদা ইবাবত মণিপুবদা থোবক্তুনা মাগী লৈফম জন্মস্থান্দা মাগী তেকশুবা যৃম্ফমদা খন্দোক্তুনা লৈখি। মণিপুবদা লৈবা হৌবদগী পোংখাবা তৌদনা বাজনীতিগী থবক তৌবা হৌখি। ইবাবতনা মীযামগীদমক প্রজা সঙ্ঘ, কিষান সভাদা থবক কন্না তৌখি। মণিপুবদা হেক থোক্লকপদনি চযোলগী চেফোঙ "অনৌবা যুগ" ফোঙখিবদু।

খৃঃ কুম ১৯৪৬ তা মণিপুর কৃষক সভাগী ২ শুবা কনফরেন্স নম্বোলদা ফমখি মীফম অদুদা (১) পূর্ণ দায়িত্ব শাসন লিংবা, (২) সবালক ভোটনা মীখল তৌবা, (৩) খুঙ্গংদা গ্রাম পঞ্চায়েত লিংবা, (৪) খুল খুদিংদা স্কুল লিংবা, (৫) ফ্রি কম্পলসরী প্রাইমারী এডুকেসন, (৬) খুঙ্গং খুদিংদা অনা লায়যেংশঙ থম্বা, (৭) খুঙ্গংদা পোষ্ট ওফিস থম্বা, (৮) ঈথৈ লৌখোং শেম্বা, (৯) লাঙ্গোল পায়বনা লৌপু ওইবা, (১) লানগী ক্ষেত্রিপুরণ থুনা পীথোকপা, (১১) চীং পাৎ তুরেলগী মলাম ককপা যাওনা রাজনীতিগী অমসুং প্রজা মীযামগী ব্রাবেপ কয়া লৌখি।

অপূনবা শক্তম শাগৎপাঃ

ইবাবতনা চীংতম পনগদবান হায়না রাজনীতিগী ফিরেপ্পা চাংমী লুচিংবা কাগা উনদুনা চাং তম অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা কন্না পুখৎপা হৌখি। খৃ. কুম ১৯৪৭ বা নবেম্বর ৩০ দা এম ডি যু হোলদা ইবাবতকা প্রজা সঙ্ঘনা কৌদুনা চাং অমসুং তমগী পার্টি ৯ গী মাটিন অমা কৌখি। মাটিন অদুনা চীং অমসুং তমগী মপাঙ্গল কনবা অপনবা পার্টি শেম্বা ওর্গেনাইজিং কমিটি অমা শেম্বা যানখি। ইবাবতনা চেযাবরেন অদুগী এম কে সমবেনা সেক্রেটারি ওইদুনা চীং তম পূন্না আন্দোলন চঙশিন্নবা শক্তি কমতিনা পাবম্মা।

মণিপুর ষ্টেট কনষ্টিটিউসনঃ

বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্লগা চৎপা তাবকপগা লোয়ননা ম থাম্মা তাল্লকপা দায়িত্বশীল শাসন মণিপুরদা লৈতবা যাবক্রে। মণিপুর দরবারগী প্রেসিডেন্ট মি. পিয়ারসিন্না মণিপুরগী কন্সটিটিউসন অমা শেম্নবা থৌবাং তৌখি অমসুং কন্সটিটিউসন মেকিং বোর্ড অমা শেমখি সংবিধান অসি দিফেক্ট লৈ দিমোক্রেটিক ওইদে। মসিদা মীযামগী মঃ পাবা যাদে মি ওই থবতবু যাহল্লি। এম এল এ ৫৩ না বিধান সভা শাগনি অদুবু মখোয়না মুখ্য মন্ত্রী খনবা যাদে, মহারাজনা নোমিনেট তৌগদবনি। কেবিনেটনা যাববা ব্রাবেপ মহারাজনা সাহি তৌদবা ওম্মী। মসিবু পেন্দবা ফোঙদোকপা ওইনা ইবাবত অমদি মাগী মাশিংনা বোইকোট তৌখি। অদুম ওইনমক মণিপুর কন্সটিটিউসন এক্ট ১৯৪৭ শেমখি।

এসেমব্লি ইলেক্সন, ১৯৪৮ঃ

মণিপুর কন্সটিটিউসন এক্ট ১৯৪৭ কী মখাদা খৃঃ ১৯৪৮ দা মণিপুরদা ইলেক্সন তৌখি। ইবাবতকী কৃষক সভাগী কৌন্দদেট ২৩ গী মনুংদা ৫ কাখি। মশামক্লা উৎলৌ কেন্দ্রদগী কাখি। দল অমত্তনা এবসোলুট মেজোরিটি ওইবা ঙমখদে।

মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টিঃ

ইবাবত সিলেট জেলদগী কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মেম্বর ওইরকখি। খৃঃ ১৯৪৮ দা মণিপুরদা

কম্যুানষ্ট পার্টি লিংখৎখি। চহীসিদা হোদাম লৈবক্তা তখেল্লম্বম ইবোতোম্বীগী যুমদা জেনেবেল বোডিগা মীটিং তৌদুনা মণিপুব কম্যুানষ্ট পার্টি লিংখৎপা হৌখিবনি। ইবাবত অমসুং বোকুলনাচিংবা মেম্বব ৮ না শাবা কমিটিদা বোকুলনা সেক্রেটবি ওইখি। নহাবোল মতুংইনবা কন্মী কয়া যাওবকই। মখোযনা ইবাবতপু "খুবা ইবুংঙো" কৌদুনা ইকাযখুম্নে।

অণ্ডবগ্রাউণ্ড চঙবাঃ

ইলেক্সন মতংদা মণিপুবগা বাজনীতিগী ফীভম যাম্না লুশিল্লকখি। সাদাব পটেলগী ভাবতকী নিংথৌ পানবা লৈবাকাশং ভাবতা পূর্নশিনবগী ব্রাফম যাম্না কনখি। মণিপুব, কাছাড, লুসাই চাং অমসুং ত্রিপুবা যাওগদবা প্রদেশ অমা পূর্ব্বাচল প্রদেশ শেম্নবা হাংনবকপদা ইবাবতনা অকেকপা ফংনা মাযোক্লবকপদগী অচৌবা ঈবাং থোববখি। চাংগী মমদসু ঈবাং কনখৎলকখি। ম. এ. দাইহোনা লুচিংদুনা চাংমীগী আন্দোলন চঙলকখি। দাইহোব ফাদুনা কলিকতাগী জেল অমদা থমখি। ইবাবতনা মাগী লূপশিংগা লোযননা মাযামদা খুঙ্গংদা চঙদুনা মোবিলাইজ তৌখি। মাসদা ইবাবতপু অমূক্না হন্না কিবকখি। মণিপুবদ অশান্তি থোক্লবগা অমদি চাংগ ঈবাংগা মর্কদ ইবাবতান হাযনা মবাল পাদুনা মাগ লপাশিংনা পার্মিসন যাওদনা মাটিং তৌনা, শোভাযাত্রা চৎপা অমতা যাবোহ হাযনা বকাবনা হিংজিনখি। খৃ. ১৯৪৮ গা সেপ্টেম্বব ২১ দা পূর্ব্বাচল শেম্বগী মাযোক্তা পাংথোদ সভা অমা মথু চাউনা এম দি যু হৌলদা প্রজা সঙ্ঘ অমসং কৃষক সভ না কৌখি মণিপুবগা মাযকে হাদংদা মীটিং যাওবা হাইগৎনববখি। পংদোংবম মাযকৈদগী মীযাম হীদুনা পূর্ব্বাচল শেম্বগা মাযোক্তা স্লোগান লাবা কয়া লাউদুনা শোভাযাত্র ওইনা লাকখি। হাংল ব পানবা সফাইগা লোযননা পালস ফোস অমনা পংদো বমদা মীযামগা থেংনদুনা ইহীদক হাযনাবা পংদোংবম ঘটনা অসি থোকখি। এম দি যু দা পাঙথোক্কদবা সভা পথোকখিদে। থাংনক মাল শক্তি ইন্টেলিজেন্স দববাবনা ইবাবতপু ফানবা ব্রাবেন্ট ইসু তৌবকখি ইবাবত ফোংনা লৈবা যাখদে। মাবু ফানবা হোৎনবদ ফাব ঙমখিদে। মাবু ফাবা ঙম্বা মীদা মনা লুপা লাশিং তবা পাগানি হাযনা লাউথোকখি। ইবাবত অমসুং মাগা লোযনবা কন্মী অযান্না অণ্ডবগ্রাউণ্ড চঙখি।

পংদোংবমগা ঘটনাগী মতুংদগাদি কিষান সভা, প্রজা সঙ্ঘ, ছাত্র ফেদেবেসন্নাচিংবা লূপ পল্লমক বে-আইনী ওইবে হাযনা লাউথোকখি। ইবাবতনা অণ্ডবগ্রাউণ্ড চঙপ্রবা তুংদগীদি কম্যুনিষ্ট পার্টিসু অণ্ডবগ্রাউণ্ডদা থবক তৌখি। মকওইনা কন্মী অযান্না অণ্ডবগ্রাউণ্ড চঙখি। শেল পান্নদগী মশাগী ওইজবা থিবা খবনা ইবাবতপু থিবদা মতেং পাংখি। কৃষক সভা ফানবা লৌমীগী খুঙ্গং কয়াদা চঙদুনা পুলিসনা মীযাম কয়া ওৎখি। ফাগৎলবা মপা

মচা ষণ ৱাইনহল্লি যাদ্রগা ফূদৎলি, ফৈগন্দা পৌ থাবগা নাক-যেৎ তোংদুনা নেৎলি, থবক্তা খোঙউপ বুটনা কাওই, নোংমৈ গুন্দানা শুই, দম নাইনা খুল খুল চঙদুনা ইবাবত থি, মীযাম ওৎলি। চৈবকসিদা ইবাবত পোথাবা লৈতনা লৌমীগী খুঙ্গংদা চঙদুনা মীযাম শাগৎলি, "অনৌবা যুগ" ফোঙই, লিফলেট অমদি পমপ্লেট কযা মীযামদা চাইথোকই, মাগী থবক শবক শিদে, কম্যুনিষ্টকী মপাঙ্গলসু কনথৎখি। ইবাবতপুদি ফাবা ঙমখিদে।

বর্মাদা কমরেদ ইবাবতঃ

মতমদুগী মণিপুবগী ইন্টবিম সবকাবনা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী নহাবোল কযা—(থোকচোম বড, ঙাঙোম মহেন্দ্র, নিংথৌজম বিনয, মোইবেংথোম ইবোহল, থিংবাইজম নোংযাই, থোকচোম বীব, লোংজম জ্ঞানেন্দ্র, নিংথৌজম অজিৎর্নচিংবা) খৃষ্টগী কুম ১৯৫০ গী মে, জুন, জুলাইদা মথং মথং ফাগৎখি, খুঙ্গংদগী কম্যুনিষ্টকী নহাবোল কযাসু ফাখি। মতম অসিদা বর্মাদা "বর্মা কম্যুনিষ্ট পার্টি" গী লূচিংবা থাকিন থান তুন্না খূৎলায পাযবগী বীপ্লব চথবকখি। ভাবত কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মণিপুব দিষ্ট্রিক্ট ওর্গেনাইজিং কমিটিনা ৱাবেপ লৌদুনা ইবাবতপু খৃঃ ১৯৫০ গী মে থাদা বর্মাদা থাখি। বর্মাগী পিপলস কমবেদ পার্টিগী খূৎলায পাযবা দল খবনা লানথৌ চথবম্মী। অসি গুম্বা তাঞ্জাসিদা কমবেদ ইবাবতনা বর্মাদা থুংখি। উ-নুং সবকাবগী মথক্তা চথবিবা লাঞ্জঙ অদুদা খূৎলায পাযবা লূপশিং অদু পূনশিন্দুনা যুনাইটেদ ফ্রন্টকী তঙাইফদবা অদু কমবেদ ইবাবতনা মখোযগী লীডর্বশিংদা খঙহন্নখি। তাঞ্জা অসিদা উ-নু সবকাবগী লাম্মীনা এযাফোর্স যাওনা পি সি পি (পিপলস কমবেদ পার্টি) গী হেড কার্টবদা অকনবা লান্দাখি। যেক্লবগী ওফেনসিভ অসগী নাম্থোক্লবা সিমানাগী মাযকৈবোমদা ইবাবতপু থিন্দোবকখি। মসিদগী ইবাবতনা মণিপুবদা হল্লগা মহাক্তা বর্মাদা খন্নবকপা পুম্বা তম্লনবা শেম শাখি।

ইবাবতকী অরোইবা য়াহীপঃ

খৃঃ কুম ১৯৫১ গী সেপ্টেম্বব তাদা কমবেদ ইবাবতনা পি সি পি গী মোলাইক দিষ্ট্রিক্টতগী মণিপুববোমদা থোবকপদা বর্মাগী আঙ্গো চীংগী চীংখোঙদা লৈবা খাম্নাং তাবা কবো খুল অনী তাংবো-সেদোদা সেপ্টেম্ববগী ২০ অদুৱাইদা টাইফোইদনা নাবকখি। সিমানাগী লম্বী-থোং খুদোং চাদ্রবা মফমদুদা নুমিৎ ৫/৬ নি লাযকন্নবম্লগা খঙহৌদনা কমবেদ ইবাবত মহাক্তা বর্মাদা পাঙথোক্লবা খোঙচৎ অদুগী পাউদম মবমদম মণিপুবদা লাক্লুনা পাউদম্বা নংদ্রিঙৈদা বর্মাগী তাংবোদা চহীদুগী সেপ্টেম্বব ২৬ তা নোঙ্গখি। অসুম্না শক্লাইববা মৈতৈ লৈমগী মপাবি শ্রীহিজম ইবাবত সিংহ মীযামগীদমক অৱা অনা খুদোংথীবা কযা মাযোক্লবম্লগা তাইবঙপান থাদোকখি।

লৈখিদ্রবা ইবাবতঃ

কমবেদ ইবাবত লৈখিদ্রে। হিংলিঙৈদা শক্লাইববা মীশক ওইবম্বা ইবাবতনি। মীনা মাবু নথৈনবা হোৎনবীখিবনি, নাথৈবীখিবনি। নমথনবা হোৎনবীখিবনি। অদুবু কনাগী মতীক নত্তে মাগী মতীক মগুণবু নমথবা। ওইবে ঙসিদি শিগ্রবা ইবাবত অহিংবা ইনাবত। শোন্নাবি শক্লবি মাগী মতীক মগুণ অমদি মাগী পুক্সি অমসুং থবক। "থাযনগী লৈবাং অমনবা/মল্ল মল্লা লৈনুংশি " (খ্বাইবাকপম চাউবা), হেন্না মগুণ চাউবক্লি কুইব কুইনগা ইবাবত। লৈবে হৌজিক লৈবাংবানবা মাবু, মশীং যাম্না হেনগৎলক্লি মাবু শক্লা শোন্নবা। শোন্নীংবশিংনা হেন্না হেন্না শোন্নবক্লি। শোন্নবমদবনসু শোন্নবক্লি, শোন্নীংদবনসু শোন্নবক্লি শোন্নদবা যাবক্তবদগী শোন্নবকখগনি হেন্না হেন্না। ইকাযখুম্নখি হিংলিঙৈদা "মমাক ইবুংঙো, পঞ্চায মেম্বর" হাযনা, ইকাযখুম্নবি লৈখিদ্রবা তুংদা "জননেতা", "কর্ণধার" হাযনা। পখোক্লে মাগী মিংদা পোষ্টেজ ষ্টাম্প, ওইবে ছুটি মাগী মপোক নুমিত্তা মাগী মবন্দমদা, শাবে শান্তি, মূর্তি মাগী, পাংথোক্লে থৌবম কযা মহাক্কা মবী লৈননা। লৈখিদ্রবা ইবাবত লৈবে হৌজিক ঐখোযগী ইবক্তা, লৈখিগনি মতম কুইনা ঐখোযগী ইবক্তা। হৌজিক হৌজিক তঙাযফদবা ওইবি ইবাবত অমা ঐখোযগী লমদমসিদা লমদাংনবা, হেংনবা সমস্যাশিং।

মতেং লৌজখিবা লাইরিক / চেফোঙশিং

১। **মণিপুর প্রজা সম্মেলনী অমসুং অনীশুবা নূপীলান**
– লাইখুবাম ইবোবী সিংহ

২। **শক্লাইরবশিংগী পুন্সি রাবী মঙাশুবা শরুক**
– খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ

৩। **কমরেদ ইবাবতকী মরমদা খরদং**
– থোকচোম বীর

৪। **লুচিং পুরেল ইরাবতকী পাউজেল**
– ইবাবত মেমোরিয়েল ট্রষ্ট, ইম্ফাল

৫। **কমরেদ ইরাবত** (১৯৮১)
– ছাত্র ফেদরেসন অমসুং যুথ ফেদেরেসন

৬। **অপূনবা খোল্লাও** (সেপ্টেম্বর ১৯৭৯ গী চেফোঙ)
– ছাত্র নহাবোল, কর্কচিং লোকেলনা পুথোকপা

৭। লাঙ্গোল ইবোযাইমা অমসুং মেংজম বীতিচন্দ্রনা ইমা ইবাবতকা লাইবিকশিং অমসুং রাবেংশিং

৮। ৮৪ শুবা জননেতা ইবাবতকী মপোক নুমিৎ পালনগা মরা লৈননা পুথোকপা– **খোল্লাও** গী অখন্নবা চেফোঙ

৯। ছাত্র নহাবোলগী চেফোঙ **অওনবা**, ১৯৮২ (সেপ্টেম্বর) অমসুং ১৯৭৬ (ওক্টোবর) গী চেফোঙ

১০। Souvenir-Issued by The Jananeta Irawat Gold Cup Organising Committee (1997)

১১। R.K. Sanajaoba (Editor) *Irawat Sentinel of The East*

১২। R K Sanajaoba (Editor): *Jananeta Irawat Singh The Humanist Crusader.*

জননেতা হিজম ইরাবত সিংহগী মরমদা খরদং

পোকপা চহী / নুমিৎ ঃ খৃ ১৮৯৬, সেপ্তেম্বর ৩০
পোকফম ঃ পিশুমখোং ওইনাম লৈকায
লৈফম ঃ শৌগাইজম লৈকায, ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রী মপাল, জন্মস্থান
অপোকপগী মিং ঃ শ্রীহিজম ইবুংঙোহল সিংহ
অপোকপীগী মিং ঃ চোংথাম নিংঙোল থম্বাল ছাহী দেবী
লোয়নবীগী মিং ঃ রাজকুমারী খোমদোনসনা দেবী
মহেৎপী থাক ঃ ক্লাস নাইন
মহৈ মশাং তম্লকপা মফম ঃ জোনষ্টোন স্কুল, ধাকাদা লৈবা স্কুল অমা (পৃসোজ হায়স্কুল)
[illegible] ঃ স্কুলগী [illegible], পঞ্চায়ত মেম্বর
[illegible] মণিপুর [illegible] ক্লব, মণিপুর [illegible] সমিতি, মণিপুর প্রজা মণ্ডল, মণিপুর [illegible] সম্মেলনী, মণিপুর কৃষক সভা, মণিপুর মহিলা সম্মেলনী, মণিপুর [illegible], মণিপুর ছাত্র সম্মেলনী, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মণিপুর [illegible] ইউনিয়ন, মণিপুর প্রাইমারী [illegible] এসোসিয়েসন, মণিপুর ষ্টুডেন্টস ফেডেরেশন, ওল মণিপুর য়ুথ লীগ, নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা, মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা [illegible]
জেলদা লৈবা ঃ অহানবদা ১৯৪৩ (মার্চ ২১, ১৯৪০ দগী মার্চ ২০, ১৯৪৩), অনীশুবদা অসাম সরকারনা সিলচর জেলদা থম্বা (১৯৪৪)

ইরম্বা লাইরিকশিং / অতৈ অতৈ ঃ শৈদম শৈরেং (১৯২৯) শৈরেং, ইমাগী পূজা (১৯৪২ - ৪৩)-শৈরেং, মন্দলেগী খোঙফম (মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ পত্রিকাদা ফোঙবা) - ৱারেং, লোকমান্য তিলক (ললিত মঞ্জুরী পত্রিকাদা ফোঙবা), মোহিনী (য়াকাইরোলদা ফোঙবা) - উপন্যাস, কৃষ্ণকান্তগী উইল (হন্দোকপা), জয়মতী (দ্রামা) অসিনচিংবা

দ্রামা / থিয়েতরগী লমদা ঃ এম দি যু লিংখৎপা, *নরসিংহ*দা কুমুদ শাবা, *দেবলা দেবী*দা বলদেব শাবা, *অরেপ্পা মরূপ*তা চন্দ্রসিং শাবা, *রাণী দুর্গাবতী*দা রূপমতী শাবা, *ভক্তবিলবমঙ্গল*দা বিলবমঙ্গল শাবা, *গর্দ্দভলাইয়া নাকল*দা গধা মপুগী মচানিপা শাবা

পুথোকখিবা চেফোঙশিং ঃ মৈতৈ চনু (১৯২২), অনৌবা যুগ (১৯৪৭)

মীয়াম্না খঙনবা / কৌনবা মিং ঃ মমাক ইবুংঙো মেম্বর, পঞ্চায মেম্বর, খুরা ইবুংঙো, জননেতা

মীখলগী লান্দা ঃ ১৯৪৫দা অসাম লেজিসলেটিপব এসেমব্লিগী মীখলদা কছাড়দগী কম্যুনিস্ট মীরেপ ওইনা (কাদবা), ১৯৪৮দা কৃষক সভাগী মীরেপ ওইনা উৎলৌদগী কাবা

লৈখিদবা চহী / নুমিৎ ঃ খৃ: ১৯৫১, সেপ্তেম্বর ২৬

মপুন্সি ঃ চহী ৫৪ থা ১১ নুমিৎ ২৬

থুপখিবা / লৈখিদবা মফম ঃ বর্মাগী তাংবো

ইরাবতকা মরী লৈনবা ৱাফম অমসুং অতৈ থৌদোক খরা

ইং ১৮৯৬	ঃ	জননেতা হিজম ইরাবত পোকপা
ইং ১৯০৪	ঃ	ইরাবতনা অঙাং ওইরিঙৈদা সাহেবকী বাংলা মৈ চাকপা, অহানবা নুপী লান
ইং ১৯১৩	ঃ	জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস সেবেন ফাওবা তম্নমলগা ধাকাদা লাইরিক তম্বা চৎপা
ইং ১৯১৫	ঃ	ধাকাদা ক্লাস নাইন ফাওবা তম্বা, অপোকপী লৈতবা, ত্রিপুরাদা মতম খরা লৈবা, ৱাংখৈদা মাইবম শমদেনগীদা লৈবা
ইং ১৯২২	ঃ	মণিপুর টাউন ক্লব লিংখৎপা, *মৈতৈ চনু* ফোঙবা
ইং ১৯২৪	ঃ	রাজকুমারী খোমদোনসনা লুহোংবা
ইং ১৯২৫	ঃ	গোবিন্দজিগী মান্দোপ্তা শান্নবা দ্রামা *নরসিংহ*দা কুমুদ শাবা
ইং ১৯২৭	ঃ	মণিপুরদা ক্রিকেত তীম লিংখৎপা, মোইরাংখোমদা স্কুল ওজা ওইরবা তুংদা পঞ্চায মেম্বর ওইবা
ইং ১৯২৮	ঃ	অহানবা হোকি, ফূৎবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা, শান্নবদা লমজিংবা
ইং১৯২৯	ঃ	শৈদম শৈরেং ইবা, লুপা ৬০দা সরকারনা খূৎই লৈবা
ইং ১৯৩০	ঃ	দা. এন লৈরেনগী *যাকাইরোল* পুথোকপা মদুদা ইরাবতনা আর্তিকল কয়া ফোঙবা
ইং ১৯৩১	ঃ	মণিপুর দ্রামাতিক য়ুনিয়ন লিংখৎপা
ইং ১৯৩২	ঃ	*যাকাইরোল*দা ইবাবতকী *মোহিনী*

		মথং মনাও নাইনা ফোঙবা
ইং ১৯৩৩	ঃ	*ললিত মঞ্জরী পত্রিকা*দা ইবাবতনা লোকমান্যতিলককী পুন্সি ৱাৱী মথং মথং হাপ্পা হৌবা
ইং ১৯৩৪	ঃ	নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা লিংখৎপা, ইবাবতনা ভাইচ পসিদেণ্ট ওইবা
ইং ১৯৩৫	ঃ	মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎপা ইবাবতনা অহানবা সেক্রেটারী ওইবা
ইং ১৯৩৬	ঃ	শিলচরদা মহাসভাগী অনীশুবা মীফম নাম্বোলদা কৃষি সম্মেলনগী [illegible]
ইং ১৯৩৭		মন্দ্রোদা মহাসভাগী অহুমশুবা মীফম, ইবাবতনা [illegible] লৌবা
ইং ১৯৩৮	ঃ	ইবাবতনা মণিপুরী [illegible] সেক্রেটারী অনীশুবা [illegible] মণিপুরী সাহিত্য [illegible] 'মন্দ্রেন্গী খোং [illegible]', চিংঙোদা মহাসভাগী ৫শুবা মীফম ফমবা, নিখিল মণিপুরী মহাসভা হায়না মিং ওনবা, নিলাচলকী বোল মৈ থাবা, ইবাবতনা থাদনবী ফো [illegible] শেৎপা, ৱাংখৈদা মহাসভাগী ব্রাঞ্চ কমিতি হাংবা
ইং ১৯৩৮	ঃ	দিগবোযগী থাওগী শিন্নীশিংগী আন্দোলন শৌগৎপগী ৱাবেদ লৌবা
ইং ১৯৩৯	ঃ	ইবাবতনা পঞ্চানি মেফম থাদোকপা, মহাসভাগী অন্দ্রো

		ব্রাঞ্চকী মীফম, ইবাবত মপান্দা লৈবা, অনীশুবা নুপীলান (চেঙগী মতাংদা), ইবাবতপু কৌথোকপা
ইং ১৯৪০	ঃ	ইবাবত মণিপুবদা থোবকপা, পুলিসলেন (ইম্ফাল) দা ৰা ঙাঙবা, ইবাবত ফাবা, বিচাবদা চহী অহুম ফাদোক পীবা, খোমদোনসনানা ৰাকৎপা
ইং ১৯৪১	ঃ	সিলেত জেলদা ইবাবত থাবা, জেলদা কংগ্রেস অমসুং কম্যুনিস্টকী মীওইশিংগা খঙনবা, ইবাবতনা মার্ক্সিজম লেনিজমগী ৰাংভুলোন খঙবা ঙম্বা
ইং ১৯৪২ ৭৩	ঃ	ইম্ফালদা জাপান্না বোম থাদবা, সিলেত জেলদা ইবাবতনা *ইমাগী পূজা* ইবা
ইং ১৯৪৩	ঃ	ইবাবত জেলদগী থাদোকপা, মণিপুবদা চঙহনদবা, কাছাড অমসুং সুর্মা ভেলিদা কম্যুনিস্ট লুচিংবশিংগা লৈমিন্নবা, পঞ্জাবকী ভাকনাদা অল ইন্দিয়া কিষান সভাগী সেসন্দা সুর্মা ভেলিগী মীহুৎ ওইনা যাওবা, বোম্বে (মুম্বাই)দা কম্যুনিস্ট পার্টিগী অহানবা অধিবেসন যাওবা
ইং ১৯৪৪	ঃ	কাছাডদা কম্যুনিস্ট অমসুং কিষানগী ঈহৌ শাগৎপা, অসাম সবকাবনা ইবাবত ফাবা, সিলচব জেলদা থম্বা
ইং ১৯৪৫	ঃ	লোযনবী খোমদোনসনাগী

		অপোকপীগী শোরাৎকীদমক মণিপুরদা থোরকপা (নুমিৎ ৭), ম্যয়মনসিং জিলাগী নেত্রকোনাদা ভারতকী ৯শুবা কিষান কনফরেন্সতা শরুক যাবা, অসামগী মীখলদা কাছাড়দগী মীরেপ ওইবা অনীশুবদা লৈবা (কাদবা)
ইং ১৯৪৬	ঃ	ইরাবত মণিপুরদা থোরকপা, নম্বোলদা কৃষীক সম্মেলনীগী মীফম, কৃষক সভা হায়না মমিং ওনবা, ৱারেপ কযা লৌবা, মণিপুর প্রজা সঙ্ঘ শেম্বা
ইং ১৯৪৭	ঃ	এম কে প্রিয়ব্রতনা চীফ মিনিসতর ওইবা, এম দি যু হোলদা প্রজা সঙ্ঘনা চীং তম অনীগী পার্টি ৯গী মীতিন কৌবা, মণিপুর কন্সতিত্যুসন এক্ত শেম্বা ইরাবত অমসুং মাগী মীওইশিং। কৃষক সভানা বোযকোত তৌবা, *অনৌবা যুগ* ফোঙবা
ইং ১৯৪৮	ঃ	কোলকত্তাদা কম্যুনিস্ট পার্তিগী মীফম যাওবা, মণিপুবদা মীখল পাঙথোকপা, উৎলৌদগী ইরাবত কাবা, মণিপুরদা কম্যুনিস্ট পার্টি লিংখৎপা, পূর্ব্বালচল শেম্বগী মায়োক্তা এম দি যু হোলদা প্রতিবাদ সভা শীনবা, পুংদোংবমগী থৌদোক থোকপা, ইরাবত ফানবা ৱারেন্ত ইসু তৌবা মাবু ফাবদা লুপা লীশিং ১০গী

		মনা লাউথোকপা, ইবাবত মীবোৎ ওইখিবা, পার্টিগী থবক চত্থবা
ইং ১৯৪৯	ঃ	মণিপুর ভারত্তা তিনবা, এম কে প্রিয়ব্রতগী মিনিস্ট্রিগী মতম লোইবা
ইং ১৯৪৯-৫১	ঃ	কম্যুনিস্টকী ঈহৌ নমথবগী মিংদা সবকাবনা খুঞ্জাশিং কযা ওৎপা
ইং ১৯৫০	ঃ	ইবাবত বর্মাদা চঙবা , বর্মাগী কম্যুনিস্টকী মীওইশিংগা উননবা, মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী নহাবোল লুচিংবশিং ফাবা
ই° ১৯৫১	ঃ	ইবাবত মণিপুরগীদমক মায ওল্লকপা , মশা ঙল্লকতবা, বর্মাগী তাংবোদা নোঙ্গাবা

ইরাবত লৈত্রবা তুংদা

ইং ১৯৫৮	ঃ	ববাক ভেলিগী শুবি নোমলিবশিংনা জননেতা হাযবা মিংথোন পীবা
ইং ১৯৯৭	ঃ	মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা কবি রত্ন উপাধি পীবা
ইং ১৯৯৮	ঃ	মহাক্কী মশক যেকপা পোস্টেজ ষ্টাম্প পুথোকপা

(লোযননা মফম কযাদা মফম শাদা মহাক্কী মূর্তি থম্বা, মহাক্কী মিংদা মনা / এর্বাদ কযা কৎনবকপা, মহাক্কা মরী লৈননা থৌবম কযা পাঙথোকপা, মাগী মবমদা অকুপ্পা থিগৎনবকপা)

মহারাজকুমার প্রিয়ব্রতগী পুন্সি অমসুং থবক

নোল্লুকচবা

মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালগী চেফোঙ ১৮শুবা *য়েন্নীং* লৈখিদ্রবা মণিপুরগী অহানবা মণিপুরী চীফমিনিস্তর মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত সিংহদা কৎথোকপা ওইনা ফোঙলসি হায়না সমিতিনা লেপনখি। লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা মীশক অসিগী শন্নপ্পা পুন্সি ব্রারী অমসুং মহাক্কী থবক্কী মরমদা ব্রারেং অমা ইননবা সমিতিনা ঐঙোন্দা শিন্নবী। সমিতিনা শিন্নবীবা শিন্থা অদু য়াম্না রানা অমসুং কিনা হোৎনজদুনা য়াম্না শম্না ইজরগা সমিতিদা অশোয় অঙম য়েংবীনবা শিন্নজে। ব্রারেং অদু ইবদা মহারাজকুমার প্রিয়ব্রতগী মচাইবুংঙো শ্রীরাজকুমার নিমাই সিংহ (মহারাজকুমারগী মনাও ইবুংঙো খেদাসনানা পোকপা) আই এ এস, শক্লাইরবী অইবী খাইদেম প্রমোদিনী, শক্লাইরবা কলাকার (লাইয়েকপা) থোইদিংজম তোম্বী ,মহারাজকুমারগা তিন্নরম্বা মাইস্নাম বীরমণিনচিংবা কয়াগী মফম্দা হংজ- খোৎচা তৌজে। মরুওইবা লাইরিক, পাউ-চে অমদি অতৈ চেফোঙ কয়াদা মহারাজকুমারগী মরমদা ইবা খরসু লৌখৎচৈ অদুগা য়াম্না শম্না ব্রারেং অদু ইজদুনা *য়েন্নীং* দা ফোঙজখিবনি। *য়েন্নীং* দা ফোঙখিবা অদু লৌথোকচরগা অমুক হন্না লাইরিক মচা অমা ওইনা পুথোকচবনি। অরান-অহুই, অশোয়-অঙাম খিবিক ঙাকপিনবা নোল্লুকচরি।

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ

মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত সিংহগী পুন্সি অমসুং থবক

[illegible] , তাওনে, খওনে মণিপুবগী অহানবা চীফ মিনিষ্টব কনানো; মণিপুবগী অহানবা মণিপুবগী চীফ মিনিষ্টব কনানো। তেঙ্গা নাংশিনবকই এফ এফ পিযার্সন, লোযননা মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত। যাওববনি মণিপুবগী ইতিহাসকী লামাযদা, ইববনি জেনেবেল ও লেঙদা। খৃষ্টগী কুম ১৯৪৭কা জুলাই ১দগী চহীদুগী (১৯৪৭কী) অগষ্ট ১৩ ফাওবদা এফ এফ পিযার্সননা চীফ মিনিষ্টব ওইবম্লবা তুংদা চহীদুগী অগষ্ট ১৪দগী ১৯৪৮গী ওক্টোবব ২ ফাওবা অমসুং ইং কুমজা ১৯৪৮দা মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা লাকখিবা তাং ১৮/১০/৪৮ ইংদগা ফঙ্কসন হৌবগা মথং চহী ইং ১৯৪৯গী ওক্টোবব ১৫ ফাওবা মপুন্সি লৈখিবা সবকাব অদুগী চীফ মিনিষ্টব ওইখিবা অহানবা মণিপুবী মচাদি মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত সিংহনি। অসুম্না নীংতম্লবা মণিপুবগী অহানবা চীফ মিনিষ্টবদি মহাবাজকুমাব প্রিযব্রতনি। মবম অদুনা লমদমসিগী তুংগী মীবোলনা নীংশিংদুনা লৈহৌবগনি মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত সিংহবু। মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত অশম্বীদা এম কে পি বি, কেপ্টেন পি বি হাযনসু খঙনবা, সনখ্যা সনাযাইমা হাযনা মীযাম্না ইকাযখুম্নবা, চীংমীনা শমখুব্রা পি বি হাযনা

কৌজবা মহাক্তি শক্লোন যাম্বা মীশক্লি; শিন শুই; লম কযাদা অচৌবা থৌদাং লৌখি; হীবম কযাদা লময়ানবা ওইখি; মশক মতৌ ফজে, বাশি গুণ চঙখোল্লি, কুচু শেঙই, সাহেব মচা মাল্লি; ব্রা ঙাঙবদা তপ্পা তপ্পা মচা তানা ঙাওঙি, মী ভাব তাহল্লি, মবক মবক্তস্য ফাগি জুগায তৌই; মশাদা ঈং-তপ্পগী মমি তাই, মোং হাদে; অচৌ মচা খাযদনা মীপৃম খুদিংমক্কা তিন্নবা যাই; অৱাংবা থাক্কী ফম কযা পাযবর্মী, দববাবগী মেম্বব ওইবম্বনি, আর্মী ওফিসাবনি, চীফ মিনিষ্টব ওইবম্বনি; সোসিযেল বার্কবনি, ফিল্ম মেকবনি, লাইযেকপনি, লাইশাবনি, উশূবনি; খ্বাইদগী চম্বা থবক তৌবগা লোযননা যাম্মা বাংলবা থাক্কী ফম পাযদুনা চাউবনা থৌদাং পাঙথোক্লুনা পুন্সি লেনাখবা মীশক্লি, চাউথোক খোংতোকপা লৈতবা যাম্মা চম্মা পুন্সি লেনবা নিংথৌমচাং, পন্সি চপ্পা মযম পানা খদবা, মচা লৈতবা অদুবু মীওই কযাবু মচামক্লি খর্নাখিবা মীনুংশি চাউবা শচানা মীবায [illegible]দবা মীশাক্ল, মবৈবাক্কী অপনবা শক্তম কাযতল্লাংদবা, মমা লৈবাক [illegible] শিং বা, [illegible] লৌজাল হৈবা মীশক্লি; মহাক মশামক অচৌবা স্কুল অর্মানি, [illegible] তমজাং [illegible] যাম্মা লৈখবা, লাইবিক লাই শুনিংথানা তৈববা, ইংবোং [illegible] চুম্মা [illegible] ভুম্না মীশক্ল অসিগুম্না গুণ কযানা লৈতেংলবা, অচৌবা [illegible] মীহেন্নবা অমগা পুন্সি বাবী যাম্মা তেম্না শম্মা মকক্লুনা [illegible] ওইথোক্ত। মহাক্কী পুন্সিগী মবমদা অচৌবা লাইবিক অম [illegible] খল্লি। অসিগুম্বা মীশক অমবু মণিপুব ইমানা মপানী অমা [illegible] খুন্থইদগী লাইবক ফর্বনি, চাউথোকচনীংঙাইনি। লম কয দা শিংথানীংঙাই ওইবনা মাথোই মীহেন্নবা অসিগুম্না মীশক অমগী পুন্সি বাবীদি তুংগী মীবোল কযানা নীংশি দুনা [illegible] তৈবর্দনি

পোকপাঃ

মমা লৈবাক অমদি গীযামগী সেবাদা হনবা নাইদনা অচৌবা থৌদাং লৌদনা থৌবম কযা পাঙথোকপগা লোযননা অচম্বা পুন্সি লেন্দুনা মতম শাংনা পুন্সিবম্বা চাংগী তম্মী অনীমক্লা যাম্মা নুংশির্জাখিবা মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত সিংহ খৃষ্টগী কুম ১৯১১ গী ফ্রেব্রুযারী ১৭ তা মণিপুবগী সনাকোনুংদা পোকই। মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত মণিপুবেশ্বব মহাবাজ সাব চুড়াচান্দ সিংহ কে সি এস আই; সি বি ই অমসুং বাণী চিংঙাখম চনু শ্যামাসাখী দেবী অনীগী অনীশুবা মচাইবুংঙোনি অদুগা মহাবাজ বোধচন্দ্র সিংহগী মনাওনুপা, ~~ছিজম~~

মহাবাজকুমাব প্রিযব্রতগী পুন্সি অমসুং থবক

মহাবাজকুমাব খেদাসনা সিংহগীনা ময়াম্বুংনি। শ্রীযুৎকী মচা ইবুংঙো য়াইমা ওইবা মবম্না মহাকপু খ্বাইনা সনখ্যা সনায়াইমা হায়না ইকায়খুম্নে। সনখ্যা অসি পোকপগী মতাংদা চৈথাবোল কুম্বাবদা অসুম্না ইবি— *অন্দ্রো চাওবেনগী কুম শক ১৮৩২... ফাইবেন থাদি লৈবাকপোকপনা হল্লে। ... ১৯নি ইবাইদা ইবেম্মা চিংঙাখম চনু মচা ইবুংঙো পোকএ। নোংমৈ ১২বক কাপএ* (চৈথাবোল কুম্বাবাঃ অনীশুবা খুৎনম লাঃ ৫৬০-৬২, লামায় ৫৬২গী ৩ শুবা ফুট নোৎ)।

মহৈ-মশিং তম্বগী মওংঃ

য়াম্না অঙাং ওইবিঙৈদগী হৌনা মহাবাজকুমাব প্রিয়ব্রত মণিপুবগী খ্বাংমদা লাইবিক তম্লকই। বাইপুবদা লৈবা "বাজকুমাব কলেজ"দগী হৌবক্লগা এলাহবাদ যুনিবর্সিটিদা গ্রেজুয়েট (১৯৩৬) লোইশিল্লি। অঙাং ওইবিঙৈদা মবক্তা অমুক বাইপুবদগী হল্লক্লগা মপাবুং ইবুংঙো সাব চুড়াচান্দ মহাবাজনা মহাকপু ময়াম্বুং বোধচন্দ্র সিংহগা লোযননা ইংলেণ্ডদা লাইবিক তম্নবা থায, খৃঃ ১৯২০ দনি, মতম অদুদা মশাগী চহী মাপললোমদমক ঙার্যবি। ইংলেণ্ডগী বর্নিমথতা লৈবা মাউন্ট প্লিজেন্ট স্কুলদা তম্লকই। মতম শাংনা মফম অদুদা মহৈ মশিং তমর্থখিদ্রে। থা তককলোম লৈবম্লগা মখা তমথদনা হল্লকখি। ইংলেণ্ডদগী হল্লক্লবা তুংদা বাজকুমাব কলেজদা মখা তানা তমথৈ। এলাহবাদকী ইর্বিং খৃষ্টান কলেজ অমসুং য়ুনিবর্সিটিদা মেদিযেবেল হিস্তৰী অমসুং পোলিটিক্সতা ষ্টদি তৌখিবনি।

বাজকুমাব কলেজ, বাইপুবদা লাইবিক তম্লিঙৈদা সাব জে জে স্কুল ওফ আর্ট, বোম্বে (মুম্বাই) দগী লাকপা লাইযেকপগী ওজা গোপাল গোবিন্দ কানেতকবনা পি বিবু লাইযেকপগী আর্টিষ্ট অমা ওইননবা লম্বী শেম্বা হৌখি। তৌবমকতি সনখ্যা অঙাং ওইবিঙৈদগী হৌনা মাগী ঈ-তোংদা লাই য়েকপগী মমি তাখিবনি। সনা কোনুংগী কাবিগব লোইশঙদা মমিংচৎপা লাইযেকপা, লাইশাবা, খুৎহৈবা শ্রীনিংথৌজম ভদ্র সিংহদগী পি বিনা লমসিদা অপাম্বা ফংগ্রবনি। নোংমাইজিং খুদিংগী ওজা কানেতকবগী কার্তবদা দ্রোইংগী পাবা অকনবা পামজবগা লোযননা লৌবা হৌবকখি। তুংগী পুস্নিদা পি বি লাইয়েকপা, খুৎহৈবা মীশক অমা ওইবকখি।

ফম্নাইবা ওইবকপা অমসুং লৈবাক্কী ব্রায়েল থৌদা পুবাঃ

এলাহবাদ য়ুনিবর্সিটিদা গ্রেজুয়েট লোইবগা খৃষ্টগী কুম ১৯৩৬ তা মহাবাজকুমাব প্রিয়ব্রত মণিপুবদা থোবকই অদুগা হাযবিবা চহী (১৯৩৬) অদুদগী ১৯৪১ ফাওবা "মণিপুব ষ্টেট দববাব"গী মেম্বব ওইদুনা পুলিস, এদুকেসন, পি দব্লিযু দি অমসুং আর্ট এন্দ ক্রাফ্‌টকী বিভাগশিং পাযদুনা লৈবাক্কী লৈবাক ঙাক্নোন অমসুং ব্রাযেল থৌদা পুবদা শরুক য়াখি। দববাব মেম্বব ওইবিঙৈদা দিসেম্বব ১২, ১৯৩৯ ইংগী অনীশুবা নুপীলান থোকখি। লোইলম শাসনগী চৈনা খাঙখিবা মীযামগী মবক্তা মহাকসু অর্মনি। লোইলমগী শাসন মখাদা লৈরুবনা উনা উনা কবি তৌকনি, খা চীকতুনা খাঙখিবনি। মতম অদুগী দববাব মেম্ববশিংদি— (১) টি এ শার্প (বৃটিসাব) প্রসিদেন্ট, (২) বাজকুমাব ভাস্কব সিংহ, (৩) লাইবেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ, (৪) সৌগাইজম সমবেন্দ্র সিংহ, (৫) সঞ্জেনবম নদিযাচান্দ সিংহ অমসুং (৬) মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত সিংহনি অদুগা পোলিটিকেল এজেন্ট, মণিপুবনা মি সি জিমসননি। নুপীলান নুমিৎ তাং ১২/১২/১৯৩৯ ইংদা মহাবাজ চুড়াচান্দ সিংহ নবদ্বীপতা লৈখি। মহাবাজ লৈত্রিঙৈদা লাইবকথীবা থৌদোকসি থোকখি। পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা এম কে প্রিযব্রত খৃঃ ১৯৪২ দা বৃটিশ গবর্নমেন্টকী মতেং পাংবা ওইনা অমসুং ভোলন্টবী সার্বিস ওইনা দববাব মেম্ববগী ফম থাদোক্লগা আর্মীদা চঙদুনা অসাম বেজিমেন্টতা যাওদুনা বৃটিশ আর্মিগী কেপ্টেন অমা ওইনা লান্দা শরুক যাখি। মদুদগী মহাকপু কেপ্টেন পি বি হায়না খঙনখি। ১৯০৭ ইংদগী হৌনা লৈবকখিবা মণিপুব ষ্টেট দববাববু ১৯৪৭কী জুলাই ১দগী "মণিপুব ষ্টেট কাউন্সিল" হাযনা ওন্দুনা হান্নগী দববাব প্রসিদেন্টপু "চীফ মিনিষ্টব" হাযদুনা মেজব এফ এফ পিযার্সননা মণিপুবগী অহানবা চীফ মিনিষ্টব ওইনা লৈখিবা মিনিষ্ট্রি অদুদা কেপ্টেন এম কে পি বি মিনিষ্টব অমা ওইনা লৈঙাকপা যাওখি। হান্নগী দববাব মেম্ববশিং মিনিষ্টব ওইবকখি। মিনিষ্ট্রি অদুদা য়াওবা অতৈ মিনিষ্টবশিংদি সৌগাইজম সমবেন্দ্র সিংহ, লাইবেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ, এস নদিযাচান্দ সিংহ, আবকে ভাস্কব সিংহ, দব্লিযু চাউবা অমসুং মু ব্রালিউল্লাহনি।

নীংতম্বা ফংলবদা মণিপুরগী অহানবা চীফ মিনিষ্টরঃ

মতম খবা লৈঙাক-শাসন চথবক্লবা তুংদা ভাবতনা মনীংতম্বা নুমিৎকী অহিং

নোংয়াইদদি পিয়ার্সনগী মিনিষ্ট্রি অদু থূপচিনখি অদুগা নুমিৎ অদুদা মণিপুরদা লৈঙাকলোনগী পন্দুপ অমা হৌই। মণিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা তাং ১৩/৮/৪৭ ইংদা হুকুম অমা থোক্কুনা পোপুলার ইন্টরিম গবর্নমেন্ট অমা লৈননবা এম কে প্রিয়ব্রতবু চীফ মিনিষ্টর হাপ্পুনা মিনিষ্ট্রি অমা লৈহল্লি। মথংগী নুমিৎ তাং ১৪/৮/৪৭ ইংদগী হায়রিবা মণিপুর ষ্টেট ইন্টরিম কাউন্সিলগী মিনিষ্ট্রি অসি চৎনবা হৌই। কাউন্সিল অসিগী মপুন্সিদি মতম খরগী মমাঙদা শেমখিবা কন্সটিট্যুসন মেকিং কমিটিনা শেম্বা ড্রাফট কন্সটিট্যুসন অদু চৎনদ্রিঙৈ ফাওবগীনি। বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্কুনা চৎখ্রবা মতুং মণিপুরনা অমুক হন্না নীংতমহৌরবা মতম মণিপুর ইতিহাসকী লুরবা তানফম অমা ওইখিবা “ইন্টরিম পেরিয়দ”কী মতম - অগষ্ট ১৪, ১৯৪৭ ইংদগী ওক্টোবর ৭, ১৯৪৮ ফাওবগী মনুংদা লৈখিবা মিনিষ্ট্রি অদুদা কেপ্টেন পি বি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। অসুম্না নীংতম্লবা মণিপুরগী অহানবা চীফ মিনিষ্টরদি কেপ্টেন পি বিনি। মাগী মিনিষ্ট্রিদা য়াওখিবা অতৈ মিনিষ্টরশিংদি এস কৃষ্ণমোহন সিংহ (ফাইনান্স), আর কে ভুবনসনা সিংহ (রেভিন্যু), মু বাসিরুদ্দিন অহম্মদ (মেদিকেল, পি দব্লিয়ু দি, জেল), কে গৌরো সিংহ (এদুকেসন, লোকেল সেলফ গর্বনমেন্ট), মি তিয়ানখম (ফোরেষ্ট এন্দ এগ্রিকলচর) অমসুং মেজর খতিং (হিলস এদমিনিষ্ট্রেসন এন্দ মণিপুর রাইফলস)নি।

মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট১৯৪৭ঃ

মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ কী মতুংইন্না মণিপুরগী মহারাজনা চীফ মিনিষ্টর নোমিনেট তৌগদবনি। এক্ট অসিগী মতুংইন্না মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত সিংহবু মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা নোমিনেট তৌবনি। বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্কুনা চৎপা তারকপগা লোয়ননা মীয়াম্না তাল্লকপা দায়িত্বশীল শাসন মণিপুরদা লৈতবা য়ারকত্রে। মণিপুর দরবারগী প্রসিদেন্ট মি পিয়ার্সননা মণিপুরগী কন্সটিট্যুসন অমা শেম্নবা থৌরাং তৌখি অমসুং কন্সটিট্যুসন মেকিং বোদী অমা শেমখি। সংবিধান অসি দিফেক্ট লৈ দিমোক্রেটিক ওইদে। মসিদা মীয়ামগী মত পীবা য়াদে মীওই খরতবু য়াহল্লি। মেম্বর ৫৩না বিধান সভা শাগনি অদুবু মখোয়না চীফ মিনিষ্টর খনবদি য়াদে, মহারাজনা নোমিনেট তৌগদবনি। কেবিনেটনা য়ারবা ব্বারেপ মহারাজনা সহী তৌদবা ঙম্মী। মসিবু পেন্দবা ফোংদোকপা ওইনা হিজম ইরাবত অমদি মাগী মীশিংনা বোয়কোট তৌখি। অদুম ওইনমক মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট

১৯৪৭ শেমখি। বৃটিশ শাসন লোইবদুনা ভাবততা অনৌবা সংবিধান শেমদুনা লৈঙাক পথাপ চৎননবা হোৎনবিঙে তাঙ্গাদা মণিপুবদসু আইন সভা লিংনবা কন্সটিট্যুসন মেকিং কমিটি শেমদুনা মীখল তৌনবা শেমশাখিবনি। নীর্ংশিংবা যাবদি সীত ৫৩গী মনুংদা জেনেবেলগী মশীংনা ৩০, চীংগীনা ১৮, মুস্লিম বিজার্ব তৌবনা ৩ অদুগা সীত অনীনা প্রোফেস্নেল গ্রুপকীনি।

এসেমব্লি ইলেক্সন ১৯৪৮ঃ

মণিপুব ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭কী মখাদা খৃঃ ১৯৪৮দা মণিপুবদা ইলেক্সন তৌখি। কাবকপা দল দলগী পোজিসন্দি কংগ্রেস ১৩, কৃষক সভা ৫, সোসিয়েলিষ্ট পার্টি ৩, হিল (ইন্দিপেন্দেন্টস) ১৮, প্রজা শান্তি ১২ অসিনি অদুগা নোমিনীনা এম কে প্রিযব্রত সিংহনি। পার্টি অমত্তনা মপূং ফাবা মেজোবিটি ওইদ্রবদা মীখন্দা কাবকপা মেম্বব খবা পৃন্সিল্লগা ক্কালিয়েসন শেম্মী। অসামগী গবর্নবনা মহাবাজদা তৌবকপা টেলিগ্রাম অমনা এম কে প্রিযব্রতবু চীফ মিনিষ্টব ওইনা অদুগা আব খতিংবুনা চীংগী মিনিষ্টব ওইহংবা সজেসন তৌবকখি। পণ্ডিত লোযশঙগী মতুংইন্না লেপ্লা নুমিৎ তাং ১৮/১০/৪৮ ইং নুমিৎসিদা মহাবাজনা এসেমব্লি মীফম কৌই। দববাব হোলদা মণিপুবগী অহানবা লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীফম নুমিৎসিদা ফম্মী। মণিপুব ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭কী মতুংইন্না, অসামগী গবর্নবগী সজেসন অমসুং অতৈ মবম খবনা মহাবাজনা এম কে প্রিযব্রতবু চীফ মিনিষ্টব হাপখি। হন্দক্কী মিনিষ্ট্রি অসিদা য়াওখিবা অতৈ মিনিষ্টবশিংদি অবাম্বম ইবোতোমচা সিংহ, ডা এন লৈবেন সিংহ, মেজব আব খতিং, অযেকপম গৌববিধু সিংহ, মি তেব কিলোং অমসুং মু অলিমুদ্দিননি অদুগা স্পিকবনা মি তিয়ানখাম্ল। লাইবক থীবদি মীয়ামগী মীহুৎশিংগী অয়াবা য়াওদনা ১৯৪৯ ইংগী সেপ্টেম্বব ২১দা মহাবাজ বোধচন্দ্র সিংহবু শিলোংদা মণিপুবনা ভাবততা তিনবগী যান-ব্রাবোল চেদা নমদুনা শোই তৌহনখি। অদুগা চহীদুগী ওক্টোবব ১৫দা মণিপুব ভাবত্তা তিনখি। অদুগী নুমিৎতা কেপ্টেন পিবিগী মিনিষ্ট্রিগী পুন্সিসু লোইশিনখি। অসুম্না তেল্লবা অমসুং ইতিহাসকী য়াম্না লুববা তাংকক অসিদা সনখ্যা পি বি চীফ মিনিষ্টব ওইবম্বনি। মখা তাবকপদদি মহাক বাজনীতিগী পুন্সিদা মায় ওনশিনবগী মহুৎতা সোসিয়েল একটিভিষ্ট অমা ওইনা মীয়ামগী থবক তৌখি। লোয়ননা মণিপুবগী গবর্নবগী এদভাইজব ওইবগী থবকসু তৌবীবম্মী।

ইবাবত অমসুং এম কে প্রিয়ব্রতঃ

মীযাম্মা ওসি জননেতা হাযদুনা ইকায খুম্নবিবা অমসুং মাগী মপোক নুমিৎ সেপ্টেম্বব ৩০ অসিবু ইবাবত দে হাযনা সবকাবনসু ষ্টেট ফঙ্কসন ওইনা পাঙথোক্লিবা অদুগা নুমিৎ অসিবুসু ষ্টেট হোলিদে ওইনা লাউথোকখ্রবা শ্রী হিজম ইবাবত সিংহ মবৈবাক, মজাতি অমদি মীযামগী সেবাদা হনবা নাইদনা পুঙ্গিগী অবোইবা মিকুপ ফাওবা পোথাবা লৈতনা মাযোক যাখিবনি। অসুম্না সনখ্যা এম কে পি বিসু মবৈবাক মজাতি অমদি মীযামগী সেবাদ হনবা নাইদনা হোৎনখিবা মীশকনি। অদুগীসু মথক্তা শ্রীইবাবত সিংহ সনখ্যা পি বিগী মবাই ইবুং[illegible]নি। মহাক্কী (ইবাবতকী) থোইদোক হেন্দোকপা গুণ অমসুং মহাক্না পা[illegible]থোকখিবা থবক কযা যেংদুনা মহাবাজ চুডাচান্দ সিংহনা মযাম্নুং শ্রীচন্দ্রহাসকী [illegible]ম্মা [illegible] হোম্দোন সভাব ইবাবতপা থাজবনি। অসিগুম্বা মীশক অসিবু [illegible] প্রিয়ব্রতগী ইন্টাবিম সবকাবনা বাবেস্ট ইস তৌখি। ইবাবত ফোংনা [illegible] মাব [illegible] হোৎনবা যাব [illegible] মাবু ফাবা গুম্না মীদা মনা লুপা [illegible]থোকখি। হনাক [illegible] মাগা লোযননা কর্মী অযাম্ব [illegible] এম কে পি বিগা সবকাবনা ইবাবতপু ফানব [illegible] অমসুং লৈমাক [illegible]ক্রোন্দা যাম্না লুববা মতাংগি। [illegible] পাউখুম "এগ [illegible] থবদা [illegible] বাকনবগী মগুন [illegible] ওইনমব [illegible]দবা যাদবা, [illegible] অমগী মথাদা এহাক্না চীফ মিনিষ্টব [illegible] ফানবা হুকুম থোকহনখিবনি। (মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত অমসুং [illegible] খবাং অহৈবা [illegible] শর্মা, [illegible] ১৯/১২/২০০১ ইং)

[illegible] ১৯৪৮ [illegible] মাণপুবগী বাজনীতিগী ফীবম যাম্না লুশিল্লকাখি। সর্দাব পটেলগী ভাবতকী নেংটৌ পানবা লৈবাকশিং ভাবততা পনশিনবগী [illegible] যাম্না কনখি। মণিপুব, কাছাব, লুসাই হীং অমসুং ত্রিপুবা যাওগদবা প্রদেশ অমা (পূর্বাঞ্চল প্রদেশ) শেম্নবা হোৎনবকপদা ইবাবতনা অঙকপা ফংনা মাযোক্লবকপদগী অচৌবা ঈবাং থোবকখি। চীংগী লমদসু ঈবাং কনহংলকাখি। মি ২ দাইহোনা লুচংদুনা চীংমীগী আন্দোলন চঙলকখি। মাবু ফাদুনা কলিকাতাগী জেলদা থমখি। ইবাবতনা মাগী লুপশিংগা লোযননা মীযামদা মোবিলাইজ তৌখি। মসিদা ইবাবতপু অমুক্তা হেন্না কিনবকখি। মণিপুবদা অশান্তি

থোক্লবগী অমদি চীংগী ঈবাংগী মর্কদি ইবাবতনি হায়দুনা মাগী লূপশিংনা পার্মিসন য়াওদনা মীতিং তৌবা শোভাযাত্রা চৎপা অমত্তা য়াবোই হায়না সবকাবনা থিংজিনখি। খৃ ১৯৪৮গী সেপ্টেম্বব ২১দা পূর্ব্বালচল শেম্বগী মায়োক্তা প্রতিবাদ সভা অমা এম ডিয়ুহোলদা প্রজা সঙ্ঘ অমসুং কৃষক সভানা কৌখি। মণিপুবগী মাযকৈ খূদিংদগী মীতিং য়াওবা হাইগৎনবকখি। পূংদোংবম মায়কৈদগী মীয়াম হৌদুনা পূর্ব্বালচল শেম্বগী মাযোক্তা স্লোগান দাবী কয়া লাউবদুনা শোভাযাত্রা ওইনা লাকখি। খূৎলায পাযবা সিফাইগা লোযননা পুলিস ফোর্স অমনা পূংদোংবমদা মীযামগা থেংনখি। হিংসাগী থবক থোকখি। ঙসি হায়নবিবা পূংদোংবমগী ঘটনা অসি থোকখি। এম ডি যুদা পাঙথোক্কদবা সভা পাঙথোকখিদে। মতাঙ অসিদনি ইবাবতপু ফানবা ব্রাবেন্ট ইসু তৌবকখিবদু। মসিদগীনি ইবাবত অন্দবগ্রাউন্দ চঙখিবা। যাম্না লুববা ইতিহাসকী তাংকক্সি, লুববা বাজনীতিগী তাঙ্কক্সি। ইবাবত ফানবা ব্রাবেন্ট ইসু তৌদবা যাদবনি, ইবাবত অন্দবগ্রাউণ্ড চঙদবা যাদবানি, তঙাই ফদবা ডাঙন। ফীবমনা মবম ওইদুনা পামদবা থৌদোক থোকখিবনি নীংশিংবা যাবা বাফম অ... লে এন্দ ওদর্ব কাযহন্দনা থম্না হাযবসি সবকাবগাদি অহানবা মথৌ...

মোইবাংগী থাংজিং অন্দোলন লোইশিনবদাঃ

অচৌ অচৌবা থৌদোক বাখোক কযা লোইশিংব ... ইশিংবা হেৎনবদসি মহাবাজকুমাব প্রিযব্রতনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কযা লৈখি। মখোযগা মনুংদা লোইব..দ থোকখিবা থাংজিং আন্দোলন লোইশিন্নবা পাঙথোকখিবা থৌবমদা সংখ্যা পি 'ব লৌখিবা থৌদাং নীংশিংবা যাই। মণিপুবেশ্বব মহাবাজ সাব চুডাচান্দ সিংহনা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা মচা ইবুংঙো বোধচন্দ্র সিংহনা মণিপুবগী নিংথৌ ওইবা মতমদা মোইবাংদা থাংজিং আন্দোলন হাযনা খঙনবা থৌদোক অমা থোকখি। মতম অমদদি মোইবা গা ইবুধৌ থাংজিং হবাওবগী থবক অমসুং অশীন অবাঙ অসি মোইবাং নিংথৌশিংগী খুৎতা লেবম্বনি। মোইবাংনা মসিগী নীংতম্বা মাঙখিবা অমসুং অপূনবা মণিপুব অমা লৈবকপগা লোযননা মোইবাংনিংথৌ অমসুং অতৈ ফম্নাইবশিং হাপ্পগী থবকসি মৈতৈ নিংথৌগা খুৎতা লৈখি অদুগা মোইবাং থাংজিং হবাওবগী থবকসু মণিপুব মহাবাজগী খুৎতা তাবকখি, ফম্নাইবশিংনা শীনখি। অসুম্না মোইবাংদা ইবুধৌ থাংজিং লাই অসি নিংথৌগী লাইনি হাযদুনা মহাবাজনা চূম-শো পায়বম্মী অমসুং লাইদা কৎলকপা শেলথুমসু মহাবাজগী ওইবম্মী।

মহারাজকুমার প্রিয়ব্রতগী পুন্সি অমসুং থবক

লাই হবাওবগী থবকসি মহারাজগী ফম্লাইবশিংনা শীল্লাওখি। মসিগী মায়োক্তা খৃষ্টগী কুম ১৯৫০ গী মে থাদা থাংজিং লাইকোন্নুংদা শ্রীমাইবেম্বম কোইবেং সিংহগী লুচিং মখাদা মোইবাংগী প্রজাশিংনা "মহারাজগী ফম্লাইবশিংনা লাই হবাওবা য়াবোই প্রজাগী লাইনি প্রজানা শীন্দুনা হবাওগনি" হায়বা সত্যাগ্রহ আন্দোলন অমা তৌখি। অদুগা লাই হবাওবগী থবক পাওথোকখি। চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না ইবি "থিয়াম অঙাংজাওনা চৈথাবা কুম শক ১৮৭২... কালেন্থা... ১৩নি নোংমাইজিংদা মোইবাং খুন্না থাংজিং হবাওবা হৌএ। ২০নি থাঙজদা আসাম রাইফল চত্তুনা থুগাইএ" (চৈথারোল কুম্বাবা: অনীশুবা খৃৎনম: লমায ৬৫৭ ৫৮)। মতম অদুগী চীফ কমিস্নার শ্রীহিমৎ সিংহনা হুকুম তৌদুনা এস পি, এল গোপাল সিংহ অমসুং মাবু মত্তেং পাংবা এস আই, এল যদুমনি সিংহগী মখাদা রাইফলমেন্স কন্টিজেন্ট অমগা পুলিস ফোর্স অমগা মোইবাংদা থাবকখি। থাংজিং লাইকোল মনাং অমসুং অকোয়বদা সেক্সন ১৪৪ সিআর পি সি জারীখি, থাংজিং হবাওবা থিংখি। আন্দোলন তৌরিবশিংবু ফ ফদনা, লাক লাক্লনা থাংজিং লাইকোন্নুংদগী ইন্থোকখি, তানথোকখি। আন্দোলনগী মহা রোনা থবক চথুবা ওইনা মোইবাংগী চহিম্না ফম্লাইবশিংবু বোয়কোট্টু তৌখি। সেসন কোর্টতা শ্রী ওইনাম চাউবা মাজিস্ট্রেটনা লাক তৌরবদা আন্দোলনকারিবশিংদু বোংফুল এসেম্ব্লিনি হায়না মীওই ১১ লুপা ৫/৫ কাইনা তৌখি হায়না অদু কনা অমত্তনা থীদ্রবদা মাজিস্ট্রেট মশামক্লা লুপা ৫ ২ থীদুনা কেস অদু লোইশিনখি।

উপায় লেপ্রবদা খৃষ্টগী কুম ১৯৫২ দা শ্রীযুৎ বোধচন্দ্র মহারাজগী মথক্তা কেস তৌবা লেপ্লখি। মতম শাংনা (চহী অহুম হেল্লা) কেস চৎখি। মহারাজগী মথক্তা কেস তৌবা অরাযবা নত্তে, ভারতকী রাষ্ট্রপতিগী অযাবা চংই। মতম অদুগী লোক সভাগী এম পি (ইনর মণিপুরগী) শ্রী লাইশ্রম গুণেশ্বর সিংহনা হোৎনরীবদগী রাষ্ট্রপতিগী পার্মিসন ফংখি। মহারাজনা কোর্ট কাবগী মতাঙদা শ্রী এল ইবোমচা সিংহ, এক্স ডিপুটি স্পিকর, মণিপুরগা ইবা মাগী রাবেং "মোইবাংগী সমাজ অমসুং রাজনীতিগী থবক্তা কোইবেং" হায়বদুগী থাংজিং অন্দোলন হায়বা মতাঙদা অসুম্না ইবিঃ- "শ্রী মাইবেম্বম কোইবেং সিংহ, শ্রী লাইশংবম ইবোমচা সিংহ অনীনা বাদী ওইদুনা মতম অদুগী জুদিসিয়েল কমিস্নার শ্রী ব্রজনারায়নগী কোর্টতা মহারাজগী মথক্তা মোইবাং থাংজিং লাই মোইবাংগী ইপা-ইপু পোকপা লাইনি, নিংথৌগী লাই নত্তে হায়বা দাবীগা লোয়ননা কেস থাঙ্কৎলে। ঐখোয়গী

উকিলদি শ্রীবাজকুমাব ঝলজিৎ অমসুং বিশ্বাসনি, মহাবাজগী উকিলনা চক্রবর্ত্তিনি। কেস হৌববা মতুংদা নোংমা ঐখোয়গী উকিলনা জর্জ্জদা ব্রাকৎখি মদুদি বাদীদি কেস থোকপা খুদিংদা কোর্ট কায় অদুগা বিবাদী ওইবিবা মহাবাজদি কাদে অদুনা কোর্ট কাহনবীয়ু হায়ববদা মহাবাজগী উকিল চক্রবর্ত্তিনা যেৎলে কোর্ট কাবসি মহাবাজগী ইজ্জৎ সনমান মাঙবনি কাবা য়াবোই। মণিপুবগী আইন্দা নিংথৌ অমসুং নিংথৌমচা লৈমা শীজ ফাওবা কোর্ট কানদে, চোপনৈ হায়না যেৎলকপদগী জুদিসিয়েল কমিস্নাবনা মণিপুব ভাবত্তা তিল্লে অদুনা ভাবতকী আইন চৎকদবনি। মহাবাজ কোর্ট কাবদা মশাগী ইজ্জৎ সনমান মাঙবা লৈতে, ফমফম ফজনা পীগনি, সনমান ফজনা তৌগনি, প্রাইম মিনিষ্টব ফাওবা কোর্ট কাবা যাই অদুনা মথংগী কেস তাবিখ নুমিৎতা বিবাদী ওইবিবা মহাবাজ কোর্ট কাগদবনি হায়না হুকুম পীবে।"

মহাবাজনা কোর্ট কাবগী মতাঙ লাকপসিদা সনাকোনুংদা যাম্না চবাংনবা অমা থোকখি মতাঙ অসিদা মহাবাজকুমাব প্রিযব্রতনা লৌখিবা থৌদাং শাংহানবা যাই মহাবাজগী প্রেষ্টিজ, ষ্টেটস্ অমসুং দিগ্নিতি শোক্তনবা কমপ্রোমাইজ ফোর্মলা অমা হৌদোকপা তাখ খৃষ্টগী কুম ১৯৫৬কী মে ১৭ তা মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত সিংহনা চহাদগী লাই হবাওবাবং থবক তৌনবা অমসুং থাংজিং সেবা মণ্ডল শেমুবগী এড হোক/ইন্টাবম কমিটি অমা (১) শ্রীহেমাম শাজৌ সিংহ (খাদ্রাকপা) প্রাসিদেন্ট, (২) শ্রী এস লৈমজাওবা সিংহ (সেনাপতি), (৩) শ্রী বি এস গুহা কনভেনব, (৪) শ্রী এল লালো সিংহ মেম্বব (৫) শ্রী ঐচ নীলমনি সিংহ মেম্বব, (৬) শ্রী এল ইবোমচা সিংহ মেম্বব, যাওবা শেম্নবা অইবা চেবেল অমা ইদুনা ঈ পাউ ফাওদোক্লখি। মোইবাং প্রজাগা যানবা অমসুং চান্নবা কৈ হাযবাসগী বাখল্লোন্দা মহাক (এম কে, পি বি) মোইবাংদা চৎতুনা শ্রীকোইবে সিংহ, শ্রী এল ইবোমচা সিংহ অমদি অতৈ মোইবাংগী মীযামগা থাংজিং লাইকোন্দা উনখি। যানবা অমা পুনক্লুনা থাংজিং সেবা মণ্ডল কৌবা সংস্থান শেমখিবনি। অদুগা সেবা মণ্ডলনা মসিগী সম্বিধান অমা শেম্না অদুগা সংস্থান অসিদা মেম্বব ওইনা যাওগদবশিংনা লৈকায ২১গী মীহুৎ, মহাবাজগী নোমিনী ২, মাইবগী মীহুৎ, ফম্নাইবগী মীহুৎ যাওবা যানখি। মখা তাবা ওইনা জুলাই ২, ১৯৫৬ ইংদা সেবা মণ্ডলগী মীখল অদুনা জুলাই ২২, ১৯৫৬ তনা প্রতিনিধিগী মীখল তৌখি। শ্রী ঐচ নীলমনি সিংহনা সেবা মণ্ডলগী সেক্রেটবি ওইখি। অসুম্না থাংজিং সেবা মণ্ডল শেমদুনা অমসুং মখা তাবা ওইনা মতুংদা শোজৈ ৫গী

শো চবুন অমা সেবা মণ্ডলদা শিন্নদুনা থাংজিং আন্দোলনগী অধ্যায় লোইশিনখি। সনখ্যা, পি বিনা অসুম্বা হৈশিংনা থোকখিবা ব্রাথোক অদু তাইশিন্নবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

নীংশিংবা যাবা অমনা থাংজিং অন্দোলনগী মতাঙদা চৈথাবোল কুম্বাবদা থৌদোকসিগা মবী লৈননা অসুম্বা ইবিঃ *"ওইনাম অমুজাওনা চৈথাবা কুম শক ১৮৭৬... থব্রান থাদি ইবাইনা হল্লে... ২৭নি যুমশকৈশা... নুমিৎতা মবুধৌ মোইবাং থাংজিংবু মোইবাংদা লৈবা লাইশংবম ইবোমচাসিংনে, মাইবেম্বম কোইবেং সিংহনে, অসিনচিংবা কঙ্গ্রেসনা মখোয মোইবাংগী লাইনি, শ্রীযুৎ মহাবাজগী লাই নত্তে হাযনা মণিপুব ষ্টেট গবর্নমেন্টতা দবখাস্ত থাদুনা তৌনবদা মখোয মশানা লাল্লে তোকচবগে হাযনা তোকখ্রে। শ্রীযুৎ মহাবাজগী লাই ওইগ্রে"* (চৈথাবোল কুম্বাবাঃ অনীশুবা খৃৎনম লাঃ ৬৭৪-৬৭৭)।

মশানা পাঙথোক্লগা তাকপী-তম্বীবাঃ

অচৌ অশাং, অষ্টম অথৌ ফম্নাইবা কযাগা সনখ্যাগা খেন্নবা কযা লৈবগী মনুংদা তৌহন্নাংলবা পাঙথোকহন্নাংলবা অদু চান্না ব্রাহৈনা ঙাঙদুনা থৌদাবগী মহুৎতা থবক অদু মশানা পাঙথোক্নুনা যেংহল্লগা উহল্লগা তাকপিবা অসিসু অর্মনি। চাউববনি হাযদুনা অচৌ অশাং কযামকমদি মখা থার্বাশিংদা ব্রাহৈগী যাথং পীদুনা পাঙথোকহল্লি। সনখ্যাদি মশানা পাঙথোক্লগা অহেবু যেংহল্লগা উহল্লগা তাকপী তম্বী। মহাক্না চীফ মিনিষ্টব ওইবিবৈঙদা ফাওবদা অযুক ঙন্না তু উবকপদা হৌগৎতুনা মশামক্না যোৎপাক পাযবগা লৈবাক তৌই। মদু উবদা যাহৌথেওবা মচা মনাইশিং অঙকপা পোকই, ইকাযবা ফাওই। ইকাযদুনা মখোযসু লৈবাক তৌবা যাওই। সনখ্যানা লৈবাক তৌবিবা চীফ মিনিষ্টবগী কা বঙ্গলাগা মখাগী লম্পাক মচা অদুদা অসুম্বা ইংখোল কোই। মতম মতমগী ওইবা ইনশাং নাপা থাই। থাগ্রবা মতুং নুমিৎ হুর্মান মর্বানিদি পাম্বীশিং অদু সনাখ্যা মশামক্না ঈশিং চাইদুনা পাম্বীশিং অদু হিংননবা তৌননবা চাউননবা হোৎনৈ। মচা মনাইশিংগা থবক তৌমীন্নৈ। মতুং তাবকপদদি মনাইশং অদুনা মখা তানা ফননবা হোৎনহৌই। সনখ্যাগী পুন্সিদি থবকনি। "থবক্তা চিলহাও থিবা যাদে। মাঙদা তাবিবা অদু পাযগদবনি অফং অফংবা শূ নোমগদবনি। থবক শূ-নোম্বনা ঈশ্বব ফংনবা লম্বীনি। অদুগা হিংননবগী পাম্বৈসু ওই হাযবসি খঙহল্লম্বনি। মসি শিন্দম মখল অমনি সনখ্যানা পীবম্না" হাযনা শক্লাইববী অইবী খাইদেম প্রমোদিনীনা পনবীবা ব্রাফম খেৎফম লৈত্রবা অচুম্বনি।

দি এম কজেল লিংখৎপদাঃ

অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম শঙ ওইবিবা মণিপুরগী অহানবা কলেজ, দি এম কলেজ লিংখৎপদসু এম কে প্রিয়ব্রতনা অচৌবা থৌদাং লৌবিখি। গুণ কযানা লৈতেংলবা সনখ্যানা লমদম অসিগী ফননবা চাওখৎনবা তৌবীবম্বদি ওম্ব্রোক্লা যামগ্রে। মখোযদুগী মনুংদা দি এম কলেজ লিংখৎপা অসিসু অমনি। খৃষ্ট কুম ১৯৩২ দা মণিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রসিদেন্টনা অদুমক প্রসিদেন্ট ওইনা অদুগা শ্রীঐচ দীজমনি দেব শর্ম্মানা মেম্বর সেক্রেটরী ওইদুনা মণিপুরদা ইহান-হানবা কলেজ অমা লিংখৎনবা ইহান হানবা ফাউন্দেসন গোবর্নিং শেমখিবা নীংশিংবা যাই। খৃষ্টগী কুম ১৯৩৬ তা মহারাজকুমার পি বি, এলাহবাদ যুনিবর্সিটিদগী মণিপুরদা থোরক্কুনা দরবার মেম্বর ওইরকপগা লোযননা মহাকপুসু নৌনা লিংহৎকদৌবিবা কলেজ অসিগী গোবর্নিং বোর্দীগী দা কো ওগ তৌপ ৃঙ্কব কযাদ গোবর্নিং বোর্দীনা কলেজ লিংখৎনবা থৌবাংদা অৱাবা কযা থেংনবা তাখি। শেল থুমগা অবাবা অদুদি মহারাণী ধনমঞ্জুরীনা মতমদুগীদি যাম্না চাউববা শেলফম লুপা ১০,০০০ মতম চানা দান তৌবীবকপদগী কোকখি। অসিগুম্বা চাউববা শেনফম অমা দান তৌবীবকপা অসিগী তৌবীমন খঙবা উৎপা ওইনা ধনমঞ্জুরী কলেজ হাযনা মহারাণীগী মিংদা থোনন যানখি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও কনাখৎলকপগা লোযননা খৃষ্টগী কম ১৯৪২গী মে ১০দা ইম্ফালদা জপান্না বোম থাদখি। লানগী অৱা চৈথেং ইম্ফাল যৌশিল্লকপগা লোযননা প্রজা মীযাম কযা খা ৱাং খঙদনা চেন্নখি। অসিগুম্বা লাল্লক অসিদা কলেজগা মর্ব লৈনবা গোর্বার্নিং বোর্দীগী চে চাং কযা মাঙখি হাযবগী ৱাফমসু লৈ। লান মতম অসিদা সনখ্যা পি বিসু দরবারগী মেম্বর ফম থাদোক্কুনা আর্মীদা চঙদুনা লান্দা শকক যাখি। লান লোইববা মতুংদা লৈবাক্তা শান্তি হঞ্জিল্লক্লবদা কলেজ লিংখৎনবগী ইচৌ অমুক কনখৎলকখি। মতম অদুগী পোলিতিকেল এজেন্ট সি জিমসন্দা গোবর্নিং বোর্দীনা কলেজ শানবা লমগী মতাঙদা তক্লবা অমসুং ভাব তাহনবা ওঙায ফদবা ওইখি। ক্রিকেৎ তা থৱায় যাওজবা মিষ্টর জিমসনবু সনাখ্যানা ফজনা কনভিন্স তৌহন্দুনা কলেজ বিল্ডিং শারদা নত্তনা ক্রিকেৎকী গ্রাউন্দ অমা যাওনা মশান্না কযাগী শান্নবুংসু শেমগৎনবা পনবীখি। অসুম্না দি এম কলেজ বিল্ডিং শাননবা লম ফংখি। কলেজগী মশাগী বিল্ডিং লৈত্রিঙৈদদি মতমদুদা খ্বাইবম্বন্দ বাজারদা লৈবম্না জোনষ্টোন স্কুলদা খৃষ্ট কুম ১৯৪৬কী অগষ্ট ৬তগী হৌনা কলেজগী ক্লাসশিং চংখি।

বৃটিশনা ভারত থাদোক্কুনা চৎখিবা কুইদ্রিবা মতাঙনি, আসামদা সার অকবর হাযদরীনা

গবর্নব ওইবি, মণিপুবদনা এম কে প্রিয়ব্রতনা চীফ মিনিষ্টব ওইবি। মতম অদুদা শান্তিনিকেতন্দা ক্লে মোদেলিংগী ওজা ওইনা লৈবা জর্মন মচা ডা নিউহোস হাযবা অমা আসামদা লাকখি। আসামগী গবর্নবনা পীবকপা পাউ অমগী মখা তাবা ওইনা ওজা অসিবু মণিপুবদা লাকপীনবা সনাখ্যানা বার্তন তৌখি। ওজা অসিনা মণিপুবদা লাকপদা আর্কিতেক্ট অমা ওইবিবা মনাওনুপা হেব নিউহোসসু লোযনবকখি। অর্কিতেক্ট হেব নিউহোসনা মণিপুবদা লাকপাসদা সনাখ্যানা কবিগুস্বা খুদোংচাবা অমা ফংখি। খুদোংচাব অসি সনখ্যানা মাচংনখিদে। হার্যাববা খুদোংচাবা অসি লৌদুনা এম কেনা হেব নিউহোসতা দি এম কলেজগী মেইন বিল্ডিংগী দিজাইন অমা যেকপিনবা হাযজখি। যাম্না কূপ্না খল্লবা তুংদা মিষ্টব হেবনা কলেজ বিল্ডিংগী দিজাইন অমা যেকতুনা খৃৎশিন্নখি। হেব নিউহোসকী ড্রোইং অসিদা যুম্ফম ওইবগা হৌজিক্লা দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী ওইহৌববা কলেজ বিল্ডিং অসি শাননবা যাত্র খৃষ্টগী কুম ১৯৪৮গী মেদ হুনখিবনি। অসুম্ন মণিপুবগী অহানবা কলেজ দি এম কলেজ লিংখৎপদসু মহাবাজকুমাব প্রিয়ব্রত অচৌবা থৌদাং লৌখি।

ভাবতকী নিংথৌমচা অযাম্বগা এম কে প্রিয়ব্রতগা খেন্নবা খবাঃ

খৃষ্টনা ২ শুনৈ ভাবতকী নিংথৌমচা অযাম্বদি অকে-অমৌ পাম্মী, কাব তোংদুনা চৎপা, শগোল তোংদুনা কোযব পাম্মা, ক্রিকেৎ অমসং অতৈ মশান্না কযাদা মতম লেনবা অমাদ খবচ তৈবা হৈনজৈ, যাম্না কা চেঞ্জিন্না কেবা (থবক শূদনা কেবা), মীঙোন্দা শহনবা থৌদাব পামজৈ। মসি অযাম্বা ভাবতকী নিংথৌমচা শংদা মীযাম্না উবা মীৎযেংনি। মসিগী ওন্ন তৈংনবদা ঐখোযগী চাউথোকচনীংঙাই ওইববা এম কে প্রিয়ব্রতদি ওস্মোক্লা যাম্না চম্না পুক্সি লেল্লি। নিংথৌমচা ওইজববসু অকে অমৌদা লূপচবা মীশক অমা হাযবদুদি মহাক ওইখিদে। মঙোন্দা চীংমী তম্মী, অচৌ পিশক খাযদে। লৈত লাযব মশক খঙই। চীংমী ইচীন ইনাওশিংগা অমত্তা ওইনা তিন্নৈ। কাব অমুক হাযকুগনি চাক ফাওবা চামিন্নবনি। মহাক্কা তিন্নজবা মেজব খাতংগীদা চাক চাকই হাযদুনা মীযামদা থব্রায তানা হবাওনা পাউ তমজবা মীশক্লি। অকে অমৌদা লূপচবা মীশক নত্তে হাযবগী ব্রাতনি মশাদি মশক মতৌ ফজবা, সাহেব মচা মান্দ-মানবা, মশা নানবা, ব্রা ঙাঙ্ববদা তপ্না ঙাঙ্বা, মোং হন্দবা, যাম্না চাংলেম্ব নিংথৌগী মচা ইবুংঙোনি। দববাবগী মেম্বব ওইবম্বদগী লৈবাক্কী চীফ মিনিষ্টব ওইবক্লবা যাচবদা চম্না অদুম পুক্সি লেঞ্জখিবনি। চীফ মিনিষ্টব ওইবিদৈদা

অযুক্তা বঙ্গলা মনাক্তা যোৎ পায়দুনা লৈবাক তৌদুনা, ইঙ্খোল কোইদুনা, মনা মশিং থাদুনা, ঈশিং চাইদুনা অচম্বা পুন্সি লেনবা মীশক্লি। সনখ্যা যাম্না চম্মী, চাউথোক্তে। প্লেইন লিবিং হায় থিংকিং হায়বা কনসেপ্ট অসিদা পুন্সি লেনখিবনি। মীনুংশি চাউই, মীগী তৌবীমল খঙই। নিংথৌমচা কযাদি অহাউবা ইঙ্খাংতা চানীংই অদুবু সনখ্যাদি নোংমগী অফংবা অদুনা চবা নোংখন্নে।

তোল্ল-তারবা কনা লৈজদ্রবশিংগীদমকঃ

সনখ্যা এম কে পি বি কনা লৈজদ্রবা, মীনা শকখঙবীদ্রবা মীওই কয়াগীদমক, থবাযনা পোম্থা ওইখ্রবা লাম্মীশিংগীদমক খন্থদবা ঙর্মখিদে, পাওনা, থাঙ্গাল, তিকেন্দ্রজিৎনচিংবা অকল অথৌ খবদমক ইকায়খুম্নগদবা নত্তে, মবৈবাকপু নুংশিখিবসি মখোয খবতা নত্তে, শিখ্রবা লাম্মীশিং অদুসুনি মখোযবুসু চপ মান্ননা ইকাযখুম্নগদবনি হাযবসি সনখ্যাগী অচেৎপা পামজবনি। থম্মোযগী ব্রানি। অসিগুম্বা বাখললোন অসিদা যুম্ফম ওইবগা খোংঙোমদা তেঙ্গোল লম্পাক্তা মশক খঙহৌখিদ্রবা লৈখিদ্রবা লাম্মীশিংগী অদুগী "অননোন সোলদর্স"গী মোনুমেন্ট অমা শাগদবনি হাযনা হোৎনখিবনি। তেঙ্গোল লম্পাক হাযনা খঙনবা খোংজোম বাজাবগী মনাক, থোং মনাক সডক্কী নোংচুপ্তা লৈবা লম্পাক মফমসিদনি লাম্মী কযা শিখিবা, লম্ফাংদা তাদুনা লৈখিবা, লংজা ক্বাক উমার্যবা কযানা শাদোঙ চখিবা। অসিগুম্বা মবৈবাক নীংবা লৈখিদ্রবা শকখঙদ্রবা, মিং খঙখিদ্রবা লাম্মীশিংগী মফমদা কথোক্লবা সনখ্যানা মশামকনা খূৎতা নুংথং শ্রেনী পাযদুনা ফৃত মঙা শাংবা ফৃত অহুম পাকপা নূংজাওদা হকতুনা মযূমদা শেম্লগা তেঙ্গোল লম্পাকতা খিন্নবা থৌদাং তৌখি। ঙসিদী মীযাম্না উবা ফংলে খোংজোমগী তেঙ্গোল লম্পাক যাম্না পূক্লিং চংশিন্নীংঙাই ওইবা মওংদা। মতাঙ অসিদা নীংশিংবা যাবা অমনা খোংজোম দেগী অশেংবা নুমিৎতি এপ্রিল ২৫নি হাযবা সনখ্যা পি বিগী ব্রাফম, নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ অমসুং অতৈ অখঙ অহৈ কয়াগী ব্রাফম হৌজিকতি খ্বাইনা খঙনবক্লে। অতোপ্পা ব্রাফম অমনা মহাক্লা "ভাবত সেবক সমাজ"গী থৌ পুবিঙৈদা চীং নীংখাযবদা নন্দুনা শিম্মী তবা নোংমা চৈবাওবা নুমিৎতা শিখি। মফম অদুবু তবালোক থোন্দুনা মখোযগী মিং হকপা নূং অমা যুংখি।

চাবদা চীনহাও থিদবাঃ

চম্না পুন্সি লেনবগা লোয়ননা চাবদসু চীনহাও থিদবা সনখ্যানি। অহাউববু ওইববসু হাউতববু ওইববসু নোংম নোংমগী ঈশ্বরনা তম্বনি খন্দুনা অফংবা অদুনা নোংমগী চবা নোংখন্নবা অদুদা নুংঙাইজবনি পেন্থোকচবনি। অযুক্কী চাকলেন্না লৃক ওইনা হাবা নুমিদাংগীনা হৈ বানা চাক্কী মহুৎ শিন্দুনা হাবগা চম্না লেঞ্জবা পুন্সিনি। নুমিদাংদা হাবিবা হৈ-বাদি মকওইনা লফোয়, অবাথবী, থবী, হৈনৌ, কিহোম, থৈবোংনচিংবনি। কবিগুম্বদা অৱাথবী অমুনবা ফংদ্রবদা অশংবা অৱাথবী ক্রৌ-ক্রৌ শাযদুনা হাউনা চাবসু যাওই। মচা মনাইশিংনা কবিগুম্বা কাউখিবা শোযখিবা য়াওববসু থবক মুন্দে, থৌওই-ৱাওইদে হাযনা যাম্না থীনা চৈ থাংবগী মহুৎতা অশোযবা অবানবা তৌবমলিবা মী অদু মশানা খঙজবক্কুন্না মশানা মশা মতোমতা চুমথোকচনবা হোৎনাসনু হাযনা তাকপি তম্বীবা অসিসু সনখ্যাগী লেম্প তোপ্পা গুণ অমনি। মাগী সেবাবীশিংদা থবক শোযবগী চৈ থাংবা তৌখিদে। খঙ নৈনবগা অশোযবা খঙহল্লগা চুমথোকচনবা লম্বী যাৎপী। কবিমুক হাযকগনি কবিগুম্বদা কাউথোক্লবদগী সেবাবীনা ইন্সাং থুম থাকত্রবদা মদু ফাওবদা থুম থাকত্রমোল্লে হাযনা হৈশাদবগী চৈ থাংবগী মহুৎতা সেবাবীদা থম্ম শবা পূবকউ হাযদুনা পুবকহল্লগা মদু ইন্স তেঙ্গোংতা চাইশিল্লগা ওৎখাযদুনা লৃক হাবা ফাওবা যাওখি। কযাদা চম্না লেনখ্রবা সনখ্যাগ পুন্সিনো। কবিগুম্বা অসি অতেং নিংথৌমচা, চীফ মিনিষ্টর, অচৌ অশাং যন্ন ইবং ওইরম্বন্দি সেবাবীশ শোযদনা খোনথী চাবমগনি। শম্না হাযববদা মাগী মখাদা থবক তৌবা পম্নমক নুংশিনা লোযনখি, তাথা তাওইনা তৌখিদে। অতোপ্পা ৱাফম অমনা চাক ইন্সাং লেমহনবা অসিনা মহাক্কী অশাউবীনি। চাকচা হৈজান্নবদা অমদি উৎসোব মেলাদা শাৎ শীৎ নান্না হেক হেক চাথোকই, ডল্লোইদবদা হেন্না হাপহন্দে।

মশাগী থবক মশানা তৌজবাঃ

সনাখ্যাগী পুন্সিদি মশাগী থবক মশানা শূজবগা হিংবা হাযবসিনি। যাবিবমখৈ মশানা পাওথোকপা পামজবনি। মীগী মতেংসু পাংবা পামজবনি; উৎসোবনি খওদে কবিনি খওদে মকোক ফমদুনা লৃক হাবা লোইববা তুংদা চাক্লুকলা দোনা ফজনা লোইশিল্লি, চাক্লুক্কী অকোযবদা চাক মব্দ অমত্তা তাহন্দে। লৃখাক শেংবশিংগী মতেং পাংবনি, মশাগী থবক মশানা তৌজবনি। হেনফদবা, যাদবা মতাঙদদা মীবু তৌহনবনি। পাযবিবা ফমগী মতুংইন্না

মশানা তৌরোইদবা কয়া মচা মনাই অমদি অতৈনা তৌগদবা কয়া সমাজসিদা লৈরিবনি। চাউরবসু মশানা তৌবা য়াবা কয়াদি অদুম লৈরিবনি। অসিগুম্বা মশানা তৌবা য়াবা কয়া সনখ্যাদি মশানা অদুম তৌই।

মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হন্নীংদবাঃ

মরৈবাক মণিপুরবু হায়নীংঙাই লৈতনা নুংশি হায়বসি মাগী পুন্সিগী থবকনা তাকই। ইরমদম মণিপুরবু নুংশিবসি মীপূম খূদিংমক নুংশি। অদুবু সনখ্যা পি বিনা খরা হেন্না হুকচিন্না নুংশিব্রা খল্লি। মণিপুরগী ঙমখৈ অসি মহাক্না শুক্কায় কায়হন্নীংখিদে, মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা কায়বা য়ারোই হায়বসি মাগী ফিরেপনি। অহল ওইশিল্লক্রবা, মশা শোঞ্জিল্লক্রবা, মশাগী চহীনা ৮০ হেল্লক্রবা মতমদা মোলচান খুন্দা চৎতুনা বর্মানা বাউন্দরী পিল্লর ফূকতোক্তুনা মফম হোংদোকখিবা মফমদু য়েংশিনবা চৎখি। হায়নৈ বর্মনা (ম্যানমারনা) মণিপুরগী লম খরা নমদুনা লৌখি। পাউদু তাবদা সনখ্যা মথৱায় য়াম্না শোকখি। মহাক্না য়েংশিল্লুবদু মেলেরিয়া কনবা মফমনি নোংজু মরক্তনি। চয়োল অমা চূপ্না অৱাবা খাঙদুনা লৈখিবনি। কেন্দ্র সরকারদা অকনবা ৱাকৎ পীখিবনি। মসিমক্না পোক্লফম লমদম মরৈবাকপু অসুক্কী মতীক নুংশি হায়বগী লারবা খুদম অমনি তাকই।

চীংমী-তম্মী নুংশিননবা লৈমীন্নবা হোৎনবদাঃ

খৃষ্টগী কুম ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুর ভারতকী মনুংদা তিনখ্রবগী তুংদা সনখ্যা কেপ্টেন এম কে পিবি সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা লৈখি। অরাপ্পা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা চত্তুনা মফমশিং অদুদা খুন্দারিবা জাতি ফূরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নানা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীবমখি। মহাক নাগা অমসুং কুকিশিংগী মরক্তা য়াম্না পোপুলার ওইখি। চীংমীশিংনা মহাকপু শমখুরা পিবি হায়না খঙনখি। মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত/কেপ্তেন প্রিয়ব্রত/সনখ্যা সনায়াইমা খঙদবা মহাকপু নুংশিদবা মীশক মণিপুরগী তম্পাক অমসুং চীংগী লমদম অনীমক্তা লৈতে। জননেতা ইবাবত চঙখি রাজনীতিগী অকনবা লানফমদা, লেপখি তোল্ল-তারবা লৌমী মীয়ামগী মায়কৈদা অদুগা কখোকখি মাগী থৱায়। ওইখিবনি মহাক রাজনীতিগী লাশ্মী, রাজনীতিগী সেনাপতি। মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত চঙখি মাগী শাংলবা পুন্সি সমাজ সংস্কারগীদমক, ওইখিদে মহাক

বাজনীতিগী লাম্মী। চীংতম অনীগী মবক্তা লৈবা অনীগী খেন্নবা অমগা অমগা খঙনদবা উনদবা কযা শেংদোক্লবা হোৎনবনা মাগী থবক ওইখি। চীংগী লম কয়াদা চৎতুনা চীংগী খুঙ্গংশিংগী অৱাৎপা যেংশিনবা চীংগী লমদা খুদোংচাদবা কয়া লৈবা অদু কোক্লবা হোৎনবনা মাগী পুন্সিগী থবক ওইখি। চীংতম অমত্তনি হায়না চীন্দদা মবাওবা অদুগা চীংদা চৎতুনা চীংমীগী ৱাবিবদুদি উদবা খঙদবা কযা লৈবি। চীংগী লমদা চৎতুনা চীংমীগা লৈমীন্নদুনা পূন্না চামিন-থকমিন্নদুনা চীংগী পুন্সিদা থেংনবিবা অৱাবা খঙজিনবা, অৱাবা অদুবু কোক্ল নবা পাম্বৈ থিমীন্নবা, চীংগী মীনা থাজবা অমসুং নুংশিজবা খ্বাইদগী মকওইবা মীশক অদু কনানো হাযবা তাববদি মহাবাজকুমাব প্রিযব্রতনি হাযদবা কনাসু ঙম্লোই। মণিপুব কলচবেল ইন্টিগ্রেসন কন্‌ফবেন্স লিংখৎতুনা চাউববা থৌদাং লৌবীখি। ম্যানমাবগা তাইনবদা লৈবা মোবে টাউন মনাক্কী প্রেমনগব হাযবা মফমদু মহাক্কী মমিং প্রিযব্রতদগী লৌদুনা প্রিযনগব কৌবম্বদগী প্রেমনগব হাযনা খঙনবিবা অসিমক মহাক্না হোৎনখিবা কয়াগী মহৈনি। লমদম অসিগী অপুনবা শকতম নিংথীনা ফজনা উবীবম্বা মীশক অমনি মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত।

প্রিযব্রত মণিপুবগী কলা অমসুং সংস্কৃতি চাওখৎনবা হোৎনবম্বা মীওই অমা ওইবতা নতুনা অনৌবা অপূনবা মণিপুব অমগীদমক কন্না হোৎনবীবম্বা মীশকনি। মহাক্না মণিপুবগী থৌদোক ৱাথোক কযা ফিল্ম ওইনা থল্লম্বা অসি তুংগী মীবোলগীদমক মমল যান্নবা লৈঙ্গোন।

লূপশিংদা লৌবম্বা থৌদাংঃ

এম কে প্রিযব্রত মণিপুবগী তোঙান-তোঙানবা লূপশিংদা মকওইবা থৌদাং কয়ামকম লৌবীবমখি। খবদং পঞ্জবা তাববদা (১) ভাবত সেবক সমাজ (১৯৫১) গী কমভেনব; (২) মণিপুব কলচবেল ইন্টিগ্রেসন কনফবেন্সকী ফাউন্দব প্রসিদেন্ট (১৯৬৭); (৩) এক্স-সার্বিসমেন লীগকী প্রসিদেন্ট; (৪) ইং ১৯৪৮দা মণিপুব সবকাবনা শেমখিবা মণিপুব ষ্টেট পোলো কমিতিগী প্রসিদেন্ট (মহাক্না শগোল কাংজৈগা মবী লৈনবা আর্টিকল কযাসু ইবম্মী লোযনমা হিষ্টবি ওব মণিপুব ষ্টেট পোলো কমিতি কৌবা লাইবিকসু ইবম্মী); (৫) ললিত কলা একাদেমী, ন্যু দিল্লীগী জেনেবেল কাউন্সিলগী মেম্বব; (৬) জোনষ্টোন স্কুলগী ইহান হানবা লাইযেকপগী ওজা ওইবীবম্বা শ্রী শঞ্জেনবম ইবোহল সিংহনা আর্টস সোসাইটি, মণিপুবগী চেয়বমেন ওইবা মতমদা (১৯৭২) সনখ্যা পি বিনা ভাইস চেযবমেন

ওইবা; (৭) লোইতাং খুনৌদা লৈবা "মণিপুব স্পাইনিং মিলস কোর্পোবেসনগী চেযবমেন (১৯৭৪-১৯৮৬) মখোযশিং অসি শীংথানবা যাই।

অতৈ-অতৈদা লৌরম্বা থৌদাংঃ

মহাবাজকুমাব প্রিযব্রতনা মীযামগীদমক হোৎনবীবম্বা শীংথাদুনা লোইবা ঙমগদবা নত্তে। যাম্না শম্না সনখ্যানা তৌবীবম্বা মীযামগী থবকশিং শীংথাবা হাযবসি ওইথোক্লবোইদবা ব্লাফমনি। অদুবু শম্না খবদং পঞ্জবা তাববদি ডি এম কলেজ লিংখৎনবা হোৎনবদা লৌবিখিবা থৌদাং: এগ্রিকলচব কলেজগী মতাঙদা লৌবীখিবা থৌদাং; হান্না আব এম সি কৌনবম্বদগী হৌজিক্না বিমস হাযনা খঙনববা হোস্পিটালদা লৌবিখিবা থৌদাং; আর্ট এন্দ কলচবগী লমদা লমযানবা অমা ওইবীখিবা; মণিপুব বাইফলস, ষ্টেট কলা একাদেমী, জবাহবলাল নেহরু যুনিবর্সিটি পোষ্ট গ্রেজুযেট সেন্টব (হৌজিক্কী মণিপুব যুনিবর্সিটি) দা লৌবিখিবা থৌদাং লম্বী থোং খুদোংচাদবা কযাগী যেংলগা মণিপুব ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট লিংখৎপদ লৌবিখিবা থৌদাং, মণিপুব বাইফলস লিংখৎপদা লৌখিবা থৌদাং, লোইতাংখুনৌদা স্পাইনীং মিলদা লৌখিবা থৌদাং অসিনচিংবা খবা অসি পনবদা মতৌক চায।

মণিপুব স্পাইনিং মিলস কোর্পোবেসন লিমিটেদঃ

লোইতাং খুনৌদা লৈ হাযবগীদমক "মণিপুব স্পাইনিং মিলস কোর্পোবেসন লিমিটেদ"পু খবা শম্লপ্পা "লোইতাংমিল" হাযনা খঙনৈ। অদৃগা মিল অসিনা পুথোক্লম্বা লংবু "লোইতাং লং" (লোইতাং যার্ন) কৌবম্মী। মমিং অসি সনখ্যা পি বিনা থোল্লম্লনি। মতম অমদদি লোইতাং লং মণিপুবগী ব্লাংমদা থাদোক্লম্মী। মহাক্কী লমজাং মখাদনি লোইতাং মিল চলাইবা হৌবসি (তাং ২৩/১১/১৯৮০ ইংদা)। থবক ফজনা চথবম্মনি। অদুবু বাজনীতিগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লোইতাং মিলদা যৈবকখি। সেপ্টেম্ববগী অবোইবা নুমিৎ ১৯৮৫ ইংদা সনখ্যাগী মহুৎতা অনৌবা মিলগী চেযবমেন অমা খল্লে চার্জ শিন্নখো হাযবা চে অমা থুংলখি। নীংশিংবা য়াই মতমদুগী সবকাব পাযবম্বা অচৌ-অশাংশিংনা মখোয মখোযগী মী থবক হাপ্লু হাযদুনা চে কয়া থাবকখিবনি। পোষ্ট লৈতে হায়দুনা সনখ্যানা যাখিদবনি। সনখ্যা মীঙোন্দা ঙক নোনখিদে। শীংনবা কযাগী মায়োকতা লৈখি। অদুবু কুইনা লৈথবা য়াববোই হাযবদি খঙখি। শীংনবা চিঠি অমা মতমদুগী লৈঙাক মকোক্তা

ইখি। মহুৎ শিল্লগদবা অদু লাকখিদে। সনখ্যাদি শেলগীদমক চেয়বমেন ওইবা নত্তে। বোর্দনা মঙোন্দা থাগী ওন্নবিযম লুপা ১০০০ পীবনি। যাম্মন্দে হাযদুনা লুপা ২০০০ দা হেনগৎপদা মহাক্না লৌ হাযবা য়াখিদে। খৃঃ কুম ১৯৭৪দগী ১৯৮৬কী জানুযাবী ১৮ ফাওবা সনখ্যা মিলগী চেযাবমেন ওইবম্মী। নুমিৎতুদগী মাগী মহুৎতা ইন্তবিম চেযবমেন্না মহুৎ শিনখি। মিলগী পোথোক লৈবক্তবা, শিথবকপা অমসুং মুথবকপগী পাউ তাবদা সনখ্যা মথব্রায যাম্না নুংঙাইখিদে। অহল ওইশিল্লক্রবা পেং চোইবল্লবা মতমদা কবিগুম্বদা... ফৈদিংগা মনাক অদুব্রাইদা লংগী মিল অমা লৈখিবগুম তৌবদু... হিংলিব্রা, মুৎখ্রববা? হংবা যাওখি।

প্রজাবু মচানি খঞ্জবাঃ

মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত লুহোংদে পুন্সি চুপ্পা যুম পান্দে, মচা লৈতে। অদুবু মাগী মচা কযানা লৈবিবা। খ্বাইনা খঙনৈ শ্রীমা সাবদা, মাদব তেবেসা মচা লৈতে। অদুবু মখোয মমানি, মচা লীশিং লীশিংগী মমানি, লাশংগী ব্রা নত্তে লাক্ষ লাক্ষকী মমানি। ওস্থোক্রা চাইব্রনা ঐমা ওইবাগা শুংনা লৈতে লবী মীনুংশি খঙবী থম্মোয নৌবীনি। তাঙলবা অসি গুম্বা শুংনা লৈতেংলবা মাওই কযা মালেম অসিদা মবক মবক্তা খোঙদাবিবকপা ঙ্গং হনা কযাদা লাইবক ফখ্রবনো। অসিগুম্বা মীওইশিংগী মনুংদা মহাবাজ প্রিযব্রতসু অমনি। লিংথৌগী মচা ওইজবস, লৈবাক্কা চীফ মিনিষ্টব ওইজবল্লবসু অচৌ 'পশক খাযবগী থম্মোয অমদি থবক মঙান্দা লৈতে। চাং তমগী প্রজা পূন্নমকপু নুংশিজবা, প্রজানসু নাবু নুংশিজবা অসিগুম্বা মীশক অসি মণিপুব ইমাগী তাঙলবা মপাবীনি। প্রজা মীযাম্বু মচানি খঞ্জবা মীশকনি।

লাইযেকপা অমদি খুৎহৈবা অমা ওইনাঃ

সনখ্যা পি বি লাইযেকপানি, লাইশাবনি, উশূবনি, খুৎহৈবনি। চুম্না হৈবতা নত্তে মশা নান্না পোথোক ফজনা পুথোকপসু ঙম্বনি। মহাক্রা পুথোক্লম্বা যেক্লম্বা লাইশিং খবদং পঞ্জববদা ব্রাইথৌ শগোল (১৯৭৫), তোইনিং মৈতৈ লৈমা (১৯৯৫), ব্রীপিং উইলো (রতব কলব ১৯৪৭), সনসাইন ওব অফতব বেইন (১৯৮৮), ত্বাই লাইট (১৯৮৯), পোর্ত্রেইত ওব এ গার্ল (১৯৯৪), অঙাং নাব্রা অনী (১৯৯৫), অব্রাব লিতল বালর্দ

(১৯৯৫), লোযননা কংলা উত্রা, শঙাই, দানচিং দিযাব অসিনচিংবা শীংথানবা য়াই। মহাক্কী "মোইথাপ নাইবী" অমসুং "তবেঙ লৈবী" না ঐখোযগী লমদমদা হৌজবা লশিংনা ফি শাদুনা শীজিন্নবম্মী হায়বা তাকই লোযননা গেষ্ট হাউসকী ফক্কাংদা থেৎপা অমদি লোইতাং মিলদা খূদোল তমখিবা অযেকপা লাই উবদা মপান্দগী লাক্কম্বা মীওই কযাবু শুন্ধৎহনখি। সনখ্যা পি বি লাইযেকপা অমা ওইবতা নত্তে লাইশাবা, উশূবা, খূৎহৈবা অমসুনি। চৌকি, টেবল, আলমিবা কয়া মশানা শাজবগা লোয়ননা মজাইবেম্মা কযাগী অউলপোৎ ওইনবা ফর্নিচবসু শাই। নূংদা হক্কুনা নীংশিং যূম্বী কয়াসু শাই। শম্মা হাযববদা সনখ্যা খূৎহৈবনি, শিনশুবনি।

ফাইনেন্সিয়েল দিসসিপ্লিন লৈবা অমা ওইনাঃ

সনখ্যা পি বি ফাইনেন্সিয়েল দিসসিপ্লিন লৈবা মীশর্কনি। মঙোন্দা ব্রানোম খূৎনোম্বগী থবক যাদে। নোংমা নুপা অমনা শেল চবুল অমা পুবক্কগা ব্রানোম্বা লাকপদা সনখ্যানা শেল চবুল অদুনা নুপাদুগী মমায়দা থাজিনবগী ব্রাবীসু লৈ। লোইতাং খুনৌগী মিলদা বোর্দকী চেয়বমেন ওইবিঙৈদা ওন্নবিযম ওইনা থাদা লুপা ১০০০ ফংলম্মী। বোর্দনা য়ামমন্দে হায়দুনা লুপা ২০০০ দা হেনগৎখি। অদুবু মহাক্না মদু লৌ হাযবা যাখিদে। স্পাইনিং মিল লিংখৎপা মশাগী শেল ফংনবা নত্তে, মিল হিংননর্বনি হাযবসি মাগী অচেৎপা পামজর্বনি।

ইকায়খুম্নবা উৎপা অমদি শকখঙবা ওইনা মঙোন্দা খূদোল তমখিবা মনা-মথুম অমদি এব্রার্দশিংঃ

সনখ্যা এমঃ কে পিবিনা তৌখিবা অমদি পাঙথোক্কম্বা থবক কযাগীদমক মহাকপু শকখঙবা অমদি ইকাযখুম্নবা উৎতুনা মনা-মথুম অমদি এব্রার্দ কয়া পীখি। ন্যু দিল্লীদা পাঙথোকখিবা সেকেন্দ ব্রার্ল্ড ব্রাবগী ভিক্টোবী পেবেদতা অসাম বেজিমেন্টপু লুচিংদুনা শকক য়াখি। মহাক্না হিংলিঙৈদা পাঙথোক্কম্বা থবকশিংদুনা মহাকপু মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহৌবগনি। মশক নাইবা থবক কয়া পাঙথোক্কম্বা মীযাম্না কাউনদ্রি। খৃষ্টকী কুম ১৯৮০ দা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মণিপুব ষ্টেট কলা একাদেমীনা ফেলো অদুগা মণিপুব সাহিত্য পবিষদ, ইম্ফালনা ইং ১৯৮২ দা শিল্প ভূষণ হাযবা উপাধি পীখি। শান্তিবু যাম্না

পামজবা এমঃ কে পিবিবু মণিপুব য়ুনিবর্সিটিনা মহাক্রা পাঙথোকখিবা থবকশিংবু শকখঙবা ওইনা ১৯৮৮ গী মে ১৪ দা ওনবেবী ডোক্টোবেট ডিগ্রি পীদুনা ইকায়খুম্নখি। মহাক সোসিয়েল ব্বার্কবনি, ফিল্ম মেকবনি, লাই য়েকপনি, লাই শার্বনি, উ শূবনি, চীফ মিনিষ্টব ওইবম্বনি। মহাক্রা তৌবম্বা থবকপু শীংথাদুনা য়ুনিবর্সিটি অসিনা "ডি লিট (ওনবেবী কৌসা) পীদুনা ইকাযখুম্নবনি। খৃষ্টগী কুম ১৯৮৯ দা কলচবেল ফোবম, মণিপুবনা প্লাস্টিক আর্টতা থোইবী এব্বার্দ পীদুনা ইকাযখুম্নবা উৎখি। মণিপুব সাহিত্য পবিষদ, ইম্ফালনা মসিগী দাইমণ্ড জুবিলী সেলেব্রেসনদা (১৯৯৫) থোইদোকপা সনমান পীদুনা ইকাযখুম্নখি। লাই য়েকপা নেচবেলিষ্ট অমসুং এনবাইবনমেন্টেলিষ্ট অমসু ওইখিবা এমঃ কেঃ পিবিনা চিত্রকলা অমসুং সংস্কৃতিদা কখোকপগা মবী লৈননা পবিষদ অসিনা খৃষ্টগী কুম ২০০০ দা সাইতেসন অদুগা অমুক খৃঃ কুম ২০০১ দা শ্রী মদপবমহংস স্বামী যোগেন্দ্রানন্দগিবি নীংশিং মনা পীদুনা ইকাযখুম্নখি। মহাক্রা হিংলিঙৈদা ইকোন-কোন্না পীবা এব্বার্দ অমা ওইনা সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিযান এসোসিযেসন, ইম্ফালনা খৃষ্টগী কুম ২০০৫গী অগষ্ট ৮ দা মহাক্রা দববাব মেম্বব ওইবিঙৈ (১৯৩৬ তগী হৌনা) মবন্নাই মুভি কেমেবানা হোবি ওইনা নম্নর্কখিবা ফিল্মশিংনা মণিপুবী ফিল্মগী অহানবা মক হুনবনি লৌনবগা লোযননা মহাক্রা মাণপুবী দোকুমেন্টবী ফিল্মদা তৌখিবা শীংথানীংঙাই ওইবব থবকশিং ইকাযখুম্নবা উৎতুনা ৬ শুবা এস এন চান্দ ফিল্ম এব্বার্দ পীখি। অসুম্না মখল কযাগী মনা মথুম, উপাধি অমদি এবার্দশিং পাদুনা সনখ্যা এম কে পিবিবু সংস্থান কযা অমাদ ইন্সটিট্যুট কযানা ইকাযখুম্নখি।

অবোইবা মতমঃ

পোক্লবদি শিগদর্বনি। মাগী মাগী মতম্না লোইবক্লবদা কনানসু পাম্মুই নুংশি হাযদুনা খাম্বা ঙম্লোই। মতম্না কৌবক্লবদা কনাসু খুমদবা ঙম্লোই। খুম্বা তাবনি। ঐদি মীঙোন্দা লাঞ্জদে, মীযামগীদমক্তা ইবৈবাক্কীদমক্তা হিংজবনি মীযামগী সেবা তৌখিনি শিহৈবোই হাযবা যাবা নত্তে। হৈবে শিংলে হাযদুনসু অশিবগী মখূত্তগীদি কনাসু নঙ্খোকপা ঙম্লোই। মাগী মাগী মতম্নবু লোইবক্লবদি লোইনমক শিগদবনি। কনানা মশাগীতা খন্দুনা মীযামগীনি হাযবা শীংথাবা যাবা কবি অমত্তা তৌবমদে। কনানা মীযামগীদমক তৌবা যাবা তৌবিবম্মী। তাইবঙদা পুন্সি মহিং তোঙান-তোঙানবা খেন্নবা মওংদা হিংনবম্মী। অদুবু মীপূম খুদিংমক মাগী মাগী তাইবঙ চেঙজেল লোইববদা অশিবা কৌবা লাইনা লোইনমক মাগী

মশাইগোন্দা অচান-মীবায নাইদনা মীচঙ-মীখায তৌদনা লৌশিনবী। লৈ মীপূম খুদিংগী পুন্সিগী পর্ব। মাগী মাগী পর্ব লোইবগা চঙজখিবনি মপু মাগী মকাদা। মতমনা কৌবকপনি মীপূম খুদিংবু মাগী মাগী পর্ব লোইবকপদা। অসুম্না চম্না পুন্সি লেঞ্জখিবা সনা কোনুংদা পোকখিবা, অচৌবা ফমজাও পাযবীবস্বা, প্রজা মীযাম্বু মচানি-খনবীবস্বা, চীংমী-তম্মী অনীমক্লা নুংশিজখিবা, মণিপুব ইমাগী চাউথোকচনীংঙাই ওইবস্বা শিন শুনা খঙ-হৈবস্বা মপাবী মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত পুন্সিগী অবোইবা মতম যৌবমদাইদা গাডী এক্সিদেন্ট অমদা খুদোংথীবা নংলুবদগী চথোক-চংশিন্দা বেবা লাকপদগী ষ্টীল চেযবদা মাগী শঙ্গাযদা চহী খবা মতম লেনলম্লগা মাগী অবোইবা মতম যৌবক্লবদা সনা হকচাং ইবিবক্লদুনা মশাগী চহী ৯৪ গা খবা হেল্লক্লবদা কোনুং লৈকায, পেলেস কম্পাউণ্ড, ইম্ফালদা লৈবা মাগী শঙ্গায "কোম্বিবৈ হাউস"তা খৃষ্টগী কুম ২০০১ গী ওক্টোবব ২৯ মেবাগী ২৬ নি থাংজ নুমিৎকী অযূক পূং ৯ লোম তাবদা নুংশিজববা প্রজা মীয়াম্বু থাদোক্লমদুনা তাইবঙ সংসাবদগী বিদায লৌদুনা মপ্ মাগী মশাইগোন্দা চঙজখি। অদগা নুমিৎতুমক্তদা মহাকপু বাজ্যগী থাক্তা ইকাযখুম্নবা উত্তুনা বজায-বেঙ্গল খোংদুনা হৌনবী সলামি পীদুনা থবায যাওদ্রবা মাগী সনা হকচাং সংস্কাব তৌখি।

মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত সিংহগী বাইও দাতা

মিং : *মহারাজকুমার প্রিযব্রত সিংহ*

অপোকপগী মিং : *মণিপুরেশ্বর মহারাজ চুড়াচান্দ সিংহ*

অপোকপীগী মিং : *হিংঙাথম চনু শ্যামাসখী দেবী*

পোকপা চহী নুমিৎ : *ফেব্রুবারী ২৭ ১৯১১ ইং*

লৈখিদ্রবা চহী/নুমিৎ : *অক্টোবর ২৯ ২০০৫ ইং*

মপুন্সি : *চহী ৯৪ গা থা নিপান।*

পোক্লফম লমদম : *মণিপুরগী সনাকোনুং ইম্ফাল*

থূপফম : *কোম্বীরৈ হাউস, কোনুং লৈকায পেলেস কম্পাউণ্ড, ইম্ফাল*

মহৈ মশিং তম্লকপা মফমশিং : *রাজকুমার কলেজ রাইপুর মাউণ্ট প্রিজেন্ট স্কুল, বর্নিমাথ ইংলেণ্ড, এলাহবাদ য়ুনিবর্সিটি যু পি*

মহারাজকুমাব প্রিয়ব্রতগী পুন্সি অমসুং থবক

পাযরম্বা ফম/অতৈ অতৈ : মেম্বর, মণিপুর ষ্টেট দরবার (১৯৩৬-৪১ ইং)
কেপ্তেন, বৃটিশ আর্মী (১৯৪২ ১৯৪৭)
মিনিষ্টর, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল (১/৭/১৯৪৭-১৪/৮/১৯৪৭)
চীফ মিনিষ্টর, মণিপুর (১৪/৮/১৯৪৭ ৭/১০/১৯৪৮; ১৮/১০/১৯৪৮-১৫/১০/১৯৪৯)
মণিপুরগী গবর্নরগী এদভাইজর

চাফ মিনিষ্টরগী মতম : চহী ২ গা থা ২

যাওরম্বা লুপশিং/অতৈ অতৈ :
১) ভারত সেবক সমাজ কনভেনর (১৯৫১)
২) মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্স প্রসিডেন্ট (১৯৬৭)
৩) মণিপুর ষ্টেট পোলো কমিটি প্রসিডেন্ট (১৯৪৮)
৪) এক্স সার্বিসমেন লীগ প্রসিডেন্ট
৫) ললিত কলা একাদেমী ন্যু দিল্লী মেম্বর (জেনেরেল কাউন্সিল)
৬) আর্টস সোসাইটি মণিপুর ভাইস চেযরমেন
৭) মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী অহানবা ভাইস চেযরমন
৮) মণিপুর স্পাইনিং মিলস কোর্পোরেসন চেযরমেন (১৯৭৪ ৮৬) অসিনচিংবা

মীযাম্না শঙনবা মিং : এম কে পিবি, কেপ্তেন পিবি, সনখ্যা পিবি, সনখ্যা সনাযাইমা সনখ্যা যাইমা, শমখুবা পিবি (চোংমীনা)

মনা মথুম/এবার্দশিং : মণিপুর ষ্টেট একাদেমীনা ফেলো (১৯৮০)
মণিপুর য়ুনিবার্সিটিনা ওনরেরী ডোক্টোরেট ডিগ্রী (১৯৮৮)
কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা থোইবী এবার্দ (১৯৮৯)
মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মণিপুরনা শিল্প ভুষন (১৯৮২)
শ্রীমৎপরহংস স্বামী যোগেন্দ্রা নন্দ গিরি নীংশিং মনা (২০০১)
সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ান এসোসিয়েসন্না "এস এন চান্দ এবার্দ" (২০০৫) অসিনচিংবা

অতৈ অতোপ্পা লিংখৎলপদা : দি এম কলেজ, জবাহরলাল নেহরু য়ুনিবর্সিটি পোষ্ট গ্রেজুয়েট সেন্টর (মণিপুর য়ুনিবর্সিটি), মেডিকেল কলেজ (RIMS), এগ্রিকলচরেল কলেজ (CAU), মণিপুর রাইফলস, স্পাইনিং মিল, এম এস তি (MSRTC), মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিপ বেঙ্ক, ষ্টেট কলা একাদেমী মণিপুর অসিনচিংবা।

মতেং লৌজখিবশিং

(ক) লাইরিকঃ

১। **চৈথারোল কুম্বাবা**

- এল ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং খেলচন্দ্র সিংহ।

২। **মণিপুর প্রজা সম্মেলনী অমসুং অনীশুবা নুপীলান**

-- লাইখুবাম ইবোবী সিংহ।

(খ) চেফোঙ/জর্নেলঃ

১। **80th Birth Anniversary of Shri M. Koireng**

— M Koireng Memorial Trust (Souvenir 199?)

২। **য়েন্নীং** (সেপ্তেম্বর ২০০৪)

মণিপুব সাহিত্য সমিতি, থৌবাল।

৩। **য়েন্নীং** (ডিসেম্বব ২০০৪)

মণিপুব সাহিত্য সিমিতি, থৌবাল।

৪। **সনথোঙ** (জানুৱাবী ২০০৬)

প্রিযাদর্শিনি বুক ক্রষ্ট, ইম্ফাল।

(গ) নুংতিগী ফোঙবা পাউ-চেশিংঃ

১। কেপ্টেন এম কে পিবিদা কৎচবা শ্রদ্ধাঞ্জলি

-- খাইদেম প্রমোদিনী

(পোক্লফম; ২৪/১১/০৫ ইং)।

২। অমবগী চিঠি

(পোক্লফম; ১১/১১/০৫ ইং)।

৩। এম কে প্রিযব্রতদা মীৎযেং অমা

-- লাইশ্রম সনাজাওবা মৈতৈ

(মান্নবা; ৯/১১/০৫ ইং)।

৪। পি বি সিংহবু নীংশিংলুবদা

-- পাওখোহাং হাওকিপ

(পোক্লফম; ২৪/১/০৬ ইং)।

৫। লাই য়েকপা অমা ওইনা এম কে পি বি
-- থোইদিংজম তোম্বী
(পোক্লফম; ৩০/১১/০৫ ইং, অমসুং ১/১২/০৫ ইং)।

৬। মহারাজকুমার প্রিয়ব্রতগী অবোইবা ৱাহং
-- বী এম মাইস্নাম্বা
(পোক্লফম; নবেম্বর ৯,১০,১১,১২/০৫ ইং)।

৭। মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত অমসুং থেংনবা খরা
-- জি আই শর্ম্মা
(পোক্লফম; ১৯/১২/০৫ ইং, অমসুং ২৭/১২/০৫ ইং)।

৮। মহাবাজকুমাব প্রিয়ব্রত দিলিতপু নীংশিংলুবদা
ডাঃ যামিনী দেবী
(পোক্লফম; ১৮/১১/০৫ ইং)।

৯। এম কে প্রিযব্রত কলচবেল বিভোলুসন্নবিনি
-- হেবিকোন
(মতমগী য়াকাইবোল; ৯/১১/০৫ ইং)।

১০। অনৌবা মণিপুব শেমগৎলম্বা নিংথৌমচা এম কে প্রিয়ব্রত
- নোংমাই পণ্ডিত
(পোক্লফম; ৩১/১০/০৫ ইং)।

১১। কেপ্তেন পি বি ৱান-মেন আর্মী
- চোংথাম সমবেন্দ্র
(পোক্লফম; ৯/১২/০৫ ইং অমসুং ১৬/১২/০৫ ইং)।

১২। এম কে প্রিযব্রত অমসুং দি এম কলেজ
-- জি তোম্বা শর্ম্মা
(পোক্লফম; ১২/১১/০৫ ইং)।

১৩। সনখ্যা এম কে প্রিয়ব্রতদা শ্রদ্ধাঞ্জলি
-- য়ূম্নাম য়াইমা
(পোক্লফম; ১৩/১২/০৫ ইং)।

১৪। সলাম রূপচন্দ্রগী
"মীকুপ খরা মহারাজকুমাবগী নাক্তা"

(পোক্লফম; ১৭/২/৯৮ ইং)।
"পুন্সি খোঙচৎতা হ্বীল চেযবদা মহাবাজকুমাব"
(পোক্লফম; ১৭/২/৯৯ ইং)।
"কুনমাথোইশুবা চহীগী অঙনবা অযুকসিদা"
(পোক্লফম; ১৮/২/২০০০ ইং)।
"ব্বাবী কয়া লীবিবা খুইববা মাযগী ময়িশিং"
(পোক্লফম; ১৬/২/২০০১ ইং)।
"গুণ কয়ানা লৈতেংলবা মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত সিংহ"
(পোক্লফম; ১৫/১১/২০০৫ ইং)।

১৫। তাং ৩০/১০/০৫ ইংদা পোক্লফম, সঙাই এক্সপ্রেস, যাকাইবোল, থৌদাং, মান্নবা-দা ফোঙখিবা এম কে বি বি লৈখিদবগী পাউগী ব্বাবোলশিং।

(ঘ) বুকলেটঃ

১। মণিপুবগী বাজনীতি দলশিং অমসুং মন্ত্রী মন্দলশিং
-- মোইবাংথেম ইবাবত সিংহ।

২। শ্রীমাইবেম্বম কোইবেং সিংহগী পুন্সি অমসুং থবক
- মোইবাংথেম বাজেন্দ্র সিংহ।

(ঙ) উনজকবা মীওইশিংঃ

১। বাজকুমাব নিমাই সিংহ
সনখ্যাগী মনাও ইবুংঙো শ্রীখেদাসনা সিংহগী মচাইবুংঙো।

২। খাইদেম প্রমোদিনী
সনখ্যাগী পুন্সি খঙলকপী শক্লাইববী অইবী।


৩। থোইদিংজম তোম্বী সিংহ
লাই যেকপগী লমদা সনখ্যাগা তিন্নবকপা।

৪। বী এম মাইস্নাম্বা
স্পাইনিং মিলগা মবী লৈননা সনখ্যাগা তিন্নবকপা।



MANIPUR STATE INTERIM COUNCIL - (14th AUG.,1947 - 7th OCT.,1948)

(L - R) - Major R Khathing B A M B E M C Minister-in-charge of Hills Administration & Manipur Rifles Sj Krishnamohon Singh M A B L Finance Minister Sj R K Bhubon Singh Revenue Minister Capt Priyabarta Singh Maharaj Kumar Chief Minister Maulvi Bassiruddin Ahmed B A Medical P W D & Jail Minister Sj K Gowro Singh B A Minister Education & Local Self Government T C Tiankham B A Forest & Agriculture Minister



এমঃ কেঃ প্ৰিয়ব্ৰতনা নহা ওইরিঙৈগী ফোটো।

মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালগী ১৮শুবা *য়েন্নীং* ফোঙবা

খৃষ্টগী কুম ২০০৬কী এপ্রিল ৩০দা মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালগী ১৮শুবা *য়েন্নীং* চেফোঙ থৌবালগী টেবল টেনিস ইন্দোর ষ্টদিয়মদা নিংঙোম্বম সনাতোম্বী দেবীগী ৱারী মচাগী লাইরিক *নাউহোং* গা লোয়ননা ফোঙই। ইকায় খুম্নজরিবা মণিপুরগী গবর্নর দা. এস এস সিদ্ধুনা চীফ গেষ্ট, দা. এম নরা এম এল এ না গেষ্ট ওব ওনর অদুগা মণিপুর সাহিত্য সমিতি,থৌবালগী প্রসিদেন্ট এল ইবোচৌ সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইবীখি। লাইরিক অমসুং চেফোঙ অনীমক চীফ গেষ্টনা ফোঙবীখি। লাইরিক্কী মরমদা দা. এম প্রিয়ব্রত সিংহনা ৱা ঙাঙখি অদুগা *মহারাজকুমার প্রিযব্রত সিংহগী পুন্সি অমসুং থবক* হায়বা *য়েন্নীং*গী ৱারেং অদু পাথোক্লবগী খুদোংচাবা অদু ঐহাক্না ফংজখি। ১৮শুবা *য়েন্নীং* অসি মণিপুরগী অহানবা মণিপুরী চীফ মিনিষ্টর ওইবীরম্বা মহারাজকুমার প্রিযব্রত সিংহদা কত্থোক্লুনা ফোঙবনি। গবর্নরগী এদভাইজর শ্রীআর কে নিমাই সিংহ আই এ এসনা মহারাজকুমার অসিগী মরমদা ৱা ঙাঙবীখি। ঐঙোন্দা অমসুং দা. এম প্রিয়ব্রত সিংহদা পীবিবা মতম অসি মিনিৎ ১০।১০ গীনি। য়েন্নীংদা যাওবা ৱারেং অদু পাথোকপদা মতম য়াম্না চঙগদবা মরম্না মদুগী মহুৎতা অতোপ্পা চেরোল অমা য়াম্না শম্না ইথোক্লগা মিনিৎ ১০গী ওইনা পাজখি। চেরোল অদুগী কোপী তিল্লিবা মীয়ামদা য়েম্নোকচখি। ৱারোল অদুদি মখাগী অসিনি:

মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবাল

'য়েন্নীং' (১৮শুবা) ফোঙবা থৌরম

মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত সিংহগী শন্নপ্পা পুন্সি ৱারী

মণিপুরীশিংগী মনুংদা মণিপুরগী অহানবা চীফ মিনিস্টর ওইবীরম্বা মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত সিংহ অশম্বীদা এম কে পি বি, কেপটেন পি বি হায়নসু খঙনবা, সনখ্যা সনায়াইমা হায়না মীযাম্না ইকায়খুম্নবা, চীংমীনা শমখুৱা পিবি হায়না নুংশিনা কৌজবা, লম কয়াদা শীংথানীংঙাই ওইখিবা মীথোই মীহেল্লবা মণিপুর ইমাগী নুংশিজরবা মপারি অসি খৃষ্টগী কুম ১৯১১ গী ফেব্রুযারী ১৭তা মণিপুরগী সনা কোনুংদা পোকই। মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত মণিপুরেশ্বর মহারাজ

চুডাচান্দ সিংহ অমসুং রাণী শ্যামাসখী দেবীগী অনীশুবা মচা ইবুংঙোনি অদুগা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহগীনা মনাও ইবুংঙো অমসুং মহারাজকুমাব খেদাসনাগীনা ময়াম্বুং ইবুংঙোনি।

যাম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা রাইপুরদা লৈবা রাজকুমার কলেজদা লাইবিক তম্লকই। মরক্তা রাইপুরদগী হল্লক্লগা মশাগী চহী ৯লোম শুরকপদা খৃষ্টগী কুম ১৯২০ দা ইংলেণ্ডগী বর্নিমথতা লৈবা মাউন্ট প্লিজেন্ট স্কুলদা লাইবিক তম্লকই। থা ৬লোম লৈবম্লগা অমুক হল্লকই অদুগা রাজকুমার কলেজদা মখা তমথৈ। অদুদগী এলাহবাদকী ইৱিং খৃষ্টান কলেজ অমসুং য়ুনিবর্সিতিদা মেদিয়েবেল হিষ্টরী অমসুং পোলিতিক্সতা ইদি তৌই অদুগা খৃষ্টগী কুম ১৯৩৬তা এলাহবাদ যুনিবর্সিতিদা গ্রেজুযেত লোইশিল্লি। বাজকুমাব কলেজদা তম্লিঙৈদা সার জে জে স্কুল ওব আর্টস, বোম্বেদগী লাকপা ওজা গোপাল গোবিন্দ কানেৎকরদগী লাই যেকপসু তমখি।

গ্রেজুযেত লোইরগা মহাবাজকুমাব প্রিযব্রত মণিপুরদা থোক্লকই অদুগা খৃষ্টগী কুম ১৯৩৬তগী ১৯৪১ ফাওবা মণিপুর স্টেট দববাবগী মেমবর ওইদুনা লৈবাক ঙাকলোন অমসুং রায়েন থৌদা পুবদা শরুক যাখি। দবাদুন্দা ইন্দিযান মিলিটরী একাদেমীদা মিলেটরী ট্রেনীং ফংলবা মতুংদা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মনুংদা খৃ· ১৯৪২দা দববাব মেম্বর থাদোক্লগা আর্মীদা চঙ্ংদুনা অসাম বেজিমেন্টদা যাওদুনা বৃতিশ আর্মীগী কেপটেন অমা ওইনা লানদা শরুক যাখি। ইং কুমজা ১৯০৭তগী লৈরকখিবা মণিপুব ষ্টেট দববাববু খৃ· ১৯৪৭কী জুলাই ১দা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল হাযনা ওন্দুনা হান্নগী দববাবগী প্রসিদেন্টপু চীফ মিনিস্টর হাযদুনা মেজব এফ এফ পিযার্সন্না মণিপুরগী অহানবা চীফ মিনিস্টব ওইবা মিনিস্ট্রি অদুদা মহারাজকুমাব প্রিয়ব্রত মিনিস্টব অমা ওইনা লৈঙাকপা যাওখি। বৃতিশনা ভাবত থাদোক্নুনা চৎখিবা তাবকপগা লোয়ননা মণিপুবদা পিযার্সনগী মিনিস্ট্রি অদুসু মতম লোইবা তাখি। খৃ· ১৯৪৭কী অগষ্ট ১৪দগী ১৯৪৮গী ওক্তোবব ৭ ফাওবগী মনুংগা মণিপুবদা ইন্টবিম পেবিযদকী মিনিস্ট্রি অমা লৈখিবদুগী চীফ মিনিস্টব সনখ্যা পি বিনা ওইখি অসুম্না মণিপুবীশিংগী মনুংদা অহানবা চীফ মিনিস্টবদি সনখ্যা পি বিনি। মণিপুব স্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭কী মতুং ইন্না মণিপুরদা ১৯৪৮ ইংদা ইলেক্সন তৌখি। ইলেক্সন অদুগী মতুংদা লার্কখিবা সবকাব / মিনিস্ট্রি অদুগী চীফ মিনিস্টবসু মহারাজকুমাব প্রিযব্রত সিংহনা ওইখি। ইং কুমজা ১৯৪৯গী সেপটেম্বর ২১দা মহাবাজ বোধচ

দ্র সিংহবু শিলোংদা মণিপুরনা ভারত্তা তিনবগী য়ান- ৱারোল চেদা নমদুনা সহি তৌহনখিবগা লোয়ননা চহীদুগী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুব ভারত্তা তিনখি লোযননা মহারাজকুমাব প্রিযব্রতগী মিনিস্ট্রিগী মতমসু লোইশিনখি।

মসিগী মতুংদা সনখ্যা পি বি সোসিয়েল এক্টিবিস্ট অমা ওইনা থবক তৌখি। অরাপ্পা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা চৎতুনা মফমশিং অদুদা খুন্দারিবা ফুরুপশিং নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখি । মহাকপু খঙদবা নুংশিদবা মমিং তাদবা মীশক মণিপুরদা ইরৈ লৈখিদে। নীংশিংবা যাই মোরে টাউন মনাক্কী প্রেমনগর মহাক্কী মীংদগী লৌদুনা প্রিয়নগর কৌরমবদগী প্রেমনগর হাযনা খঙনরিবা অসিমক মহাক্না হোৎনখিবা কযাগী মহৈনি।

মহাবাজকুমার প্রিযব্রত তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী থৌদাং কয়া লৌবীবখী। ভাবত সেবক সমাজগী কনবেনব, মণিপুর কলচবেল ইন্টিগ্রেসন কনফবেন্সকী প্রসিদেন্ট, মণিপুর স্টেট পোলো কমিটিগী প্রসিদেন্ট, এক্স সার্বিসমেন লীগকী প্রসিদেন্ট, ললিত কলা একাদেমী নিউ দিল্লিগী জেনেরেল কাউন্সিলগী মেম্বর, আর্টিস সোসাইটি মণিপুরগী ভাইস চেযাবমেন, মণিপুব স্টেট কলা একাদেমীগী ভাইস চেযাবমেন, মণিপুর স্পাইনিং মিলস কোর্পবেসনগী চেযারমেন অসিনচিংবা ফমশিং পাযদুনা লূপাশিং অসিগী থবক ফজনা পাঙথোকপীবখী। মাসগী মথক্তা ডি এম কলেজ, জৱাহবলাল নেহরু যুনিবর্সিটি পোস্ট গ্রেজুয়েত সেন্টব, মেডিকেল কলেজ, এগ্রিকলচবেল কলেজ, মণিপুর রাইফলস, এম এস টি, মণিপুব স্টেট বেঙ্ক অসিনচিংবা লিংখৎপদা থাংবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখি।

সনখ্যানা পাঙথোক্লম্বা থবক কযাবু ইকায খুম্নবা অমদি শকখঙবা ওইনা মনা মথুম, খুদোল, উপাধি অমদি এৱার্দ কযা লূপ অমদি ইন্সটিট্যুৎ কযানা পীদুনা ইকায খুম্নবা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎখি। মণিপুব স্টেট কলা একাদেমীনা ১৯৮০দা ফেলো, মণিপুব যুনিবর্সিটিনা ১৯৮৮দা ওনবেবী ডোক্তোবেট দিগ্রী, কলচবেল ফোবম মণিপুবনা ১৯৮৯দা থোইবী এৱার্দ, মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ ইম্ফালনা ১৯৮২দা শিল্প ভুষণ অদুগা ২০০১দা শ্রীমৎপবমহংস স্বামী যোগেন্দ্রানন্দ গিবি নীংশিং মনা, সিনে আর্টিস্ট এন্দ তেক্নিসিযান এসোসিযেসন্না ২০০৫দা এস এন চান্দ এৱার্দ অসিনচিংবা উপাধি মনা মথুম এৱার্দ কযা পীদুনা সনখ্যাবু ইকাই খুম্নখি।

মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত শক্লোন য়াম্বা মীশক্লি, শিন শুই, লম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌখি, লময়ানবা ওইখি, মশক মতৌ ফজে, ঈং তম্বী, মোং হাদে, অচৌ-মচা চীংমী-তম্মী খায়দনা মীপূম খুদিংগা তিন্নবা য়াই, অৰাংবা থাক্কী ফমজাও কয়া পায়রম্মী, দরবারগী মেম্বরনি, আর্মী ওফিসারনি, চীফ মিনিস্টর ওইরম্বনি, নিংথৌ কোম্দা পোক্লবসু অচৌবা ফম পায়রম্লবসু য়াম্না চম্না পুন্সি লেনখিবনি, অযুক্কী চারানা লূকনা ওইরগা নুমিদাংগীনা হৈ-রানা চারা নোংখন্নখিবনি, সোসিয়েল ৱার্করনি, ফিল্ম মেকরনি, লাইয়েকপনি, লাইশাবনি, উশুবনি, পুন্সি চূপ্পা ময়ূম পানখিদবা মচা লৈতবা অদুবু মীওই কয়াবু মাগী প্রজাবু মচামক্লি খনখিবা অচান মীরায় নাইদবা মীশক্লি, মণিপুরগী অপূনবা শক্তম মাঙহন্নীংদবা, মরৈবাক্কীদমক লান থেংনবদা লৈখিদ্রবা শকখঙদবা লাম্মীশিংবু নুংশিজবা দেশ ভক্ত অমনি, শেনজা থুমজা ৱানোম খোংনোম য়াদবা ফাইনান্সিয়েল দিসসিপ্লিন লৈবা মীশকনি।

অসিগুম্বা মণিপুর ইমাগী চাউথোকচনীংঙাই ওইরবা মপারি অসি মশাগী চহী ৯৪গা থা নিপাললোম শুরকপদা মশাগী শঙ্গায় পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা কোম্বীরৈ হাউসতা খৃ: ২০০৫গী ওক্টোবর ২৯দা নুংশিজরবা ইমুং মনুং অমদি প্রজা মীয়ামবু থাদোক্লগা তাইবঙ সংসারদগী বিদায় লৌদুনা মাগী আত্মানা মপু মাগী মশাইগোম্দা চঙজখি।

এপ্রিল ৩০,
২০০৬ ইং

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ
এক্সিকিউটিব মেম্বর,
মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবাল





এম কে প্রিয়ব্রত সিংহ



থ্বীল চেয়রদা এম কে প্রিয়ব্রত সিংহ



থৌরম অমদা এম কে প্রিয়ব্রত সিংহ






হুইল চেয়রদা এম কে প্রিয়ব্রত সিংহ



হুইল চেয়রদা এম কে প্রিয়ব্রত সিংহ অমসুং থোইদিংজম তোম্বী





থোইদিংজম তোম্বী সিংহ

(এম কে পি বিগী ফোটোশিং পীবীরকপা)



ষ্টীল চেয়রদা এম কে প্রিয়ব্রত সিংহ অমসুং থোইদিংজম তোম্বী



আর্ট একজিবিসনদা মীয়ামগা লোয়ননা এম কে প্রিয়ব্রত



আর্ট মেলাদা এম কে প্রিযব্রত সিংহ ময়ামগা লোয়ননা



ভিজিতব অনীগা লোয়ননা এম কে প্রিয়ব্রত সিংহ



এম কে প্রিয়ব্রত সিংহ



এম কে প্রিয়ব্রত সিংহনা থৌরম অমদা মৈরা চুখৎপা







এম কে প্রিয়ব্রত সিংহনা লৈখিদবদা

নোঙ্‌-ৱাহৈ খরদং

মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালনা থা ৬।৬ কী ওইনা মসিগী চেফোঙ "য়েন্নীং" মণিপুরগী শরুকাইরবা মীওই অমমমদা কখোকচদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা চহী খুদিংগী সেপ্টেম্বর অমসুং মার্চ থাদা হেক হেক থোঙই। করিগুম্বদা অথন্নবা চেফোঙ ওইনা মথক্কী থা অনী অসি নত্তবদা থোঙবা চেফোঙসু য়াওই। চেফোঙ খুদিংমক্তা সমিতিনা ইকায়খুম্ন জবিবা মীশক অদুগী পুন্সি ৱারী যাওনা থোঙই। মণিপুরগী চীফমিনিষ্টর ওইরীবন্না লৈখিদ্রবা শ্রীমাইরেম্বম কোইরেং সিংহদা কখোকচবা "য়েন্নীং" খৃষ্টগী কুম ২০০৪ দিসেম্বর ১৯ (লৈখিদ্রবগী ৮৯শুবা মপোক নুমিৎ)তা সমিতিনা মীথোই মীহেল্লবা মীশক অসিগী ইমুং মনুংগা তান্নদুনা ১৪শুবা "য়েন্নীং"(অথন্নবা চেফোঙ) লৈখিদ্রবগী যুম মোইবাংদা কে াঙনবা খন্নখি। নোংমগী অয়ুক অঙনবনি। ঐশাক তৃম্বদগী হৌগৎপদা মঙায়বি। ইনাও দা. এম. প্রিয়ব্রত ঐগী যুমদা লাকই। হাযবৈ "তাচৌনা উপায় অমত্তা তৌবীয়ু, ঐহাক হাযদ্রবাদ'তা চত্তবা যাদবা অমা লৈবে, সমিতিনা ঐঙোন্দা শিন্নবীবা মোইবাং কোইরেংগা পুন্সি ৱাবী অদ্ তাচৌনা খবা ইবীয়্।" "কবিনো হার্যাবিবদুবো ঐাদ মদ্দা কবিস্ খঙবা নত্তে" হায়র্বান। অদুবু হেনফন্দবদগী অর্মাদ সার্মাতিনসু কোন্না ঐঙোন্দা শোযাবা যাদবানি হাযনা শিন্নবীবদগী ঐহাক্কা পুন্সি ৱাবীদু ইবা তাখি। নোংমা মোইবাং তান্না সমিতিগী প্রসিদেন্ট লিসম ইবোচৌ সিংহ, হান্নগী প্রসিদেন্ট আই এস অকোইজম, য়েন্নীংগী এদিতর দা ১০ শরৎচন্দ্র সিংহগা লোযননা চৎতুনা লৈখিদ্রবগী মশু ইবুংঙো সঞ্জিব, মমাক ইবুংঙো হরে ভাই অমাদ অতৈ ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা তানদুনা অর্মাদ ইবদা চঙগদবা মচাকশিং লৌভাদনা পুন্সি ৱাবা ইনবা থৌবাং তৌজখি। মসিগী মমাঙদা খৃষ্টগী কুম ১৯৯৫গা দিসেম্বর ১৯দা M Koireng Memorial Trust, Moirang না "80th Birth Anniversary of Shri M. Koireng Singh" গা মরী লৈননা পুথোকপা (য়েঙলা), Souvenir অমসং অতৈ চে-চাং খর্বাদ লাইবক ফবদগী ফংবা ঙমজখি। হার্যবিবা মচাকশিং অর্মাদ ইমুং মনুংগা ৱাবা শানজবা অসিদা যমফম ওইবগা মহাপুরুষ অসিগী পান্ধ বাবা ইজর্বনি। মচাকশিং অসিদগী খজিক খজিক্তং লৌখৎচবগা যাম্না শন্না ইজর্বান। নোংদম অমদগী তোল্লবনা ইর্জখিবা "য়েন্নীং" গা ৱাবেং অদ অমুক হন্না পথোকচাব। বাবেং হন্না পল্লগা য়েঙজগে খঞ্জাববা ৱাবেং লাইবিক **"নোংদম"** দা যাঙগদবা বাবেং অসি ঙ গা শ্রীকোইরেং সিংহগী ৯০শুবা মপোক নুমিৎ (তাং ১৯ ১২-০৫ ইং)গা মরী লৈনন বুকলেট অমা ওইনা পুথোকচর্বানি। ৱাবেং অসিদা অশোয় অঙাম অবান অহুই, হেক্লিনবা অবাৎপা পন্না খাইনা ঙাকপীনবা কোক নোঞ্জবি।

মঙৈনা

শ্রীমাইরেম্বম কোইরেং সিংহগী পুন্সি অমসুং থবক

মোইবাং ! পুন্নমক্না খঙই লম্মংশি অমগী মিংনি। অদুব্ মসিমসু পুক্নীংদদি তত্তনা ফাওনৈঃ ব্রাহৈ অসিতনদি মপুং ফাদে। ব্রাহৈ অসিতা মদোম তবক লেপ্তুনা লৈবদা পকচদবগুম তৌই। কবিগুস্বদসু ফদোংলবা মতীক-মগুণ ফোংদোকপা ব্রাহৈ ওইনা ওন্থোকখিদবসু নত্তে। ব্রাখলদগী থম্মোয় যৌনা হেক্তা য়ৈরে। থম্মোযদগী খোন্থাং ওইনা খবদং পঞ্জরবদা সভাতা অমদি পবমপরাগা মরী লৈননা মোইবাং পর্ব, মোইরাং হরাওবা: ইপা-ইপু হাক্তক্তগী কাউঙমদ্রবা মোইরাং ফৌ; ইমা-ইবেন মতমদগী পুক্নীংনা খোযদাজবকপা মোইবাং ফিজীন; মীথ অমদি লিজেণ্ডরি ফিগবশিং, রাজনীতি লুচিংবশিং অমদি অতৈ কযা... মোইরাংগী মোইবাং-শায়োন, খম্বা থোইবীদগী অনৌবা মতমগী মণিপুরী লময়ানবশিংগী মনূংদা অমা ওইখিবা মোইরাং কোইরেং শীংথাবদা মতীক চায়। পুম্নমক অসি মতমগা চান্ন-চান্নবা হীরম ওইনা লৌখৎতুনা নৈনরীবা বিষয় ঙাক্তনি। শৈশক ওইনা মণিপুবগী কাচিন কোয়া শিন্থুংনা ! অব্রাংবা শিক্ষাগী হীরম ওইনা কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী ফক্লাং মরিগী অকোয়বদা। অদুবু লাইবক থীবিবদি অমত্তনি। মদুদি অকোনবগী

ব্রাহে মোইরাং কোইরেং। নীংশিংবা কোঙ্গায়, শোন্নবা লাক্কা মরক্তা অইবা ইতিহাসকী লামায় কয়াদগীদি তত্তনা চিথ্বরীবা; ময়েক শেংফাত্তনা খোঙ্গুল লীবীরিবা, মপুং ফাদনা শক্তম য়েকপীরিবা, চিংনবীবা অমা য়াওনা য়েংবীরিবা লময়ানবা,লমতাকপা, লমজিংবা অমগী থাক্তা হৌজিকসু লৈরীবা, লৈবগুম তৌরীবাঃ মোইরাং কোইরেংগী পুন্সি অমসুং থবক ! অচৌবা মীগী পুন্সিদি মীয়ামগী লাওতক্লুফম্নি। ইরায় লায়না হেক্তা কোকহনবা ঙম্বা লাওতক্লবা নত্তে। মহাক্কী মতীক মগুণবু অশেঙবা খরা থাদুনা খঙবা ঙম্নবা হোৎনজবা অসিমক লৈবাক্কীদমক তৌদবা য়াদবা থৌদাং অমনি খঞ্জদুনা লম অশোমদা অইবনা খ্বায়দগী নোল্লুকচবা মওংদা চঙশিঞ্জরি। ব্রাফম অসিমদি পঞ্জনীংইঃ অদুঙৈগী মণিপুরগী ইতিহাসকী ব্রাফম খন্না-নৈনবদা মোইরাংগী ইতিহাস য়াওদবদা মপুং ফারোই; মণিপুরী কলচরগী মতাঙদা মোইরাংগী ব্রাফম চিথবা চুন্লোই; রাজনীতিগী মতাঙদসু অসি মঙায়ঃ মণিপুরগী রাজনীতিগী ক্ষেত্রদা মোইরাং অমসুং মোইরাং কোইরেং নাথৈরম্বা লানগনি। মরম অসিদগী হৌজিক্কী মণিপুর (মোর্দন মণিপুর) অমা ওইননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবা মীয়াম্না মোইরাং কোইরেং হায়না খঙনবা শ্রী মাইরেম্বম কোইরেং সিংহগী পুন্সি ব্রারী মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা লৈবা তাই নীংশিংবা তাই, কাউফম থোকতে।

পোকপাঃ

শ্রীমাইরেম্বম কোইরেং সিংহ মীয়াম্না মোইরাং কোইরেং হায়রগা খঙনবা মণিপুরগী রাজনীতিগী অতিয়াদা মতম অমদা লংলবা থব্রানমিচাক অমগুম ঙাল্লম্বা, দেশ ভক্ত অমা ওইবগী গুণনা লৈতেংলবা মীথোই মীহেল্লবা মীশক অসি খৃষ্টগী কুম ১৯১৫ গী ডিসেম্বর ১৯ (খোংবান্তাবম চাওবগী কুম শক ১৮৩৭) যাইফরবা নুমিৎ অসিদা মণিপূরগীতা নত্তনা ভারত পূম্বগী ওইনা চাউথোকচনীংঙাই ওইনা মণিপুর তম্পাক্কী মখা মায়কৈদা ঙাম্মোইনা লৈরিবা মোইরাংনা মপারি অমা ওইনা ফংজখি। অপোকপগী মীংনা শ্রী মাইরেম্বম চাউয়াইমা সিংহ অদুগা অপোকপীগী মিংনা তোম্বীচৌ দেবী কৌই। মহাক্কী অপোকপা শ্রীচাউয়াইমা সিংহ সনা কোনুংগী ফম্নাইবা নোংথোম্বা ওইবা মরম্না মীয়াম্না নোংথোম্বা হায়রগা অদুম খঙনৈ। নোংথোম্বগী মচানুপা মঙানি (মৈন্যাসিং, অঙাং য়াইমা, নীলচন্দ্র, তাম্বুলো, কোইরেং), মচানুপী অহুমনি (তম্পাক, লৈহাউ, অশংবী)। শ্রীকোইরেং সিংহ অপোকপা অপোকপীগী মঙাশুবা অমসুং ইতোন তোনবা মচানুপানি।

অঙাং ওইরিঙৈঃ

নুংঙাই য়াইফবা অমদি লৈবাক্কী ফম্নাইবা অমগী ইমুংদা পোকপা ওইজদুনসু পুক্নিগী অৱা অনা কয়াগী চৈথেংদি মশা খঙদ্রিঙৈদগী থেংনবকখি। অপোকপী মমা, মচাগী নুংশিববা নোকখেবগী চেংলৌ শকফম উবা ফংদনা, মপাবি অসিবু ফংজববা মতুং নুমিৎ ৯নি শুবদা তাইবঙ সংসাব থাদোক্লুনা নুংশিজবা শাগে নাতৈ মবী মতা অমদি মরূপ মপিজা কয়াদগী অবোইবা বীদায় লৌখি। নৌনা অপোকপী কায়নববা কোইবেং মপা ইবুংঙো চাউয়াইমগী পু তিন্নবা ময়াম্বা মাইবেম্বম নিংথৌ সিংহ অমসুং মাগী লোয়নবী চাউবীহন্না মচা পিবা তাঙবনা য়োকচগে হায়দুনা য়োকই। কবিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক অমদগী হান্না মাইবেম্বম লৈকাযদা লৈবম্বদগী য়োকচবী মমা চাউবীহন্না যাদবদগী লাইশংবম লৈকায়দা হোংদোক্লুনা মফমদুদা কোইবেং চাউবকই। লৈকায় অসিদা লৈববা মতমদা মহাক দাইবিযা লাযনাগী অৱা চৈথেং ফংখি। হিংগনি হায়বগী আশা থাদোক্লখি। মাইবনা খূৎ থাবে, শিবনি হায়দুনা কপ্লবে। লাইগী নোংদর্মনি হাযগদ্রা নৎত্রগা কবিগুম্বা থৌইনশিন অমদগীনি হাযগদ্রা নৎত্রগা শুম থোকউ তম্বননি হায়গদ্রা ময়াম্না থৱায ৱানবিঙৈদা মহৰ্শক্তি তবঙদা মঙ ওই, হা ওই মমীৎতা কবিগুম্বা অমা উবগুম তৌমাল্লে, চোইবোল পবোল লোল্লকখি মমীৎতা য়ুবেম্বম থম্বৌ মাইবগী মমাঙ পুষ্ত্রীগী লূববা ঈশিং অদু উবকখি। পুষ্ত্রী অসি কনবনা মী থোইনা চঙনদে, ঈশিংদি যাম্বা লূই। লাইশংবম লৈকায়গী নাকন্দা লৈবনা অঙাং ওইবিবা কোইবেংদি মহাক্না শান্ন-খোৎনবা চৎপদা মবক মবক্তা পুষ্ত্রী অসিদগী ঈশিং হেক হেক থকই। ঈশিং অদু ঙসিসু থক্লীংলুবমাল্লে। মঙ ওই হা ওই উখিবদু তাইবঙদা ময়া কাথোবকই। চানীংবা পীজবো থক্লীংবা পীথকলো থিংউবনু শিবগদবা ইচানি হায়দুনা ঈশিং পীথকই। য়োকচবী মমানদি হিংগনি হাযবগী আশা পূমথা থাদোকখি, কপ্লুনা তেংথাবকই "নহাক্কী অশেংবা নমাদি তোম্বীচৌ কৌবনি। হোবেল যমগী লৈবাক যৌবগা নমা নচা উনৌকো।" অঙকপনি ঈশিংদু থক্লুবদগী জ্ঞান খবা খবা লাকখি অদুগা মহাক্কী অশেংবা মমা শিগ্রে হায়বা মতম অদুদা খঙখি।

হায়নৈ অঙাংদি নীংথাদা খঙই। অসুম্না কোইবেংসু কবম্বা মীশক ওইবক্কদগে হায়বা অঙাং ওইবিঙৈদগী শকতাক্লকই। অঙাং ওইবিঙৈদগী হৌনা পাইবক্কী লৌশিং ফবকই, মবীল য়াম্না লৈবকই, মমান্নবা মবক্তা শল্লুপ পুবকই, মীকি লাইকিবক্তে, কবিগুম্বা মতমদসু ঙাওশিন্নবকই। খুম্বক্কা খুনখাগা মূক্লা তকখৎনবকপদা মপা লৈবকতে। মূক্লাদা নক্তে

কাঙজৈসু ফবকই। মাগী মতমদা অঙাং ওইবিদৌদা যাউশঙগী চৎনবী ওইনা শীং হূবানবা, মনা মশীং হূবানবদা মহাক অদুম মকোকনি, ফাবসু কোঙ্গাযনি। খোংনাং পাম্বীদগী খোংনাং চনম্বী চৈদা তৈবগা কৈথেল কূম্নকপী নুপীশিংগী থুমোক্তগী কবোক নপহন্দুনা লৌবগা মমান্নবশিং চামিন্নবদা নুংঙাইজৈ হবাওজৈ। কৈথেলদা হৈকক যোনবী মবক্তা থৌওইনা তুশিন্নবগা ইন্নফি ঙাবোংদা নপ্পকপা হৈকক ময়াম মমান্নবশিং চাদুনা নোকমিন্নৈ। অসুম্না ঙাওশিন্নববসু কৈথেল কাবী ইমা ইবেলশিংনা কোকতা লুবাক পুদুনা চৎপদা ষণ-কৈবাক শাববা অনানবা লম্বীদা তুবা কয়া অদুদি যেংবা ঙমখিদে। মখোযগীদমক লম্বী নাকনগী খোংবান্দগী কবোকং চিংখৎতুনা ষণ কৈবাকশিং অদু মেনশিল্লি। লম্বীগী খুদোংথীবা নুংঙাইতবা কযা অসিদা মমৈদা মহাক্না লম্বী ফাওনবমদবা হিনা চৎনবম্না থাঙ্গ তাবা লম্বী অমসুং অতৈ লম্বী কযা শেম্বদা পূক্নিং চিংশিন্নবগী মবম ওইখি।

মহৈ মশিংঃ

শ্রী কোইবেং সিংহনা অঙাং ওইবিদৌ মতমদা মোইবাংদা অমত্তা ঙাযববা স্কুলদি মোইবাং লোৱাব প্র'ইমার্বি স্কুর্লনি। স্কুল অসিদগী মহাক ক্লাস টু ফাওবগী শিক্ষা ফংখি। মখা তমথগে হাযববদি ইম্ফালদা চৎপা তাই। মতম অদুদ' লম্বী খোংগা ম ৩া ৫ নীংশংলববদি অকিবগী মশক ওইনা যাম্না খুদোং থীবম্মী। হৌজক্কী মী'বোম্না থাজ• ববোই। ইম্ফাল তান্না কনাগুম্বা অমনা মোইবাংদগী চৎপা তাববদি খোঙনা, ষণগাউীনা নৎএগা হিনা লোকতাক লাম্হোক্লগা নম্বুল তুবেল তাবগা খ্বাইবম্ব্দ বাজাব তাবা তাই। অসিগুম্বা মতম অসিদনি কোইবেংনা খাগেম পল্লি, ইম্ফালদা লৈবগা বেঙ্গালি হাযস্কুলদা মেট্রিক্কী থাক ফাওবা লাইবিক তমখিবা। যাম্না ফবা মঙাল নাইববা ছাত্র অমা ওইবকপনি। সনাখ্যা ব কম সনাগা (বাজকুমাব সনাহল সিংহ বি কমগা) বোল নম্বব (মকোক মথং) মন্নবকই। অফবা ছাত্র অমা ওইনা হৌবক্লবসু বাজনীতিনা চাহৎতুনা পবীক্ষাবোমদা পূক্নিং চঙশিনব নাৎলকখি। শান্ন খোৎনবগী লমদসু অফবা প্লেযাব অমা ওইবকখি, খন্ডুগা কম ১৯৩৮ অসিদি মহাক্না বাজনীতি ক্ষেত্রদা নিখিল মণিপুবী মহাসভা যাওদুনা পূক্নিং চঙশিনাখব মতমনি। পূম্নমক অসিনা মবম ওইদুনা চহীদুগী মেট্রিক পবীক্ষা (১৯৩৮) পাস তৌখিদে। বাজনীতিনা ঙমখিবদগী মতুংদা অমুক পবীক্ষা থাখিদ্রে। অদুবু মঙকপদি মহাক ইংবেজিদা নত্তনা বেঙ্গালী লোল যাম্না ফজনা মমাবোলগুম্না ঙাঙবা ঙমই। খূদম অমতুং পনবা তাববদা

মহাক্না চীফ মিনিষ্টব ওইবা মতমদা মহাক্কী লোযনবী ইবেমহল দেবী লৈখিদে। মতুংদা লোযনবীগী অস্তিফুল থাদক্লবগা নবদ্বীপুগী কোলকাতাদা থোক্লকপদা চহীদুগী (১৯৬৩) অঙাংগী নুমিৎ কোলকাতাদা পাঙথোকপা থৌবমদা নোংচুপ বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টব কবিগুম্না থবক অমগীদমক চৎথোকখি (আউত ওব ষ্টেসন ওইখি) বেঙ্গল সবকাবনা ষ্টেট ফঙ্কসন অদুগীদমক চীফ-গেষ্ট ওইবিনবা শ্রী কোইবেংদা হাযজখি। ফঙ্কসন্দুদা যাওবা কোলকাতাগী মীযাম্না মনিপুবগী চীফ মিনিষ্টবনা ইংবাজিদবা মণিপুবীদবা কবম্না লোলদা ভাষণ পীবক্কদগে খঞানবিঙৈ ঙকচানবিঙৈ মতম অদুদা কোইবেংনা বেঙ্গালী লোলদা মমালোলগুম ব্রঙ ব্রঙ ঙাঙথোক্লকপদা তিল্লমখিবা বেঙ্গালী মীয়াম মমীৎ কৃপুনা যেংখি, ময়া কানা ভাষণ তাখি। অসুম্না ঙাঙথোকলক্কনি থাজদবদগী মখোয পূমঙক ঙক্লখি। খৃঃ কুম ১৯৩৮ মেত্রিক পবীক্ষাগী চহীনি, যূম্নানবগী (লুহোংবগী) চহীনি, বাজনীতিগী লমদা থৱায যাওনা চঙাশনবা চহীনি। মসিমক্লা ওইবম্না যাই মেত্রিক পবীক্ষা লাম্থোকপা ঙমখিদবা।

নহা ওইবিঙৈঃ

লাইবিক লাইশুগী লমদা অহানবা তাংকক্কী ওইনা মোইবাংদা লোইবগ ইম্ফালদা লৈদনা মখা তানা লাইবিক তমখি। স্কুলগী ছুটি লৈবা মতমদা মযুমদা লাকতুনা মমান্নবা ঔমিন কামিম্নবকপা তবামুক্কা লোযননা মোইবাং যুনিযন ক্লব ধনা কৃপ্লগা লাইশংবম লৈবাযদা লিংখৎলি। শ্রীকোইবেংনা লুচিংবা ওইবগা লিংখৎখিবা ক্লব অদুগী অতৈ মেম্ববশিংদি এল ইবোমচা, আব কে অঙৌসনা, মোইবাংথেম ইবোতোন, মাইবেম্বম অহনবী, কোঙ্গম কুল্লধজ, লাইফ্রাকপম মনাওবী, ককচিংতাবম কৃষ্ণমোহন, লাইশংবম মেবাজাও, মাইব্রম বীব অসিনচিংবনি। ক্লবকী মেম্ববশিংগা লোযননা নোংজা থাদা লম্বী ফণ কৈবক্লা চৎপা যাদ্রবদা শেমজিন শাজিনবগী থবকতা পক্লিং চঙশিনখি। কৃমহৈ ফিযোংদা নুপা নুপী যাম্না তিনবা মফম মতমদা থৌনী তিংদুনা নপা নপা নাকল নাকল খাইদোকতুনা ফমহনবা হৌদোকখি। মাসগুম্নসি মহাক্কী নহা ওইবা ওদদা পামজবকপা শাল লাঙবগী থৌবমনি। মতম অসিদা মোইবাংদা শ্রী হেমাম নীলমনিগা ইম্ফালদগী লাকপা হিদাংমযুম থম্বালশংবীগনা লুচিংদুনা সেবা সমিতিগী মোইবাং সাখা শেম্মী। সেবা সমিতি ইম্ফালদা খৃঃ কুম ১৯১৬ তা শ্রী ললিত মাধব শর্মানা লিংখৎখিবনি। সমিতি অসিনা মেবা থাদা ই চবোৎ ফাল্লগা লম্বী উফুল থোকপা ফনবা লম্বীদা থাবা, ঈশিং চাউববা মতমদা লম্বী থোং

শেম্বা শাবা নোংজু পাম্বাদা লম্বীদা ৱা থারগা চরোৎ নম্বা অসিনচিংবা মীয়ামগী সেবা ওইনা থবক তৌই। য়ুনিয়ন ক্লবকা সমিতি অসিগা মরী লৈনদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনৈ। শান্ন-খোংনবগী লমদা য়েংবা তারবসু নহা অমা ওইনা থৱায় য়াম্না য়াওরকই। হায়জম্প, পোলভোল্ট, হোকিনচিংবা কয়াদসু স্কুলগী মনা কয়া ফংলকখি। থিয়েটরগী লমদা নহা ওইনা থৱায় য়াওবকই। রাজনীতিদা চঙবসু নহা ওইরিঙৈদগী চঙবনি।

য়ূম্বানবগী লমদাঃ

পুন্সিগী লম্বীদা মনুং মতম চারকতুনা য়ূম্বানবগী চহী মতাঙ চাবকপগা লোয়নননা খৃষ্টগী কুম ১৯৩৮ দা কিয়াম গোপাল সিংহগী মচানুপী ইবেমহল দেবীগা লোয়নননা লুহোংদুনা য়ুম্বানবগী লম্বীদা খোঙদামিন্নদুনা পুন্সি লৈপুন ওইমিন্নখি অদুগা মচানুপা ৫ (দাঃ খেলেন্দ্রো, দাঃ মনিহাব, জয় সিংহ, প্রফল্লো সিং, হেরোজিৎ সিংহ) অমসুং মচানুপী ৩ (প্রভাপদিত দেবী, বিতেশ্বরী দৌব, প্রমিলা দেবী) ফংজখি। বাজনীতিগী লমদা খুদোংথীবা কয়া মযোক্লজববসু মাযপাকপনা মাযথীবা কযাবু নমহৎখি। অদুম ওইনমক য়ূম্বানবগী লমদদি তুংকোইনা লীশাং শীংনা মপাবি মমোমশিংগী তুংগী লাইবক শেম্বদা পু পাং শুনা হরাও মোমোন নোক্লা লৰ্মজিং লমতাকপীগদবা অদুদি নোংদম্বনা তমবিবমদ্রমাল্লে। মণিপূবনা খৃঃ কুম ১৯৬৩ দা আইন সভা ফংদুনা মহাক্লা চীফ মিনিষ্টব ওইরবা তুংদা পংকুই কুইদনা মাগী লোয়নবী ইবেমহল দেবী মপুবোইবনা বাজনীতিগী লমদা পজেং ফিরাল থেংলকপা অদু মতম কুইনা উবা ফংজৌ তমলমদ্রমাল্লে নুংশিজববা মপুবোইবা, মপারি মমোমশিং অৰ্মদি মখোয় খ্বাই পূম্নমকপু থাদোকলমদুনা লাইরমলেন্দা মাগী আম্বানা মপু মাগী মশাইগোন্দা চঙজখি। অপোকপী পলেমগী চেংলৌ শকফম খঙজহৌদ্রবা কোইবেং লোয়নবী কায়নবগী অৱা চৈথেং অমুক থেংনবা তাখি। পৃকমেন পাউমেন্নরগা কায়নবা নত্তবনিনা লোয়নবী কায়নবদা কোইরেংগী থম্মোয় হায়নীংঙাই লৈতনা শোকখি।

শ্রী এম কোইবেং সিংহগী লোয়নবী পুন্সি খোঙলোই ওইবীনা লৈখিদবা নুমিৎ অদুগী থৌদোক যাম্না পূক্লীং নুংশিনীংঙাই ওইবা অমসুং কোইরেং অসি কবম্বা মীশক্লো খঙবা মতাঙ অমনি হায়বা য়াই। পব্লিক লাইফ (মীয়ামগী পুন্সি)দা শ্রী কোইবেং সিংহ পৃকচেল শেংই ক্লিন ওই হায়বা নুমিৎতুগী থৌদোক্লা তাকই। চীফ মিনিষ্টর ওইবা কুইদ্রিঙৈ, লৈবাক্কী সেবাদা পৃকচেন শেংনা থবক তৌনীংবগী অপাম্বনা থুমহৎলিঙৈ মতৰ্মনি। মেজোব

খুল, ইম্ফালদা লৈবা মানা কাউন্সিলগী চেয়াবমেন ওইবিঙৈগী ক্বার্টবদা লৈবিঙৈদা মহাক্কী লোয়নবী শ্রীমতী ইবেমহল দেবী লৈখিদবনি। লোয়নবীনা তাইবঙ সংসাব থাদোক্কদবা নুমিৎনি। নুমিৎতুদা ঠিকাদাব অমা লাক্লগা (মহাক লৈত্রিঙৈদা) চীফ মিনিষ্টবদা চিঠি অসিমত্তা পীবীয়ু হায়দুনা লোয়নবীদা ইনবেলপ অমা শিন্নবম্মী। চুন্নগী চিঠি ওইবমাল্লে নীংদুনা লৌশিল্লগা থমজিল্লি। নুমিদাংবাই চীফ মিনিষ্টব ওফিসতগী হল্লকলে। লোয়নবীনা হবাও হব্রাও চিঠি অদু মপুবোইবদা পীশিঞ্জে। ও! ওস্থোকপনি কোইবেংনা ইনবেলপ অদু শেৎতৎতুনা চিঠি অদু পাগে তৌকব্বদি চিঠিদুদা নত্তনা লুপা চাম্মা চৎপী নোট ৪ সু য়াওবল্লে। (মতমদুদা লুপা চাম্মাগী ভেল্যু হায়নীংঙাই লৈতনা চাউই) চমজববী লাইবক থীবী ইবেমহল মবাল শূকলৈ লৈজদনা, কবিনো হায়বা শূকখঙ খঙদনা যাক্লবা মপুবোইবগী খোল্পি চাও তমস্ত্রমাল্লে, কোইবেংনা য়াওবল্লিবা পোৎতু উবদা ফ্রং শাউদুনা লোয়নবীদা ওনশিল্লগা "হযেংমক মোইবাংদা চৎস্ত্রো, ঐ ইতোম্মতা ক্বার্টবদা লৈজহৌগে, ঐনা প্রজাগী সেবা হৌবকপদা ঙাযবিঙৈদা নখোয়না ঐবু মাঙহনগদৌবে" অসি হাযবল্লগা কংগ্রেস ওফিস তান্না কাবনা লাকখি। ওস্থোকপনি, ফমথবতা ঙাযবি। যূমদগী ফোন লাকখি। যূমদা হল্লকপদদি লোযনবী ইবেমহল জ্ঞান তাবমদ্রে, ব্রাছুদুনা লৈবমলে। ও' মসিবা চীফ মিনিষ্টব ওইকব্বগী নুংঙাইবা' হান্নদগীস্ ইবেমহল অনাবা অমা ইবোয লোযনবীবনি। মপুবোইবগী শাউববা ব্রাঙাও অদুনা মাগী থম্মোযদা চৈথেং পীখ্রবা জাৎলা নৎত্রগা নোংদম্লনা সুম থোকউ তমখিবনবা ? মপুবোইবনা শাউনা চৎখিবদুদা লাঞ্জদবী মহাক্লা কবি খল্লমগবা কনানসু খঙবা গুম্লবোই ভাবনা শাগদবা মঙাযবে। নোংঙাল্লগা ইবেমহল মোইবাংদা চৎখিঃ অবোইবা খোঙচৎ, পৃক্সিগী অবোইবা খোঙচৎ, সংস্কাবগীদমক চৎপা খোঙচৎ, অমুক হল্লক্লবোইদবা খোঙচৎ। মপুবোইবগী যাথং ঙাক্লা চৎলিবা খোঙচৎ ওর্তবিগদ্রা, কবি ফাওবমগানি কোইবেংগী থম্মোযদা? খঙলমগদ্রা তাবমগদ্রা কোইবেংগী মীচৈ ঠিকাদাব অদুনা? অদুবু খঙনহৌবগনি থৌদোকাসিদগী কোইবেংবু মহাক পাব্লিক লাইফতা ক্লিন ওইবা পাম্মী হাযবদু।

থিয়েতবগী লমদাঃ

শ্যা এম কোইবেং আর্ট এন্দ কলচবৱু পামজবা মীশক অমনি। মহাক মোইবাংদা দ্রামাগা ঈহৌদা লমজিংবা লমযানবা অমা ওইবগা লোযননা মশামক থোইদোক

হেন্দোক্লবা আর্টিষ্ট (এক্টব) অমসু ওইখি। খৃষ্টগী কুম ১৯৪২ গী মে থাদা ইম্ফালদা জাপাননা বোম থাদবদা খাগেম পল্লি (ইম্ফাল) দা লৈবা এল কুলচন্দ্র মোইবাংদ' চঙজফম লৌখি। মেডিকেল ওফিসাব ডাঃ ব্রাই ভগ্য সিংহ মোইবাংদা পোষ্টিং তাদুনা লৈ। মখোয অনীনা কোইবেংবু ড্রামাগী লমদা ঈথিল পীবগা লোযননা থৌনা লিংজেন হাপখি। কোইবেংগী লমজিংগা লোযননা মোইবাং ড্রামাতিক যুনিয়ন শেমখি অদুনা যূনিযন অসিনা ড্রামা কয়া মথং মথং শান্নখি। ইহান হান্না শান্নখিবা লীলাদি " অবেপ্পা মরূপ"নি। নোংথোম্বম মাগুবতা শান্নবনি। মণিপুব ড্রামাতিক যুনিযন, ইম্ফালগী শ্রী সোবোখাইবম ললিতোনা দিবেক্টবনি। প্লে অসিদা কোইবেংনা মাগা মিং মান্নবা "কোইবেং"গী বোল লৌখি। মসিদা মীযাম্বু য়াম্না নুংঙাইহনখি। এম কুলচন্দ্র সিংহ হাযবা অমন' ড্রামাদ্গী চন্দ্র সিংহ হাযবা অমগী বোল লৌরুবদগী মাবুসু কোন্না চন্দ্র সিংহ হাযনা মীযাম্না খঙনখি। এক্ট্রেস ফংদবদগী এ অপাবী শর্মা হাযবা কোইবেংগী মরূপ অমনা গুণবতি হায়বী নুপী অমগী শকতম লৌদুনা শান্নখি। শান্নখিবা মথংগী ড্রামানা "সতী খোংনাং"নি। মসিদসু এস ললিতোনা দিবেক্টবনি। ড্রামা অসিদা কোইবেংনা কুমুদকী শকতম লাংখি। সিঐচঃ নিংথেমজাও এলিযজ মযূর্দ্ধ জগী দিবেক্সন্দা অহুমশুবা প্লে "কর্ণার্জ্জুন" মোইবাংদা উৎখি। মসিদা কোইবেংনা অর্জ্জুনগী শকতম লৌবদা মীযামদগী থাগৎবা ফংখি। হন্দকতি নুপীশিং চোংথোবক্লুনা চিগোংলেনা দ্রৌপদি, থিযাম পিশক্লা পদ্মাগী শকতম লাংখি। মবীশুবা ড্রামান' "দেবলা দেবী"নি। কোইবেংগী মকু ইবুংঙো শ্রী কে গোপাল সিংহন' প্লে অসিগী দিবেক্টবনি। অদুগা কে ইবেংনা খিজিব খানগী বোল লৌদুনা শান্নবদা মীযাম্না থোইদোক হেন্দোকলে হাযদুনা থাগৎনখি।

অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী শাববা মৈখু মবক্তা কবম্না মোইবাংদা মোইবাংনা কুমহৈ ড্রামা যেংদুনা নুংঙাইথোকলিবা হংনীংঙাইনি। পাউখুমদি খৃঃ ১৯৪৪ গী এপ্রিল যৌদ্রিঙৈ ফাওবদি লানগী অব্রা চৈথেং মোইবাং যৌদ্রি, ড্রামাগী ঈহৌদি কনখৎলকখি। অদুননি। অদুবু চহীদুগী এপ্রিল থাদা আজাদ হিন্দ ফৌজগী লাম্মীনা মোইবাংদা থুংলবা, আজাদ হিন্দ ফৌজগা খৎশম্নববা মতুংদা কোইবেং অমসুং অতৈ প্রজা লান্মীনা বেঙ্গুন্দা চেনখিবা, মফমদুদা থা ৮ লানফা ওইনা ফাদোক তাদুনা বেঙ্গুন জেলদা লৈখিবদগীদি মোইবাংদা মতম খবা থিযেটবগী থবকসি লেপখি। খৃঃ ১৯৪৬ তা কোইবেংনা যূমদা হল্লক্লবদা অমুক হন্না থিযেটবগী থবক হিংগৎনবা থৌবাং তৌখি। হান্নগী "মোইবাং ড্রামাতিক যুনিযন"গী মহুৎ "থোইবী নাট্য মন্দিব"না শিনখি। মন্দিবসিনা অহানবা শান্নবা

লীলাদি "লব কুশ"নি। মসিদা কোইরেংনা "রাম"গী শকতম লৌদুনা লীলা য়াওখি। মতম অসিদা মোইরাংদা ড্রামা য়াম্না পাম্নরকখি। " মাইনু-পেমচা" অমসুং "নরমেধ যজ্ঞ" মীয়াম্না পাম্নবা প্লে ওইখি। মাইনু পেমচাদা কোইরেংনা থৌগললোয় অমগী শকতম লাংদুনা শান্নবদা মাগী একতিং ৱাঙাঙ, শাজৎ, ফিরেপ তাবদা উবদা ভাবক্না খূবাক প্রোক প্রোক খুনখি। "শরৎ পুর্ণিমা" হায়বা অতোপ্পা প্লে অমদনা কোইরেংনা শরৎকী অপোকপা পুলিস ইন্সপেক্টরগী পার্ট লৌদুনা লীলা শান্নখি। লীলা অদুগী দিরেক্টরদি লীলাগী অইবা মাইবম রামচরণনি। মোইরাং হায়স্কুলগী কমিটিগী মতেং ওইনবা থাঙ্গ অমসুং ৱাঙুদা "নুংশি-ঈচেল" চেরিটি শো ওইনা উৎখি। ৱাঙুদদি 'নরমেধ যজ্ঞ' য়াওনা দবল শো উৎখি। অহানবগী প্লেদা কোইরেং পার্ট লৌদুনা শানবা য়াওদে অকোনবগী প্লেদদি "কুশি" হায়বা যজ্ঞদা হাৎলগদবা ব্রাহ্মণ মচা অমগী অপোকপা লাইববা ব্রাহ্মণ (সিদার্থ) শাদুনা লীলা য়াওবদা মাবু লীলাগী মমীং চৎলবা আর্টিস অমা ওইনা লৌনখি। মচা হাৎলগদবা লাযববা ব্রাহ্মণ (সিদার্থ) গী শকতম কোইবেংনা লৌবকপদা মাগী মাযথোংদা অৱাবা ফোংদোকপা, খোঞ্জেল থক থক নীক্না ঙাঙবা, মচা কাযনবগী শকফম উৎপা য়াম্না মানমনখিবনা ভাবকশিংদা খাঙঙমদবা চৈনা পীখি, নুপী অঙাংদা নত্তনা নুপা মচা পাখং ফাওবা শূ শূ কপ্লখি, থম্মোয় শোকনখি অদুক্কী মতিক লীলা অদু পানখি মায়পাকখি। হন্ন-হন্না লীলা অদু পি কোইবেম্মগী হোল অমসুং পুরিৎ মাঙুবতা মুক্তা হাযস্কুলগী চেরিটি ওইনা শান্নখি। মমৈদদি মমীং চৎলবা সোসিয়েল ৱার্কবশিং, বাজনীতি ৱালাশিং, ওফিসগী মীওইশিংসু হোংদোক হোংজিন তৌদুনা লীলাদু য়াওখি। খবদং মমীং পনবা তারবদা ১। এম কোইবেং (সিদার্থ), ২। ঐচ নীলমনি (যজাতি), ৩। এল ইবোমচা (আনন্দ), ৪। আব কে ইবাবতসনা (নাবদ), ৫। বি এস গুহা (আচার্য্য) অসিনচিংবা অসিনি।

আর্ট অসিদা মহাক্না পামজবসি অসুক্কী মতীক অসিনি হায়নীংঙাই লৈতে, মহাক্না চীফ মিনিষ্টব ওইবিউঁদা (১৯৬৪) রুপমোহন থিযেটব, ইম্ফালদা "কর্ণার্জ্জুন" শান্নবদা মহাক যাওদনা লৈথোকপা ঙমখিদে। প্লে অদু 'দিফেন্স ফন্দ' দা দান তৌননবা ওফিসকী মীওই কয়া য়াওনা ভি আই পিশিংনা ওর্গেনাইজ তৌখিবনি। প্লে অদুদা কোইরেংনা কৃষ্ণ অদুগা খোংবালতাবম ইবেতোম্বী সিংহ (মতমদুগী স্পিকর)না কর্ণ শাখি। চুম্নতা মীয়াম কুমহৈ ওইনবা শান্নবা নত্তে, লীলা অদুনা অয়েংবা ভাবকশিংবু পেনহনবা ঙমখি।

মহৈ-মশিং তমফমশঙশিং লিংখৎপদাঃ

শ্রীকোইরেং সিংহনা অঙাং ওইরিবঁদে মতমদা মোইবাংদা লৈবস্না স্কুল অসি মোইবাং লোৱাব প্রাইমাবি স্কুল অসিদনি। ক্লাস টু ফাওবগী শিক্ষা ফংলবা মতুংদা মখা তানা তমথবা তাববদি ইম্ফালদা চৎপা তাবনি। ক্লাস টু পাস তৌববা লাযববা ছাত্রশিংনা মখা তানা লাইবিক তম্না ঙমদবগী অৱা চৈথেং অদু কোইবেংগী মশাদা পানখি। ভদ্রলোক শ্রী কে গোপাল সিংহ (কোন্না কোইবেংগী মকুবোক ওইবক্কদবা)গী লমজিং মখাদা অমসুং শ্রী এল ইবোমচা সিংহগী মতেংগা লোয়ননা মহাক্না পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙদা মোইবাংদা মিদল ইংলিস স্কুল অমা লিংখৎনবা হোৎনখি। অদুবু লাইবক থীবদগী মালেমগী লাঞ্জাও অদুগী চৈফূনা স্কুল অদু হিংবা ঙমখিদে। অসুম্না মহাক্না মঙজবা মঙলান অদু অবেম্বদা মাঙখি।

অনীশুবা লাঞ্জাও লোইবে। বেঙ্গুন জেলদা লাঞ্জাওগা মবী লৈননা আইঃ এনঃ এঃ ওইনা থা ৮ বন্দি থম্লুববা শ্রীকোইবেং জেলদগী থাদোক্লক্লে। মোইবাংদা অমুক থুংলবে। মহাক্কী খোঙবু ঐচ মোধু সিংহ, কে কালা সিংহনচিংবা কযাগা লোযননা খৃঃ কুম ১৯৪৭-৪৮ দা অনীবক শুবা ওইনা এম ই স্কুল অমা মোইবাংদা লিংখৎনবা অমূক হোৎনখি। মতম অসিদা শ্যামা গার্লস এল পি হাযনা থোনবা প্রাইবেৎ স্কুল অমসু লৈবে। নৌনা লিংখৎপা এম ই স্কুল অদু শ্রী কে কোমল সিংহগী যুম অমসুং গার্লস এল পি স্কুল অদুদা ক্লাস চথখি। খৃঃ কুম ১৯৫০-৫১ দা স্কুল অদু মোইবাং হাযস্কুল হাযনা ক্লাস মথং মথং হাপকৎখি অদুগা শ্রীকোইবেংনা স্কুল অদুগী ফাউন্দব সেক্রেটবি, শ্রী কে কোমোল সিংহনা প্রসিদেন্ট অমসুং ঐচ নীলমনি সিংহনা ট্রেজবব ওইখি। স্কুলগী মশাগী লম অমসুং বিল্ডিং লৈতবদগী মাগুব কযাদা মীগী শঙ্গোযদা ক্লাস তৌখি।

নোংমা মোইবাং লমখাযদ' মণিপুবগী মহাবাজ শ্রী যুৎ বুদ্ধচন্দ্রনা মোইবাং লমখায যেংবা লাকপা থৌবম অমদা শ্রীকোইবেংনা লূচিংদুনা স্কুলগী ছাত্রশিংগী গার্জিযানশিংনা শ্রী যুৎগী মফমদা মোইবাং লমখাযদা স্কুল শাননবা লম পীবিযু হাযজখি। মহাবাজনা যাদ্রবসু মমৈথঙদা লম ফংলবা মতুংদা স্কুল বিল্ডিং শানবা থবক পাযখৎখি। থবক অসিদা ঐচ নীলমনি, এল ইবোমচা, পি তম্ফা, এল লালো, ঐচ গোপাল, কে ইবোতোন, ঐচ থম্বালসনানচিংবা লমদমদুগী মীযাম্না কন্না হোৎনবদগী স্কুল অসি বি এস গুহানা হেদ মাষ্টব ওইদুন' মপুং ফাববা হাযস্কুল অমা ওইখি। খৃঃ ১৯৫৩ দগী হৌনা স্কুলসিদগী গুৱাহাটি

য়ুনিবর্সিটিগী মখাদা মেট্রিক পরীক্ষা থাখি। চহী অনী লৈবগা খৃঃ কুম ১৯৫৫ দা স্কুল অসি সবকাবনা লৌশিল্লি। খুঙ্গংগী লমদমদা হায়স্কুল লৌশিনবগী মতাঙদদি স্কুল অসিনা চাউথাইমা হায়স্কুল, থৌবালগী হেক মথংদা লৈবা অনীশুবনি। মসিমক ওইখ্রিবা অসি শ্রী কোইরেংগী থবক ওইনবা অনম কনবা, তৌগে খনখ্রবা থবকতা নীংহন্নবা লৈতবা অদুগী মহৈনি হায়বা য়াই। স্কুল অসি ঙসিদি মোইরাং মলটিপর্পজ হায়ার সেকেন্দরি স্কুল হায়না কৌদুনা হায়ার সেকেন্দরিগী থাকতা লৈরে।

মোইরাংদা অনীশুবা হায়স্কুল অমা লৈবগী তঙাই ফদবা অমমুক লাকখি। খৃঃ কুম ১৯৫৬ তা লম অসিদা পূক্লিং চঙশিন্নবকখি। শ্রীকোইরোং অমসুং শ্রী ঐচ নীলমনি অনীনা থরায় যাওনা মীৎযেং চঙলকপদগী য়ুথস ক্লব কোকিলবন, মোইরাংনা মসিগী ইনা কৃপ্পা বিল্ডিং/ওফিস অদুদা কোকিলবন এম ই স্কুল চলাইনবা দোনেট তৌখি। ঐচ নীলমনিনা প্রসিদেন্ট, এন পিশক্লা সেক্রেটারি ওইদুনা স্কুল কমিটি শেমখি। স্কুল অসি খৃঃ কুম ১৯৫৯ দা এম কোইরেংনা ফুল বেকিংদা লৈবদগী সবকাবনা লৌশিনখি। কোকিলবন এম ই স্কুল মতমগী মতূংইন্না হায়স্কুলগী থাকতা লাকখি। কোইরেংগী মরূপ শ্রী এম মুক্তাগী মিংদা স্কুল অসি ঙসিদি মুক্তা হায়স্কুল হায়না থোন্দুনা হায়স্কুল থাকতা লৈরে। স্কুল অসিসু সবকাবনা খৃঃ কুম ১৯৭৮ দা লৌশিনখি। হায়ার সেকেন্দরিগী থাকতা লৈরে।

মথংদা অমুক পনবা তাববদি মোইরাং কলেজ লিংখৎপা অসিনি। মণিপুরদা হায়স্কুল মশা য়াম্লকপা, মোএক পাস তৌবা ছাত্র য়াম্লকপা, ইম্ফালদা চৎতুনা তম্বা ঙম্মদবা লাইররবা ছাত্র কয়া লৈরকপা, ইম্ফালদা লৈবা দি এম কলেজনচিংবদা মেট্রিক পাস তৌরকপা ছাত্রশিং লোইনা মিং চনবা ঙমদবা কয়া অসিনা খুঙ্গংগী লমদম কয়াদা অরাংবা থাক্কী মহৈ তমফমশঙ (কলেজ) লিংখৎপগী তঙাই ফদবা লাকখি। মোইরাং মায়কৈদসু অসি মঙায। শ্রী এম কোইরেং সিংহগী থম্মোয়দা মোইরাংদা কলেজ অমা লিংখৎপগী মিহুন ফাওবকখি। মসিনা মরম ওইদুনা খৃষ্ট কুম ১৯৬৩ দা মেম্বর ৮ লৈবা কে গৌরো সিংহনা প্রসিদেন্ট এম কোইরেংনা সেক্রেটারি অমসুং ঐচ নীলমনি সিংহনা ট্রেজরর ওইবা গোবর্নিং বোদি অমা শেমদুনা মোইরাং কলেজ লিংখৎনবা থবক পায়খৎতুনা চহী অদুমক্তদা কলেজ অমা লিংখৎখি। শ্রী বি এস গুহানা একতিং প্রিনসিপাল ওইবগা কে শাম্মা ভাইস প্রিনসিপাল, শ্রী এম ইরোতোম্বী সিংহ, শ্রী কে হরেভায সিংহ, শ্রী ইন্দ্র মোহন ঝা, শ্রী কে মতুমনচিংবা কয়ানা লেকচরর ওইদুনা মোইরাং কলেজ ক্লাস চথবকখি। কলেজ অসি অহানবগী ওইনা

মোইবাং গোবর্নমেন্ট হাযস্কুলদা ইবনিং শিফটতা নুমিদাংগী কলেজ ওইনা হৌবকপনি। মমৈথংদা পাণ্ডমবা য়ুম্ফম হাযনা খণ্ডনবা হৌজিক্কী কলেজ মশাগী লম অসিদা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামগী মতেংগা লোযননা কলেজ মশাগী বিলদিং শাদুনা খৃঃ কুম ১৯৬৭ তগী হৌনা দে কলেজ (নুংথিলদা তম্বা) ওল্লকখি। এম কোইবেংনা চীফ মিনিষ্টর ওইবিঙৈদা কলেজ অসি খৃঃ কুম ১৯৬৯গী জুলাই ১দগী গ্রান্ট ইন এইদ ফংলকই অদুগা খৃঃ কুম ১৯৭৮ দা কলেজ অসি সবকাবনা লৌশিনখি।

শ্রী এম কোইবেং অমসুং শ্রী ঐচ নীলমনি অনীনা মহৈ মশিং তম্বগী লমদা মশক থোক্লা ধবক কযামকম তৌখি। মণিপুবগী মফম কযাদা মহৈ মশিংগী লমদা য়েংশিনবগা লোয়ননা মোইবাংগীদমক স্কুল কযা লিংখৎপা, সবকাবনা লৌশিন্নবা হোৎনবা কয়াদা থমখিবা মীৎয়েং থাগৎনীংঙাইনি। খবদং মিং পনবা তাববদা মোইবাং গার্লস এমঃ ইঃ স্কুল (হৌজিক্লা মোইবাং জুনিয়ব হাযস্কুল), মোইবাং বোযজ এমঃ ইঃ স্কুল (হৌজিক্লা জুনিযব হাযস্কুল), ওকশোংবুং এঃ ইঃ স্কুল, পনশাং এলঃ পিঃ স্কুল, কোনজেং এলঃ পিঃ স্কুল (হৌজিক্লা জুনিযব হাযস্কুল), শ্যামা গার্লস এলঃ পিঃ স্কুল, মোইবাংথেম এলঃ পিঃ স্কুল, কাণ্ডজৈবুং এলঃ পিঃ স্কুল, ফাইবেম্বম এলঃ পিঃ স্কুল, থাংজিং এলঃ পিঃ স্কুল, থানিল এলঃ পিঃ স্কুল, তুবেলবান এলঃ পিঃ স্কুল, শ্রীবোন এলঃ পিঃ স্কুল, শ্রীবোন থানা এলঃ পিঃ স্কুল, কোকিলবোন সিঙ্গল এলঃ পিঃ স্কুলশিং অসিদা শ্রী এম কোইবেংনা লৌখিবা থৌদাং শীংথানবা যাই।

নিখিল মণিপুবী মহা সভা য়াওবাঃ

লৈবাক্কী ব্রাখলদা, মীযামগী যাইফনবগীদমক্তা হৈনবী অমা ওইনা ঙাওজবকপা অমদি মীওই খুজোক খবনা তৌনীংবতা তৌববু যানীংদবা লোযননা গণতন্ত্রব্ পামজবকপনা খৃষ্টগী কুম ১৯৩৮ দা মশাগী চহী ২৩ শুবকপদা নিখিল মণিপুবী মহাসভা যাওদুনা মতম অদুগী মণিপুবগী মহাবাজগী শৃপনম শাসনগী মাযোক্তা অন্দোলন শাগৎখি। অহানবর্দদি সংস্থান অসি নিখিল হিন্দু মণিপুবী মহাসভা হাযনা কৌদুনা খৃঃ কুম ১৯৩৪ দা লিংখৎখিবনি। মমৈদা "হিন্দু" হাযবা ব্রাহৈসি লৌথোকখিবনি। মতম অদুব্রাইদা মণিপুবগী মহাবাজ সাব চুডাচান্দ সিংহ মোইবাংদা য়াম্না তোযনা লেঙলকখি। মোইবাংগী খবা ইনাকখুবা অকনবা অমসুং খৃৎকন পাঙ্গনবা মীওই কযা ফম্নাইবা হাপখি। মোইবাংদা

নিংথৌগী শক্তি য়াম্না কল্লম্মী। কবি অমুক হায়কগনি থাংজিং হবাওবা মতমদা শামু ময়াম মনাই-মশল ময়াম পুথবক্লগা মকোক ওইবা ফম্নাইবা কয়া খাদ্রাকপা নৎত্রগা নোংথোম্বগী শঙ্গোয়দা খাজিন্দুনা মখোয় লৈথোকই। মীযাম্বু শামুগী শজিক ফালহল্লি, ইংখোলদা হৌবা লফূনচিংবা যানথৎহন্দুনা শামু ময়াম পীজবগী থবক তৌহল্লি। মসিগা লোয়ননা মতম অসি অওৎ-অনৈগী থবক কয়া অমসু মীযামগী মথক্তা থোনকৎতুনা পোৎলূম পুহনবা মতমনি। অসিগুম্বা ফিবম অসি উবদগী শ্রীকোইবেং সিংহনা নিখিল মণিপুরী মহাসভা যাওনবগী অমসুং মোইবাংদা খৃঃ কুম ১৯৩৮ গী মার্চ থাদা মহাসভাগী অনীশুবা অধিবেসন ফম্নবা থৌবাং তৌবদা য়াওখিবনি। অহানবদা মীফম অসি শ্রী মাইবেম্বম হাওবা সিংহগী যূমদা ফমগনি তৌবদগী নিংথৌগী শক্তি কিবনা লৈকাযনা থিংখি। মথংদা শ্রী লাইফ্রাকপম সনাবা সিংহগী শূমাংদা মাশুব খন্দুনা মিতিংগী শেম শাই, ফম্নাইবশিংনা চৎকদবা লৈবকতু নিংথৌগী লমনি সনাবা মথক্তগী নত্তে হাযদুনা চঙবা যাবোই হাযদুনা থিংই, লমহাংদা তৌগদবসু মহাবাজগী লমনি যাবোই হাযদুনা ফম্নাইবশিংনা তৌহনদে। কযাদা কনশ্লবা নিংথৌগী শক্তিনো। উপায লৈত্রবদা কবম তৌসিগে খন্নবিঙৈদা লাইবক ফবদগী দেশ প্রেমী ওইববা শ্রী বাজকুমাব খোইদোং সনা সিংহনা মাগী যূমদি মেন বোডতগী চঙবা যাই, কনা অমওনা থিংবা ঙমলোই হাযবদগী মাগী শূমাঙদা মাশুব খনগৎতুনা মিটিংগীদমক থৌবাং তৌই। অদুবু মহাবাজ অমসুং ফম্নাইবশিংবু কিবদগী মীযাম চঙলকউ যাখিদে। মহাসভাগী লূচিংবশিংঃ হিজম ইবাবত সিংহ, ললিত মাধব শর্মা অমসুং নোংমৈকাপ্পম নবকিশ্বব সিংহ থুংলবদদি মীযামসু অকিবা কোক্লনা মিটিং যাওবা চঙলকখি। মোইবাং খাদ্রাকপগী অমত্তা পোকচবা শ্রী কিযাম গোপাল সিংহনা সভাপতি ওইদুনা থৌবম পাঙথোকখি। লূচিংবশিং অদুনা জাতিগী ফিবানগী মবম, নিংথৌনা অমাং অশেং শেংতোকপগী মিংদা পূজাদগী শেল খাযবগী মবম, ইংখোলদা হৌবা ত্রেবাগী খাজনা লৌবা, চন্দোন শেলখায, আমিন চাকথাক, নাপেৎ শেনখায, দোলাই বেং, জল সম্বন্ধি, যাবেকসন্ত্রি নিংথৌগী মীওৎ মীনৈ কয়া পুখো ক্লনা মহাবাজগী মথক্তা মবান শীবা বাফম কযা, ব্রহ্ম সভানা তৌবা পেন্দবা কয়া, সবকাবগী মথক্তা চথবিবা নীংতম অন্দোলনগী মতাঙ অসিনচিংবা কযাগী মতাঙদা বা ঙাঙখি। অদুবু লাইবক থীবা অমদি নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা থৌবম অদুবু শীল্লাংবদা থব্রায যাওজখিবা লূচিংবসু ওইখিবা শ্রীকোইবেং সিংহদি মিটিং অদু যাওবা ঙমখিদে। মিটিংগী শীল্লাংলন্নগা মযূমদা ফি

হোংদোকপা চৎখিবদা অপোকপা চাউয়াইমা (নোংথোম্বা) সিংহনা নিংথৌগী অকনবা পাম্বোম ওইখিবনা নিংথৌগী মায়োক্তা লেপ্পী হায়বগীদমক অমদি নিংথৌনা মিতিং তৌহনগনু ইমুং মনূং কনা অমত্তা মিতিং য়াওহনগনু হায়বগী য়াথং মতুংইন্না তৌগে মতাগুম ময়াম্বা অমনা (নীলচন্দ্রনা) থৌরী লিশাংনা মখূৎ পুন্দুনা শরক লমজাওদা, মাবু পোকপা পম্বৌনা হোইদুনা মীয়াম মমাঙদা পুরক্লগা নোংথোম্বম মাগুবগী উখোকতেন্দা মিটিং লোইদ্রি ফাওবা পুন্দুনা থমখি। কনা অমত্তনা মাবু থাদোকপা ঙমদ্রবদা মমা অতোপ্পী লৈমা য়াইমনা নুমিদাংদা কোইরেং পুনবা অদু থাদোকখি। মহাসভাগী মীফম মোইরাংদা পাঙথোক্লবগীদমক ইম্ফালদা চৎতুনা হিজম ইরাবততা বার্তন পীরুবশিংদি ১। এম কোইরেং, ২। লাইশ্রম অমুয়াইমা, ৩। রাজকুমার অঙৌসনা, ৪। পুখ্রেম জয় (জোয়ো) অমসুং ৫। মাইরেম্বম কুলচন্দ্রনি। মহাসভাসি অহানবদদি রাজনীতি দল অমা ওইরমদ্রবসু খৃঃ কুম ১৯৩৮ গী চীংঙাগী পব্লিক মিটিং অমদদি রাজনীতি দল অমনি হায়না লাউথোকখি। মহাসভা অসিগা মরী লৈনরকপা অসি শ্রী এম কোইরেংনা রাজনীতিদা অহানবা খোঙদারকপগী খোঙথাংনি হায়বা য়াই। মতমদুতা মোইরাংদা লৈরম্বা অঙম-অথৌ ফম্নাইবশিংগী মনূংদা মমীং পনবা য়াবা অমসুং অঙম অথৌ খরদি শ্রী কিয়াম তোম্বা সিংহ (খাদ্রাকপা), শ্রী এম চাউয়াইমা সিংহ (নোংথোম্বা), শ্রী ফাইরেম্বম অমুবা সিংহ, শ্রী কিয়াম শাজৌ যাত্রা, শ্রী মাইব্রম লৈমজাউবী সিংহ অসিনচিংবা অসিনি। মখোয়না নিংথৌবু কিবদগী অমদি নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না মহাসভাগী মিটিং পাঙথোকপদা অথিংবা থমখিবনি। নাকল অমরোমদনা শ্রী কিয়াম গোপাল সিংহনা "করিগুম্বা মহাসভা অসিগী মিটিং মোইরাংদা ফম্বা ঙমখিদে হায়বা অসি লৈহৌরবদি চারোল শুরোন্দা অমসুং মণিপুরগী ইতিহাসতা য়াম্না মিংচৎ থীহৌরগনি অদুনা প্রজানা ব্রাখল মুন্না শন্থবিরগা সভা অসি ফম্নবা হোৎনবীয়ু" হায়না মীয়ামদা আপিল তৌখিবগা লোয়ননা নিংথৌগী মবল চাররোই, ফংফম থোকপা মহাক্কী হেড পন্দিত অমসুং পোষ্ট মাষ্টর ওইবগী পেন্সন পূন্না লুপা ২৫ সরকারদগী লৌররোই, মীয়ামগী য়াইফনবা খনবনা পুন্সিগী পান্দম ওইরগনি হায়না লাউথোকপদা মীয়ামগী পূক্লিং থৌগৎখি। মসিদনি শ্রী খোইদোং সনানা চোংথোরক্লুনা পামবোম তিংদুনা মাগী জগাদা মিটিং ফম্বা য়াগনি লাউথোকখিবদু। কোইরেংনা মাবু থাদোক্লবা তুংদা ময়াম উনবদা মিতিং পাঙথোকখিবগী ব্রারী শানবদা হরাওমিন্নখি। মমৈদদি কোইরেং সিংহনা কন্না হোৎনবদগী মোইরাংগী ফম্নাইবা অমসুং অহল লমন কয়া রাজনীতি য়াওখি অমসুং

বাজনীতিগী থৌবীনা চেৎনা পুনখি। মহাকপু পুনবা থাদোক্লবা তুংদা মহাক্না অসুম্না ফোংদোকখিঃ "ইপানা ফনা যাম্না পুল্লবসু বাজনীতিদা তোকপা লৈববোই।" অসিগুম্না ৱাখল ৱাঙাও অসিদা মোইবাংগী মীপূম খৃদিংমক্না 'ঐসু য়াওরে ঐসু যাওবে' হাযদুনা মহাসভাদা মিং চন্নখিবস্মী।

নীংশিংবা যাবা থৌদোক অমনা মোইবাংদা মহাসভাগী মীফম ফম্নবা লাঙনবকপগা লোয়ননা বিদেশী ফি মোইবাংগী বাজনীতি গুরু শ্রী কিযাম গোপালনা লুচিংদুনা মোইবাং কৈথেলদা শ্রী নিংথৌজম সনযাইমগী দুকান মমাঙদা মৈ থাখি। কোইবেং খাদি শেৎখি।

আজাদ হিন্দ ফৌজ অমসুং কোইরেংঃ

পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও (১৯৩৯-৪৫) গী মতমদা ভাবতপু মনীংতম্না ফংননবা মহাত্মা গান্ধীগী লমজিং মখাদা চৎথবকপা অন্দলোনগী শাফু অদুনা ভাবতগী কাচিল কোযা শীন্থুংনা কল্লবা মীযামগী ঈহৌ অমা শাগৎখি। মতম অসিদা নেতাজী সুভাস চন্দ্র বোসনা ঈগী বলিদান কৎতুনা ভাবতগী নীংতম্ববু বৃটিশকী মখুৎতগী নমদুনা মুনগনি হাযবা ৱাশক্না লোযননা আই এন এ (ইন্দিযান নেসনেল আর্মি) গী অচৌবা লাম্মী খুৎপু অমগা লোযননা ভাবতগী নোংপোক থংবা ঙমখৈ তম্না ফৃজিল্লকখি। ইন্দো-জাপানীজ ফোর্সনা টিদিম বোডতা খুৎলৈ থুনা যাঙনা ফৃজিল্লকপদা ১৭ শুবা বৃটিশ দিবিজন খাঙবা ঙমদবদগী টিদিম বোডতগী হন্দোকপা তাখিবস্মী। মণিপুবগী খা থংবা শরুকতগী বৃটিশনা হন্দোকখ্রবা লমদম আস অজাদ হিন্দ ফৌজগী বহাদুব গ্রুপ্না খুদুম চনশিনখি অমসুং খা-পোৎশংবম খুঙ্গং ফাওবা চঙশিল্লকই। খৃঃ কুম ১৯৪৪ গী এপ্রিল ১৪ গী অযুকতা শ্রী এম কোইবেং সিংহনা লুচিংবা শ্রী লাইফ্রাকপম সনাবা, শ্রী কুমাম কাংলেন অমসুং শ্রী মৈনম মানগা লোযনবা কাঙলুপ্না ত্রোংলাউবী খুঙ্গংদা ইন্দো-জাপানীজ এদভান্স পার্টিবু ওকাখি। শ্রী কোইবেংগা লাক্লিবা লুচিংবশিংগা ফিবম কযামকম খন্নববা মতুংদা নুমিৎ অদুগী নুংথল পুং ৫ তাবা মতমদা ঈতিহাসিক ওইববা মোইবাং কংলাদা ভাবতগী মচু অহুমগী ফিবাল আই এন এ গী কর্নেল সৌকৎ আলি মালিকনা ইহান হান্না চিংখৎতুনা পাইহনখি। ফিবাল চিংখৎপগী থৌবমদা শ্রী কোইবেং সিংহ, ৩৩ শুবা জপানীজ মাউনটেস্ট গন বেজিমেন্টকী কেপ্টেন ইতো অমসুং মোইবাংগী প্রজা খবা যাওখি। অসুম্না মোইবাংবু ভাবতকী ইহান হানবা মনীংতম্না লমদম ওইহনখি। মসিগী মতুংদা মতম অদুদা আজাদ

হিন্দ ফৌজগী হেদ-ক্বার্টব মসি মোইবাংদা শ্রী হেমাম নীলমনি সংহগী যূমদা থা অহুম চুপ্পা খৃঃ কুম ১৯৪৪ গী জুলাই ১৪ ফাওবা ওইবস্মী।

শ্রীকোইরেংনা মপাগী অয়াবা যাওদনা কোট্‌তগী ফৌ লৌথোক্লুনা জাপানীজশিংগী চানবা থৌবাং তৌখি। ইন্দো-জাপানীজ ফোর্সকী চান-থক্লবা হেদ-ক্বার্টব বেঙ্গুন্দগী লাকত্রবদা শ্রী কোইরেং সিংহ অমসুং লুচিংবা কয়ানা অণ্ডম্বা মতেং পাংখি। সিফাই লিশিং কযাবু চীঙ্গাক থা ৩ চুপ্পা থাকখিবা অসি ভাবতকী নীংতম লানগী ইতিহাসতা শ্রীকোইরেং অমদি মহাক্কী কাণ্ডবুনা লৌথিবা অচৌবা থৌদাং অমনি হায়না শীংথাবদা লানফম শুকলৈ লৈতে। মতম অসিদা মণিপুবদা লৈবা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টনা মোইবাং অসি "য়েক্লবগী লমনি" হায়না লাউথোকখ্রবনি অদুগা মোইবাংদা লৈবা লুচিংবশিং ১। শ্রী কিয়াম গোপাল সিংহ, ২। শ্রী মাইরেম্বম কোইরেং সিংহ, ৩। শ্রী লাইফ্রাকপম সনাবা সিংহ অমসুং ৪। শ্রী হেমাম নীলমনি সিংহ মখোয মবিবু বাজবিদ্রোহিনি হায়না লাউথোকতুনা "হেক উবদা কাপ্পু" হায়বা হুকুম মখোযগী কোকতা পুদুনা চৎপা মীওই ওইখি।

থা ৩ চুপ্পা মণিপুব তম্পাক অমদি মসিগী অকোযবদা লৈবা চীংশাংশিংদা থেংনখিবা লানফমদা মহাকসু প্রজা লাম্মী অমা ওইনা ওইখি। লাইবক থীবদি ইঙা ইঙেনগী ফৃদিৎ ফৃনা চুবা নোংলক্তা আজাদ হিন্দ ফৌজগী মবাযবক মমী শার্মখি। লানফমদা জাপানীজ লাম্মী কযা অবোইবা পুন্সি ওইখি। আজাদ হিন্দ ফৌজগী লানঙম ফিবাল মমায থৈখি। চহীদুগী জুলাইদা আই এন এগী হেদ ক্বার্টব বেঙ্গুন (হৌজিক্কী যাঙ্গুন) দগী লান হন্দোকলো হাযবা হুকুম লাকপদগী কর্নেল মালিক্না মোইবাংদগী আই এন এগী হেদ ক্বার্টব থাদোকপা তাখি। মাসিগা লোয়ননা লান্দা তেঙবাংলুবগীদমক শোযদনা দন্দি ফংফম থোকপনা মণিপুবদগী প্রজা লাম্মী কয়া পোক্লফম লমদম মণিপুব থাদোকপা তাখি। শ্রীকোইরেং সিংহসু মসিদা য়াওববনি। মহাক থাঙ্গ মোইবাংথেমদা লৈবা মোইবাংথেম কুল্লচন্দ্র সিংহগী যূমদা লাঞ্জেনফম ওইবম্বদগী বৃটিশনা শোযদনা খোঙ্গুল লীবক্লদবগী খুদোংথীবা অদু খঙলদুনা ইমুং-মনূং, মব্দপ-মপাং বীদায পীবম্লগা নোংমা সন্ধ্যা য়াচঙবা মতমদা লোকতাক পাৎকী ঈথৎ লাঞ্জেনফম থাদোক্লুনা লমলক্কী শা, লমওক, মহূ চেনবা লীননা থন্না লৈববা তৌ শীংউৎ পাম্বীগী মোংশোং লাম্লোকতুনা চৎলগা কুম্বী চীংমৈদা হেমাম নীলমনিনচিংবা উনবগা অমুক হিনা কুম্বী তান্না চৎলগা বাজবীদ্রোহীনি হায়না লাউথোকখ্রবা মখোয মবি মথং-

মথং অৱাবা খুদোংথীবা কয়া মাযোক্লদুনা লাক্লগা ঙাম্পী খুন্দা বিট্রিত (হন্দোক্লগদৰ) তৌগদবা জাপানীজ আৰ্মিশিংগা উনে। অহিং অমা মখোযগা লৈমিন্নে। খোঙচৎ অসিগী মতাঙদা শ্রী হেমাম নীলমনি সিংহনা ইবা "বেঙ্গুন খোঙচৎতা এম কোইবেং" হায়বা ৱাবেংদা অসুম্না পল্লিঃ "...অহিং নুংথিল নাইদনা মণিপুৰগী খা থংবা শকক্কী শোঙলৎ জঙ্গল, উমং-ৱামং, চাং-মান, তৃ-খোং কয়া লাল্লগা লাকপনা জুলাইগী তাং ২৭ তদি মণিপুৰগী সীমানা লাল্লে। থৱায পুদুনা ইশা ঙাক্তা লাকপনি; চান-থক্লবা কবিসু যাওবকপা নত্তে; ইশাদা পকলিবা ফিবোল অদু মঙাযবে ঐখোযগী ইপোৎ হাযববু। থৱায অসিদ হিংননবা হাযদুনা লম্বীদা অফংবা পোৎ মক ওইনা চুজাক চাদুনা লাকপনি। ইঙেলগী মতম ওইবনা তীল-কাঙসু কনবা মতমনি। ...'মাইল ৮৩' শিথা কেম্প য়ৌবগা নুমিৎ অসিগী নুমিদাং থাবলদা মণিপুৰ ইমা খুকমজবৰ্মী। জুলাইগী তাং ৩১ দদি "মাইল ১৩০" য়ৌবে। ..চান থক্লবা কবিসু লৈত্রে। অবাম্না পূক অসি খাঙনবা লফৃ যানথৎলগা মযোন অনৈক অদু চাবে। চৎপদি লেপ্পে। আগষ্টকী তাং ২ গী অযক্তা 'মাইল ১৪৯ য়ৌবে। তুবেল অমা খে নবে। অবাবদি যোৰ্থল পাযদুনা .. তুবেল লাল্লইঙদা বৃটিশকী প্লেন্দগী মোচিনগন কাপথবকপা অদুনি। জঙ্গলগী শোঙলবা নাবক্তা চেনশিন্দুনা .. খাঙনখি। লোৎনবা চেনবদা লোকনুংদা হৈবিৎ অমুনবা থেংনবে। অদু চাদুনা অৱাবা খাঙনবে .. নুংথিল লোৎলগা অহিংদা অমুব চৎলে। . অহলগা শবা ওইবনে, চাং লম্বীগী অবাবা কয়া থেংনবকপা, তম্বা চাবা ফংদবা, হৈবাংনা পৃকমেল্লবা, কোমগী লৈখোমদা কুইনা লোৎপগা চানখেঙনদুনা ওজা গোপালগী অনাবা ওইখি। নাকম শাকম লাকলগা আই এন এ গী কেম্প লৈবা মফম এনৃজং বস্তীদা য়ৌবে। অবাবদি তাং ১৭ কী নুমিদাংবাই পং ৫ বোম তাবদা ওজা গোপাল ঐখোয পম্লমকপৃ হন্দোক্লম্লগ স্বৰ্গ পাংখ্রে। মতাক্কী হবচাং অদু মিনথ্যা তুবেলগী তোৰ্কম্দা ইন্দো জাপানীজ ফোৰ্সনা হৌনবী সলামী পীদুনা . সংস্কাব তৌখ।" কযাদা অবাবগী মশক ওৰ্তবিবা বেঙ্গুনগী খোঙচৎ।

অসুম্না অৱাবা খোঙচৎ চৎলবা মতুংদা বৰ্মা (ম্যানমাব) গী মফম কয়া মথং মথং লাম্থোক্লক্লগা খৃঃ ১৯৪৪ সেপ্টেম্বৰ ১৬ তা বেঙ্গুনগী হেদ ওফিস য়ৌখি। মফম অদুদা কৰ্নেল মালিক উনখি। মহাক্না শীনবীদুনা নেতাজীগা উনবদা নুমিৎ ৫৮ নিগী বেঙ্গুন খোঙচৎতা থেংনখিবা অৱাবা অদু পৃমকাউ কাউনখি। লোযননা নেতাজীগী মফমদা শ্রী হেমাম হম্বালজাওনা কৎলকপা লুপা ৩০০০/- শিঃ খি। কেপ্টঃ বিজবীব নেতাজীগী

৫ দি সি নি। নেতাজীগী ইঙ্গিৎ মতুং ইন্না কেপ্টঃ মশামকনা মণিপুবদগী লাকপশিংবু (মখোয অহুম অমসুং অতৈশিং) লৈফম চাফম ফজনা শীনবি। ইন্দো জাপানীজ ফোর্সতা অচৌবা মতেং পাংবীখিবগীদমক মণিপুবীশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎপা অমদি থাগৎপগা নেতাজীনা আই এন এ গী ওফিসাব অমদি জাৱান কযাগী মমাঙদা ফোংদোকখি। লোয়ননা ফংদবা যাদ্রবা নীংতম্বগী অনীশুবা লাঞ্জং অমুক চঙবদা ইম্ফাল ফ্রন্টতা যাওনবগী পাউতাকসু পীবর্ম্মী। অদুবু লাইবক থীবদি ইকুই কুইদনা বেঙ্গুন বৃটিশ লাম্মীগী খুৎতা তাখি। অসুম থোকউ তমখিবনা বৃটিশনা কোইবেং অমসুং খোঙলোয় কয়াবু লানফা ওইনা খৃঃ ১৯৪৫ দা ফাদুনা থা ৮ চূপ্না ফাদোক তাখি। ফাদোক্কী মতম শুবদুনা বেঙ্গুন জেলদা লৈবিবা বান্দি পুম্নমক কোলকাতা তান্না জহাজনা এপ্রিল ১৯৪৬ তা পুবকখি অমসুং থাদোকখি। মসিগী মতুংদা অমুক মণিপুবদা থোবকতুনা মযুমদা থুংলখি।

আই এন এনা ভাবতকী লৈমাযদা মচু অহুমগী ফিবাল ইহান হান্না চিংখৎখবা মোইবাংদা লানদা লৈখিদ্রবা আজাদ হিন্দ ফৌজগী লাম্মীশিংবু নীংশিংনবা আই এন এ মার্তাযবস মেমোবিযেল কমপ্লেক্স অমা শাবা অসি মহাক্কী অপাম্বনি। মসিগীদমক আই এন এ মার্তাযবস মেমোবিযেল কমিটি অমা শেমখি। মসিগী ফাউন্দব প্রেসিদেন্টনা মহাক্নি। (১৯৬৭ ৮৫) মহাক্কী হোৎনজমন্না ঙসিদি কমপ্লেক্স অসি সবকাবনা লৌশিংখিবগা লোযননা মহাক্না এদভাইজবি কমিটিগী চেযাবমেন (১৯৮৫ ৯০) অমসুং মেম্বব। ৯১০ দগী মহাক লৈখিদবা ফাওবা) ওইখি। নীংতম লানগীদমক মহাক্না হোৎনখিবা হসিংনাদমক মঙোন্দা লেমজনীংঙাই ওইববা তাম্র পত্র (১৯৭২) পীদুনা ইকাযখুম্নখি। থম্মোয শোক্না নুংঙাইখিদে মহাক নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোসগী মার্ত্ত থুগাযবম্বদা নোংমা শকখঙদবা খবনা।

থাংজিং আন্দোলনঃ

মতম অমদা মোইবাংগী ইবুদ্ধৌ থাংজিংগী থৌবম কযা মোইবাং নিংথৌগী মখাদা লৈবম্নদ্ মোইবাংনা নীংতম্না মাঙখিবদনী মৈতৈ নিংথৌগী মখৎতা লৈখি। মণিপুবগী মহাবাজনা মোইবাং নিংথৌ অমসুং অতৈ ফম্নাইবশিং হাপ্পা অসি মোইবাংগী মীং মখোযগী থবকতা খুৎ থেংজিনবনি হাযনা লৌখি। লাইশঙগী থবক থানা অসি মহাবাজগী খুৎতা লৈখি। খৃং কুম ১৯৪৯ গী মণিপুব মর্জব এগ্রিমেন্টনা লাইশঙগী থবকতা অহাংবা কাবমন্না পনকখিদে, শ্রীযৎ বোধচন্দ্র সিংহনা ইবুধৌ থাংজিং লাই অসি নিংথৌগী লাইনি হাযদনা

চুম শো পায়বম্মী অমসুং লাইদা কৎলকপা শেল মখেসু মহাবাজগী ওইনম্মী। মাসগী মাযোক্তা খৃঃ১৯৫০ গী মে থাদা শ্রী কোইরেংগী লুচিং মখাদা মোইবাংগী মীয়াম্না থাংজিং প্রজাগী লাইনি মীয়ামদা শিন্নগদবনি মীয়াম্না শীন্দুনা লাই হবাওগনি, মহাবাজগী ফম্নাইবশিংনা হবাওবা যাবোই হাযনা মীয়ামগী ঈহৌ অমা হৌবকই। মসিবু থাংজিং আন্দোলন হায়না খঙনৈ। কোইরেংগী লমজিং মখাদা মীয়াম্না লাই হবাওবগী থবক পাযখৎলকপদা মণিপুবগী মহাবাজনা এস পি, এল গোপালগী কমান্দদা বাইফলমেনগী কন্টিজেন্ট অমা থাবকখি। মদুদা এস আই, এল যদুমনিনা মতেং পাংখি। সেক্সন ১৪৪ সি আব পি সি টেমপল কমপ্লেক্সকী মনুং অমসুং অকোযবদা জাবীখি। মতমদুগী চীফ কমিস্নাব শ্রী হিমৎ সিংহদা হুকুম তৌদুনা মিলিটবি অমসুং পুলিস ফোর্স থাবকতুনা প্রজাশিংনা লাইকোন্নংদা অহিংসা আন্দোলন তৌবা থুগাযদুনা নোংমৈ গুন্দানা শুদুনা সত্য গ্রহী কয়া শোকহনখি। মীযাম কযা শা-ষন ফুবগুম ফুদুনা লাক লাক্কুনা থাংজিং লাইকোন্দগী ইপ্পোকখি। শ্রীকোইবেং সিংহ, বাইফলমেন কযাগী শঙ্গিলনা কোযশিন্দুনা থমখি শোকশু শোকখ। নোংমৈ বাউন্দ কয়া ব্লেঙ্ক ফযাব তৌখি। কোইবেং অমসুং অতৈ কযা ফাদুনা লাইবোন্দগী পুথোকখি। অহল খবদি শুকচেন চেনখিদে। মখা তাবা থবক ওইনা মীয়াম্না ফম্নাইবাশংব বোইকোট তৌখি। অদুগা ব্রাথোক ওইববা লাইশঙগী থববাস কোর্টকী মতেং পৌদুনা মতম শাংনা থেংনাখ। পনবা যাবা ব্রাফম অমনা মতাঙ অসিদা লাইশ্রম যুগেশ্বব এম পিগী মতেংদগী ভাবতকী বাষ্ট্রপটিগী অযাবা লৌববা মতুংদা মহাবাজ কোর্ট কাবগী ফিবমদা লাকাখ। মহাবাজনা কোর্ট কাবগী মতাং লাকপসিদা কোনুংদা যাম্না চবাংনবা অমা থোকখি। খন্নবা যাবা খন্নববা মতুংদা মোইবাং প্রজাগা যানবা অমসুং চান্নবনা ফৈ হাযদুনা এম কে প্রিযব্রত সিংনচিংবা মোইবাংদা লাক্লবদা কোইবেং অমসুং মোইবাংগী মীযামগা থাংজিং লাইকোন্দা উনখি। যানবা অমা পূবক্কুনা "থাংজিং সেবা মন্দল" কৌবা সংস্থান অমা শেমখি। তৌজিক ইবুন্ধৌ থাংজিং প্রজাগী লাই ওইবে। পুম্নমক অসি শ্রীকোইবেং সিংহগী তোৎনমন্নানি হাযবসি ঙসি ফাওবা মোইবাংগী মীযাম্না কাউনদ্রি।

মোইবাং বাজাব শেমগৎপাঃ

মোইবাং বাজাব মণিপুবগী যাম্না লিববা বাজাব অমা ওইজদুনসু মতম অমদদি হাযনীংঙ্গাই নৈতনা ফিবম ফবমদে। ঈশিং থুমগনবা, যণ ইবোইগী লৈযোনফম ওইবা

মবম্লা লৈখোম যাম্লা থোক্লম্মী। নোংজথাদাদ ওস্থোক্লা খুদোংথীনবগী মশকনি। কৈথেল কাবী ইমা ইবেলশিংগী ফমফম নিংথীনা লৈতে। নিংথীনা কৃপ্লা পোৎ যোনফম লৈতে. কালেনগী নুংশা খাঙফম লৈতে। নোং খিৎতং চবদসু হেক্তা লৈখোম থোকপনা পোৎ-চৈ যোনবদা লৈবদা অম্রাবা অমা ওইবর্ম্মা। অম্রাবা অদ ব্রাহৈনা ফোংদোকপা পাক হেক ঙমগদবা নত্তে। মতম অমদা (মতম অদদা মণিপুরগী ডিপুতি কামম্লাব ওইবম্লা শ্রী মোহিনী ন থ ফকন্না মোইবাংগী বাজনীতিদা লিংজেন মান্নবা অমাদ থাংজিং লাইগী ঈহৌদা মীযাম্লা হৌবা আন্দোলন উকবদা মাবু উনবা চৎলুবা শ্রীকোইবেং অমসুং শ্রী এল ইবোমচাগী মফমদা মোইবাং বাজাব শেমগৎনিংবগী অপাম্লা উৎলকখি। সবকাবগী ফন্দ অমসং কৈথেল শঙ শানবা প্রোভিজনসু লৈতন্দগী খাস লেন্দ (লমলেন লমহাঙ) লৌশিনবা যানবা অমসুং মদ প্লোট খাযদোকতুনা যোল্লগা ফন্দ শাগৎনবা যাহনবানবা হায়জবদা দি সে শ্রী ফকননা সোসাইটি অমা শেমলো তাকাপখি। শ্রীকোইবেংনা চেয়াবমেন, শ্রী ইবোমচানা সেক্রেটাব শ্রী হেমাম নীলমনিনা কেসিয়াব অমসং অতে থবনা মেম্বব ওইবনা মোইবা বাজাব ইম্প্রুভমেন্ট কো ওপবেটিব সোসাইটি (অনলিমিটেদ) শেমখি। মসুম্লা খ কুম ১৯৫১-৫২ দগী হৌনা অনৌবা মোইবং বাজাব অমা ওইনবা খোৎজং চৎশিল্লকখি দকান শঙ শানবা পোসাবীগী শৰ্ধশিং শাননা মোইবাং বাজাবগী। অবোযবদা মনাক নকপদা লবা খাস লেন্দ সোসাইটি অসিনা ফংলবদা লম অদু খল (থাক) অগুম থোক্লা খাযদোক্লগা দুকান ফম্লিংবা কাববাব তৌনীংবাশিংদা প্লোটশিং যেন্নগা ফন্দ শাগৎতুনা মোইবাং বাজাব শেমগৎখি। কান্নদনা ইবোইনা লৈওনফম, ষণনা কুনফম ওইবম্লনা খাস লেন্দ অথবা মতমগী মনুংদা হৌজিক্কী মোইবাং বাজাবগী শকতম অসিদা পুনর্কাখিবনি। কোইবেংনা সোসাইটি অসিগী চেয়াবমেন ওইবিবৈ অমসুংসু ১৯৫৪ গী লোটাশিল্লকপদা মহাক্ন চেঙগৈ গ্রাম মোহল অসি প্লেগ্রাউন্দ অমা ওইনবা অমসুং অতৈ প্রজা থবব কযাদা শীজিন্নবা যানবা দির্বিজার্ব তৌনবা তর্কশিনবদা দি সি হবাও হবা ও যাখ। কোইবেংনা চেঙগৈ পব্লিক প্লেগ্রাউন্দ অসি ফগৎনবা হোৎনবা যাম্লা পামজখি। মযম অসিদা ৬সি এম কোইবেং মেমোবিয়েল ট্রাসনা মাবু নীংশিংনব মোনমেন্ট অমা শানবা শেম শর্ব।

মতাঙ আসদা পঞ্জর্নাংবা ৱাফম অমনা ঙসিগী মোইবাং (মোর্দন মোইবাং) অসি ওইবক্লবা হোৎনবদা কোইবেং যাওদবা নৎত্রগা মাগী মিং পাম্লবোইদবা অমত্তা লৈতে হাযবসিনি।

রাজনীতিগী পুন্সিঃ

শ্রীএম কোইরেং সিংহগী পুন্সিদি রাজনীতিগী পুন্সিনা মপূং ওই। মশাগী চহী ২৩ শুরকপদগী রাজনীতিগী লমদা খোঙদায় হায়বা য়াই। খৃঃ ১৯৩৮ দা নিখিল মণিপুরী মহাসভা য়াওদুনা শ্রী হিজম ইরাবত সিংহগা শন্নরকই। মতম অদুগী নিংথৌগী মীওং-মীনৈ য়ানীংদবগী ব্রহ্মা সভাগী থবক খুংতৌদা পেন্দবগী থবক পায়খৎপদা শরুক য়ারকই। মহাত্মা গান্ধীগী স্বদেশী আন্দোলন শরুক য়াদুনা বৃটিশকী ফি মৈ থাবা য়াওখি। খৃঃ কুম ১৯৪৪ দা আজাদ হিন্দ ফৌজগা মরী লৈনদুনা ভারতকী নীংতম লান্দা শরুক য়ারকপগা লোয়ননা মণিপুর থাদোকতুনা রেঙ্গুন (য়াঙ্গোন) তান্না চৎখি। মফম অদুদা লানগী বন্দি ওইনা জেলদা থা ৮ চূপ্পা ফাদোক তাখি। খৃষ্টগী কুম ১৯৪৬ তা মহাক্না মণিপুর য়ৌরক্লবদা মণিপুরগী ইহান হানবা ওইনা শেমখিবা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিটি, মণিপুরগী ফাউন্দর মেম্বর অমা ওইখি। অসুন্না মণিপুর অমসুং মোইরাংদা কংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা শরুক য়াখি। খৃষ্টগী কুম ১৯৪৮ দা মতমদুগী (ইন্টরিম) মণিপুব ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেম্ব্লিগী মীখলদা কায। খৃঃ ১৯৫২ গী মণিপুর ইলেক্টোরেল কলেজ অমসুং ১৯৫৭ গী মণিপুর টেরিটোরিয়েল কাউনসিলগী মীখলদসু কায়। খৃঃ ১৯৫৫ দগী ৫৭ ফাওবা মহাক্না মণিপুব ষ্টেট কংগ্রেস কমিটিগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা কংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনখি। মহাক্কী মতম অসিদা কংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা শাখি, পার্টিগী পাউ-চে সিমান্ত পত্রিকা ফোঙবা হৌখি। মতম খরা লৈরগা টেরিটোবিয়েল কাউন্সিলগী চেয়ারমেন ওইখি। খৃঃ১৯৬২ গী মীখলদসু কারক্লুনা টেরিটোবিয়েল কাউন্সিলগী চেয়ারমেন ওইখি। মথংগী চহীদগীনা (১৯৬৩) চীফ মিনিষ্টর ওইনা মীয়ামগী সেবা ফংজখি। খৃঃ ১৯৬৭ কী মীখল থেংনবদসু মায় পাক্লুনা চীফ মিনিষ্টর ওইখি। এম এল এ চোংথোক চোংশিন তৌবদগী সরকার কায়বা অমদি সবকার হোংদোক হোংজিন তৌবনা মরম ওইদুনা টার্ম (১৯৬৭-১৯৭২) অসিদা চহী মঙা মপূং ফানা চীফ মিনিষ্টর ওইবা ঙমখিদে। পুন্না মহাক্কী মতমদা মহাক্না চহী ৭ মখায়রোম চীফ মিনিষ্টর ওইরম্মী। মহাক্না চীফ মিনিষ্টর অমদি কাউন্সিলগী চেয়ারমেন ওইখিবসি মণিপুরনা ষ্টেটহুৎ ফংদ্রিঙৈদনি। অদুনা পাৱার য়াম্না লিমিটেদ ওইনা ফংখি। কংগ্রেস পার্টি মনুংদা মত মান্নদবদগী পার্টিগী লুচিংবা খরদি কংগ্রেস থাদোকখি। অনৌবা পার্টি শেমখি। মণিপুরনা মপূংফাবা ষ্টেট অমা ওইদবসিদা রাজনীতি দলশিংগী ঈহৌ লাকখি। কংগ্রেস পার্টিনসু ষ্টেটহুদ আন্দোলন য়াওদুনা

"ওল পার্টিজ ষ্টেটস্দ দিমান্দ কোওর্দিনেটিং বোর্দ (১৯৭১) শেমাখ। মণিপুরনা মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ফংনবা হোৎনবদা মহাক্কীসু অচৌবা থৌদাং য়াওখি। পুন্না হোৎনবা কথাগী মহয় ওইনা মণিপুর মপুংফাবা ষ্টেট থাক ফংজবা ঙমখি। কংগ্রেসী অমা ওইনা কোইরেংনা মসিদা শরূক যাখিবনি। অসুম্না লীশাং শীৎনা কংগ্রেস অমা ওইনা লাক্লবা তুংদা পার্টিগী লুচিংবশিংগা মত খেন্নবকপদগী মহাক হেনফদবদগী পার্টিথাদোকখি অদুগা খৃঃ কুম ১৯৭৫ দা চীং-তম কৌবা রাজনীতি দল অমা লিংখৎখি। মতমগী মতুংইন্না পৃংলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাবা তাখি, চীং-তম জনতা পার্টিদা খৃঃ১৯৭৬ তা মার্জ তৌখি। খৃঃ ১৯৭৭ তা মহাক্লা জনতা পার্টি, মণিপুরগী সভাপতি ওইখি। খৃঃ ১৯৮৬ তা মণিপুর জনাতা পার্টি কংগ্রেসতা মার্জ তৌখি। অসুম্না মতম খরা ফিবমনা যাদবদগী তঙায ফদনা হেনফদবদগী কংগ্রেস থাদোক্লুববা মতুংদা অমুক হন্না মহাক্লা পামজবা কংগ্রেসতা য়াওদুনা মহাক্কী পুন্সিগী অবোইবা নুমিৎ (দিসেম্বর ২৭, ১৯৯৪ ইং) ফাওবা কংগ্রেস ওইখি। কংগ্রেস ওইনা তাইবঙ সংসার থাদোকখি।

মীখলগী লানদা এম কোইরেংঃ

শ্রীমাইরেম্বম কোইরেং সিংহনা মাগী পুন্সিদা থেংনাখবা মীখলগী মপুং অসি ক্রোনোলোজিকেল ওর্দরগী মতুংইন্না মখাগী অসুম্না যেংবা যাইঃ

চহী	পার্টি	কেন্দ্র	ফল(কাবা/কাদবা)	করম্বা মখলগী মীখল
১। খৃঃ ১৯৪৮	কংগ্রেস	মোইরাং	কাবা (নোমিনী)	এম এল এ
২। খৃঃ ১৯৫২	কংগ্রেস	মোইরাং-বিষ্ণুপুর	কাবা	এলেক্টোরেল কলেজ মেম্বর
৩। খৃঃ ১৯৫৭	কংগ্রেস	থাঙ্গ কুম্বী	কাবা	টিঃ সিঃ মেম্বর
৪। খৃঃ ১৯৬২	কংগ্রেস	থাঙ্গ-কুম্বী	কাবা	টিঃ সিঃ মেম্বর
৫। খৃঃ ১৯৬৭	কংগ্রেস	থাঙ্গ কুম্বী	কাবা	এমঃ এলঃ এঃ
৬। খৃঃ ১৯৭২	কংগ্রেস	কুম্বী	কাবা	এমঃ এলঃ এঃ
৭। খৃঃ ১৯৭৪	কংগ্রেস	কুম্বী	কাদবা	এমঃ এলঃ এঃ
৮। খৃঃ ১৯৮০	~~কংগ্রেস~~ জনতা	মোইরাং	কাবা	এমঃ এলঃ এঃ
৯। খৃঃ ১৯৮৫	~~কংগ্রেস~~ জনতা	মোইরাং	কাবা	এমঃ এলঃ এঃ
১০। খৃঃ ১৯৯০	কংগ্রেস	মোইরাং	কাবা	এমঃ এলঃ এঃ

শ্রী এম কোইবেং সিংহগী পুন্সি ৱাবীদ অঙাং ওইবিগৈগী পুন্সি মতেক খবা নত্তনা অতৌদ বাজনীতিগা মবী লৈনৈ হায়বা যাই। অঙাং ওইবিগৈগী পুন্সি অদু ফাওবা বাজনীতিগা মবী লৈনৈ হাযবমক যাববনি। মণিপুবদা খৃঃ কুম ১৯৪৮ দগী হৌনা লৈবাক শাসনগী এলেক্সন হৌবকপদগী হৌনা মাগী পুন্সিগী অবোইবা শব্দক ফাওবা এলেক্সনগা মবী লৈনখিবনি। লোক সভাগী মীখল নত্তনা এসেমব্লিগী মীখল খুদিংমকতা মীবেপ ওইখি। খৃষ্টগী কুম ১৯৭৪ গী মীখলদা দব্লিউ কোমলগী মখুৎতা মাযথীখিবা নত্তনা অতৈদদি মায পাকখি হাযবদু মথক্কী চার্ট অসিদগী খঙবা ঙম্মী। খৃষ্টগী কুনশুবা শটাব্দীগী অহানবা তংখায়গী অবোইবা শব্দক অমসুং অনীশুবা তংখাযগী অযাম্বা শব্দক (লোইবমদাই চহী ৫/৬ নত্তনা) মণিপুবগী ইতিহাস (বাজনীতিগী মতাঙ) নৈনবা তাববদি মোইবাং কোইবেং যাওদবা ইযা যাবোই হাযবা য়াই।

খৃষ্টগী কুম ১৯৪৮ দা ইহান হানবা মণিপুব ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা কংগ্রেসকী টিকেটতা মোইবাং কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইনা মীযামগী সেবা ফংজখি। অদুবু নিংথৌগী কা হেনবা নীতি অদুদগী গনতন্ত্র কন্নবা কংগ্রেসকী মেম্বব পুম্নমক কোইবেং মশামক যাওনা থা ৭ কী মনংদা এসেমব্লিদগী ফম থাদোকখি। খৃষ্টগী কুম ১৯৫২ দা মোইবাং বিষ্ণুপুব কেন্দ্রদগী কংগ্রেসকী মীহুৎ ওইনা মীখলদা মায পাকখি। মীখলদা কাববা মতুংদা মতমদুগী থাঙ্ক কুম্সী কেন্দ্রগী মীহুৎ বাহে বম গৌবকিশ্বব গাডী এক্সিদেন্টতা লৈখিদে। গৌবকিশ্ববগী মপা ইবুংঙ্গো মোহননা কেন্দ্র অদুদা মমাগী মহুৎ শিন্দুনা লেপ্পু হাযজবদগী অমসুং কুম্বীগী পজ্জাশিংনা ওকশিনবদগী হার্যববা কেন্দ্র অদুদা কংগ্রেসকী মীবেপ ওইনা ১৯৫৭ গী মীখল থেংনবদা মায পাকখি। ১৯৬১ গী মীখলদসু কেন্দ্র অসিমক্তদগী কংগ্রেস মীবেপ ওইনা মীখল থেংনবদসু মায পাকখি। চহীসিগী আগষ্ট ৩ দগী ১৯৬৩ গী জুলাই ২১ ফাওবা টেবিটোবিযল কাউন্সিল চেযাবমেন ওইখি।

খৃঃ ১৯৫৭ অমসুং ১৯৬১ গী মীখলগী মতমদা মণিপুবদা আইন সভা লৈবমদে। এম অদুনা এখনদা কাবকর্পশন টেরিটোরিযেল কাউন্সিলগী মেম্বব) হাযনা ২৬... টেবিটোবিযেল কাউন্সিলনা টেবিটোবিযেল এসেমব্লি ওন্নকপগা লোযননা জুলাই ২১ ১৯৬৩ ইংদা শ্রী কোইবেংনা চীফ মিনিষ্টব ওইনা বাশক লৌখি। ১৯৬৭ কী এলেক্সনদসু থাঙ কুম্বীদগী কাবক ওনা মংক্লা ...চংবা কংগ্রেসকী সবকাব শেমখি। মণিপুবনা ১৯৭২ দা ষ্টেটহুৎ ফংলকপগা লোযননা এম এল এ ৬০। কেন্দ্র ৩০। লৈবস্না মণিপুব

শ্রী মাইরেম্বম কোইবেং সিংহগী পুন্সি অমসুং থৱক

নোমিনেসনগী অনী থাদনা এম এল এ ৬০ (কেন্দ্র ৬০) লৈবা তাখ। থাঙ্গ-কুম্বী কেন্দ্র অনী থোকখি— থাঙ্গ হাযবা অমা কুম্বী হাযবা অমা। খৃঃ ১৯৭২ দা কুম্বী কেন্দ্রদগী কংগ্রেসকী টিকেটতা মহাক কাজবক্লবসু, কংগ্রেসনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট ওইজববসু সবকাবদি এম পি পিনা লুচিংবা ফ্রন্ট অমনা শেমখি। এম এল এ চোংথোক চোংশিন্না মবম ওইদুনা প্রসিদেন্ট রুল মণিপুরদা চহী অমবোমগী মতুংদা থমখি। খৃঃ কুম ১৯৭৪ গী মীখলদদি কুম্বী কেন্দ্রদা শ্রীকোইবেং দল্লিযু কোমলগী মখুৎতা মাযথীখি। মসিনা মহাক্কী অহানবা অমসুং অবোইবা ভোটতা মাযথীবনি। খৃঃ কুম ১৯৮০ অমসুং ১৯৮৫ গী মীখলদা মোইবাং কেন্দ্রদগী জনতাগী টিকেটতা মায পাকখি। অবোইবা ওইনা মহাক্লা মীখল থেংনখিবসি খৃঃ কুম ১৯৯০ গী মীখলদুনি। মসিদসু মহাক মোইবাং কেন্দ্রদগী কংঙ্গেসকী টিকেটতা মায পাকখি। অসুম্না মাগী পুন্সিদ' ৯ লক কাখি অমুক তুখি। মহাক রাজনীতিগী পণ্ডিতনি।

খৃঃ ১৯৬৫ গী আগষ্ট ২৭ কী থৌদোকঃ

শ্রীকোইবেংনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবগী খৃঃ কুম ১৯৬৫ গী আগষ্ট ২৭তা নুংঙাইত্রবা থৌদোক অমা থোকখি। নুমিৎতুদা মণিপুরগী ছাত্রশিংনা চেঙ তাংবা, চেঙ ফংদবগা মরী লৈননা ঈহৌ অমা হৌবক্লুনা মতমদুগী চীফ কমিসনরগা বঙ্গলাদা ফাজনখি, পুলিসনা ছাত্রশিং তানথোক্লবা টিযাব গ্যাস কাপখি। থৌদোক অদুদা মহৈরোয অনীগা গাড়ী ড্রাইবর অমগা পুন্না মীওই ৩ শিখি। মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টরদি কোইবেংনা ওইবাননা মঙোন্দা বদনাম পীনবা অমসুং দাযিত্ব পুনবা মীযামগী খোল্লাও লাক্লখি। থৌদোক্কী মরমদা মহাক্লা হাযখিঃ "থৌদোক অদু ঐগী বঙ্গলাদা থোকপা নত্তে, চীফ কমিসনারগী বঙ্গলাদা থোকখিবনি। চীফ কমিসনারগী বঙ্গলাদা নুং থাজিল্লবদি ফাযার্বিং তৌবা তারবনি। চীফ কমিসনার অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা ফাযারিং ওর্দর পীগদবা নত্তে। মাজিষ্ট্রেটনা পীগদবনি। অসুম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অসি মাগী মতমদা থোকখি।

মঙোন্দা করেম্নবিবা অমসুং কিহনবাঃ

কোইবেং মীযামগীদমক হোৎনবদা মবীংজেন লৈবা মথৌনা ফবা মীশকনি। চীফ মিনিষ্টর ওইরিবৈদা মীযামগী ফননবা বিল কযা পুথোকখি, বিল কযাদু পাস তৌনবা হোৎনখি। মদুগী মনুংদা ট্রাইবেল চীফশিংগী শক্তি মুথৎলগা চীংগী মীযামদা লমগী মপু

ওইহন্নবা বিল পুথোকপা অসি অমান। বিল পুখৎপদা ড্রাইবেল চাফশিং লাক্লুন, "তৌগ নওগী নশাসে যোৎ তোৎপা নত্তে" হায়ববদা কোইবেংনা নোক্লা "নখোয়না হাৎলবসু মী অমনা মপু ওইবগী মহৎতা মী লীশিংদা মপু ওইহনবগী যমনা ঐবু স্বর্গ কাহনগনি" হায়খি।

শ্রীকোইবেং সিংহ মীয়ামগীদমক কবি তৌসিগে, কবি তৌবগা ফগনি খনগন মীনি, মদুগীদমক মওলান কযা মওজবনি। মওশিং অদুগী মনূংদা মোইবাং-থাঙ্গ বোড ভায়া সেন্দ্রা অসি অমনি অদুগা অতোপ্পা অমনা লোকতাক মলটিপরপজ প্রোজেক্ট অসিনি। মোইবাংদগী থাঙ্গ তাবা লম্বী অসি মতম অমদা হিনা চৎনবর্ম্মী খোঙলম্বী লৈবমদে। মহাক্লা মোইবাংদগী সেন্দ্রা অদুদগী থাঙ্গ তাবা লম্বী অসি গাড়ী চেনবা যাবা লম্বী ওইহন্নীংই হায়না খৃঃ ১৯৪৮ অদুরাইদা হায়বদা মীয়াম্না ঙক্লা থোক্লখি। কনাগুম্বনা শ্রীবামগী যোং ময়াম্না সমুদ্র পল থিংবদি (লংকা তান্না চৎনবা লম্বী শেম্বদি) নূং তাউহল্লগা শেম্বা, নলনা (যোং অমগী মিং) হেক শোকপগা চাংদুম খঙদে অমা খঙদে হেক্তা তাউহ লপতে অদুনা লায়না সমুদ্র পল থিংবা ঙম্বনি কোইবেংগী লোকতাক পল থিংবসিদি নল যাওদবনিনা ঙমগদবা মান্দে হায়নখি, কোইবেংবু কবেম্লখি। অদুবু ঙসিদি মহাক্লা মওজবা মচু মওফাওনবে মতয চাবে। হায়নৈ অসুম্না – "লোক্তাকতা খুকম তোংগনি হায়নবদু চুম্লে"। মসিদবু মহাকপু কবিগীদমক হায়নবোইদগে লেজেন্দবি হেবো অমনি হায়না।

লোকতাক প্রোজেক্টকী মতাঙদসুন। লোকতাক্কী ঈশিংনা নোংজু পাম্দা মৌখৎলক্লুনা ৩০ কযামকম ঈশিং ঈবিদুনা লৈবা, অকোযবগী লৌ কয় হাৎপা অমা অতে খুদোং থীবা কযা থোকহনবদা মহাক্লা মাগা তিন্নবাশিংদা "নংথৌখোং মপাগী চাংশিং অসি মযাম চডদুনা তৌখাযববদি লোকতাকসে ফনা ফজনা কংগনি মগামগী অব বসি কোক্কনি" হায়খি। অসিগুম্বা মহাক্কী মং অসি মহাক্লা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট (১৯৫৫ ৫৭) ওইবিডেদা মঙফাওননবা হোৎনবা তৌখি। মথংদা মহাক্লা চীফ মিনিষ্টর ওইবকপগা লোযননা লোকতাক মলটিপরপজ প্রোজেক্টবা সঙে তৌখি। মহাক ইঞ্জিনযার নত্তে, এক্সপার্ট নত্তে। অদুবু কমাদা খঙথ্রবা লমাসদা। অনীবকগুবা মাপী চীফ মিনিষ্টরগী চার্মদা প্লানিং কমিসন্না অযাবা পীদুনা ঙসিগী লোকতাক প্রোজেক্ট অসি ওইবিবনি। খৃঃ ১৯৬৭ গী মীখলগা মমাঙ ভোটকী মীতিং কযাদা মকওইনা লিলোং থৌবাল কর্কাচংলোমদা মাবু যাদনা বাংলাত দলাশিংনা মাবু "লোকতাক শীৎপা", ওইবোইদৌবদা মকু মঙ মঙবা হায়না ক্লাস কনাগুম্বা খবা অমনা "কোইবেংনা লোকতাক শীৎপা" ঙম্লবদি ঐখোযস

শ্রী মাইরেম্বম কোইবেং সিংহগী পুন্সি অমসুং থবক

[illegible] কাইনগে, [illegible]

[illegible] শেল মাঙচ [illegible] [illegible] গাবেই হায়না [illegible]

অদুবু [illegible] মীয়াম্না উবে খঙলে [illegible] ইকী কান্নবা। মহাক্না পম্মঙ্খিবসি চুন্নগী লোকতাক্কী ঈশিং অহেনবা লৌথোকপদা নত্তে, লৌথোকলিবা ঈশিং অদু লৈমতাকতা থাদবগা মৈগী অফবা ফিবম ফংদ্রিবা মণিপুরদা মৈ ফংহনবা, অহেনবা শেল তানবা, লৌউবগী কান্নবা পাযখৎপা কযানি। অচম্বা প্রোজেক্ট নত্তে, মলটি পবপজ প্রোজেক্টনি। কয়াদা মুন্না খঙলিবা, তুংগী পোমিৎ উবিবা। হায়বা যাই লাইপোকনি।

শীংথানবা য়াবা পাঙথোক্লম্বা থবক খবাঃ

শ্রীএম কোইরেং সিংহগী পুন্সিদি রাজনীতিগা মরী লৈনৈ। রাজনীতিদা মশা কথোক্লবনি। মীয়ামগীদমক কথোক্লবনি। মীওং মীনৈ কয়াগী মাযোকতা লেপ্লগে খন্দুনা চোংথোবকপা মরীংজেল লৈববা শক্লাইববা মীশকনি। শোথববা থুঙ্গংগীদমক পাঙ্গোম তিংনা চোংথোক্লক্লবা লমযানবনি। সমাজ কর্মীনি, সমাজ সেবকনি, কর্ম যোগীনি, কর্ম বীরনি। মরৈবাক নুংশিবা মীশকনি, লুচিংবা অমা ওইবগী গুণ লৈবা মীশকনি, মরৈবাক্কীদমক চোংথোকলক্লবনি। থিয়েটরগী লমদস্ শক্লাইববা আর্টিষ্ট অমনি। নৈতংপববা কয়াগী ঙাকপি শেনবীবা মাযবোং যাবীবা মীশকনি। দেশ প্রেমী অমনি দেশ ভক্ত অমনি। রাজনীতিদা মাযপাকশিবা মীশকনি। লোয়নন্না রাজনীতিদা নীংবা থুংখিদবসু লেঙ্গায়নি। শন্না চায়ববদা মাগী পুন্সিদি রাজনীতি অমসুং মীয়ামগা শন্নবনা মপূংনি। অদুনা মান মাগী পুন্সিদা মীয়ামগীদমক্তা তৌবা যাবা কয়া তৌবম্মী, পাংথোক্কে খনবা কয়া পাংথোকলম্মী তৌগে খল্লম্বসু কোঙ্গায়নি। মীওইনা পোক্লবাননা নীংবা থুংখিদবসু কোঙ্গায়নি [illegible] চাবশ [illegible] থুংখিদবা নত্তে। থীনা [illegible] কয়াসুনি। যেংশিনগে মতম [illegible] যেংশিনবা কয়াসুনি। মফম মরাং খঙদনা, [illegible] খঙদনা হেক্তা [illegible] [illegible]বনি। অদুম ওইনমক মাবু [illegible] বদনাম অমা পীদুনা চিংথবা [illegible] খক ঙমলোই। মীয়ামগীদমক তৌবা যাবা কয়া তৌবীবম্মী, হোৎনবা যাবা কয়া হোৎনবম্মী, পাঙথোকপা যাবা কয়া পাঙথোকপিবম্মী, মশীং থাদনা লোইবা ঙম্বা নত্তে। শীংথাবা যাবা খবদং মখাদা থমজবিঃ

১। আই এন এ মার্তায়রস মেমোরিয়েল কম্প্লেক্স মোইরাংদা শানবা থবক পাযখৎপা

অমসুং পাওথোকপা

২। ইম্ফাল লৈবমদবা মোইবাং থাঙ্গ লম্বী, কৈবুল লম্বা, ৱাঙু শগাং লম্বী, খুগা তুবেলদা শাবিবা কুম্বী থোং, ৱাঙু থোং, শুগু থোংনচিংবা শেম্বা শাবা

৩। লোকতাক মলটিপরপজ প্রোজেক্ট পাযখৎপা

৪। ভিলেজ ভোলুন্তুয়াবস ফোর্স লিংখৎপা

৫। মণিপুর রাইফলসকী মপাঙ্গল কনখৎহনবা

৬। ওল ইন্দিয়া রেদিও ষ্টেসন, ইম্ফাল কেন্দ্র লিংবা

৭। চীং অমদি তমদা মহৈ তম্ফম শওশিং লিংখৎপা

৮। ন্যু কাছাড রোড, ইম্ফাল তিপাইমুখ রোড শেম্নবা সর্ভে তৌবা

৯। ইম্ফাল তমেংলোং রোড শেম্বা

১০। নেসনেল হায়ৱে-৩৯ ফগৎহনবা

১১। রিজনেল মেদিকেল কলেজ, ইম্ফাল লিংখৎপা

১২। মোরচ অমদি ইর্ফিসিযেনসিদা যমফম ওইবা রিক্রুটমেন্ট অমদি প্রোমোসনগী কলস কযামকম শেম্বা

১৩। মণিপুরগী সার্বিস কযা, রুদব পোষ্ট হৌদোকপা এম সি এস/এম পি এস লিংখৎপা

১৪। ফ্লব লা টুরিষ্ট হোম, সেন্ত্র টুরিষ্ট হোম শেম্বা

১৫। মাইবম লোকপচীংগী নাপোমদা শাগৎলিবা পিচ মেমোরিযেল মোনুমেন্ট শেমগৎপদা মতেং পীবা

১৬। শঙ্গাক তম্পাক্কী লম্বী শেম্বা

১৭। লোকতাক ডিবেলোপমেন্ট ওথোরিটিগী ৱাফম কাওথোকপা

জাপান্দা ইকায়খুম্নবিবা:

অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা জপানগী লাম্মী অমসুং আজাদ হিন্দ ফৌজগী মায়কৈদা লেপ্পুনা ভাবত নীংতম লান্দা মাযবেং যাখিবা, নেতাজী সুভাস চন্দ্র বোসকা খৎনবা অমসুং অতৌ মবম কযাদগী জাপানা শ্র বংবু মশক খৎই অনীশুবা ওইনা ১৭ জুন ১৯৯১ দা জাপানগী ৩৩ শুগী মাউন্টেন গন রেজমেন্টনা বার্তা তৌবকপদগী

শ কোইবেং সিংহ জপান্দা চৎলি। মচানুপা শ্রীমতী বিতেশ্বরীস্ লোযনৈ। শ্রী এল জযচন্দ্র সিংহগা লাযনবনি। বোর্জমেন্টকী মেম্বর লোইনমক্না শ্রীকোইবেংবু ওবান্না ওকই। তোকও হৈবোশিম্মা, কিযোতো অমসুং অতৈ মফম কযা যেংহল্লি। বেংকোজি লাইশঙদা নেতাজী সুভাস চন্দ্র বোসকী উৎনি হাযদুনা খৃঃ কুম ১৯৪৫ দগী গৌনা থম্লমলিবা অদু যেংই। মদদা কোইবেংগী থম্মোয কযাদা শোকখিবা। বেংকোজি টেম্পলদা নেতাজী সুভাস চন্দ্র বোস একাদেমী ওব জাপানগী মেম্বরশিংগা উনৈ। মেম্বর খবনা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা মখোযগা সুভাস চন্দ্র বোসকা লৈনখিবা ৱাৰী কয়া লীখি।

জাপান্না মণিপুর থাদোকখিবা (১৯৪৪) মতুং চহী ৩০ লৈবগা জেনেবেল ফুজিৱাবানা লুচিংদুনা জাপানীজ তিম অমা জানুঃ ১৯৭৪ দা কোলকাতাদা নেতাজিগী মবমদা সেমিনাব অমা য়াওবা লাকখি। তিম অদুনা জানুঃ ৩১, ১৯৭৪ দা মোইবাংদা লাকপদা কোইবেংনা ঙাংখা লৱাযদগী ফংবা জাপান লান্মীগী লৈনুংদগী ফংবা শকশিং পীখি।

শ্রীকোইবেংসিংহগী অহানবা জাপান খোঙচৎতি খৃঃ কুম ১৯৭৫ দনি। খোঙচৎ অদুদা লোযনবশিংদি দাইহো, সলাম তোম্বী অমসুং এল জযচন্দ্রনি।

জাপানগী মেমোবিযেল সার্বিস গ্রুপনা খৃঃ কুম ১৯৮৭ তা ইম্ফালদা লাকপদা গ্রুপ অদুদা যাওবকপা টি শিমোদাগা এম কোইবেংগা ইম্ফালদা উনবদা কনানা কনানো হাযবদু খঙনখি। কোইবেংবু কনানো হাযবা মৃন্না খঙলবদা জাপানীজশিংনা মখোযগী মেমোবিযেল সার্বিসতা কোইবেংবু লমজিংহল্লি। জপাননা কোইবেংবু নুংশিবগুম কোইবেং, সে জাপানীজশিংবু যাম্না নুংশিজে। জাপানীজশিংনা মণিপুরদা লৈকপদা মযূমদা চাকলেন লাংদুনা পীদ পীথক হৈটই চাম্নি। অনীশুবা লাঞ্জাওদা লন্দমাদা লৈখিদ্রবা জাপান লান্মীশিংগী শক্ন পোল্লাং নৎৱগা শক্ন শয়াংশি থিবদা খোঙজিনদা মসুং বেদ হিলস, লাকপচাংদা পীচ মেমো বাযল মোনুমেন্ট শাবদ পীখি। মতে অদু জাপানীজশিংনা কাউবা লৈতে। অদুমনি মখোযনা কোইবেংবু জাপানদা মাক্লক কার্ডন পীখিবা, তব না চেচাং ইনবা চিঠি থাদোক থাজিন তৌনবা। কবি অমুক হাযগনি হকচাংগী ফিবমনা ফংলকএবা, অনা হেদো লাংলবা মতমদা কবি হিদাক্না যগদগে থক্লবক্লবদা জাপানদতা ফংই হাযনবা এম/এস ডাকেদানা মেন্যফেকচব গৌবা লুপ্রোন ইঞ্জেক্সন জাপান্দগী ফংনবা হোৎনখিবা, জাপান্না ফংহন্নবা হোৎনবা কযাদা থম্মোয শেংনা নুংশির্নাববা

ইন্দো-বর্মা ৱার এৰিয়া ভেতরানস এসোসিয়েসন ওব জাপানগী ভাইচ প্রসিদেন্ট অমদি পিলগ্রিম গ্রুপ ফোব ইনোগুরেসন ওব সেনপতাফ ফোর ৱার্ল্ড পীচকী লিদর ওইখিবা শুতারো কোতানিনা লমজিংদুনা মণিপুরদা লাকপদা (১৯৯৪) কোইরেং অমসুং মাগী ইমুং-মনুংনা জাপানীজশিংবু তৌখিবা সেবা অদুগা মহাপুরুষ অসি লৈত্রে তাবদা লৈখিদ্রবা তুংদা ইরকখিবা চিঠি কয়াদা থম্মোয় শেংনা নুংশিনরিবা তোঙান তোঙানবা জাতি ওইজরবসু।

অরোইবা মতমঃ

ঐখোয় লাকপা য়াই লাকতবা য়াই। অদুবু হন্দবদি য়ারোই। কৌরক্লবদা মতম্না খুমদবা ওমলোই কনাসু। খুম্না তাই ঐখোয় কৌরক্লবদি মতম্না কৌরক্লমাক্লে মহাকসু। খুমখিদৌরে মহাক কৌরক্লবদা মতমনা। লৈ মী খূদিংগী পর্ব্ব পুন্সিগী পর্ব্ব। পর্ব্ব লোইরম্লগা চৎখিগদবনি মীপুম খূদিং। লৈখি ভীষ্মসু মাগী ভীষ্মা পর্ব্ব। অসুম্না দ্রোণ পর্ব্ব, কর্ণ পর্ব্ব...। জগৎকী মপু শ্রী কৃষ্ণ লোইখি মাগী লীলা, শান্নরম্লগা মাগী তাইবঙ লীলা। লোইখি অসুম্না শ্রী রাম। গৌতম বুদ্ধ, মহাবীব জৈন, চৈতন্য মহাপ্রভু লোইনমক। মীথোই মীহেল্লবা শক্লাইববা (মহাপুরুষ) কয়া তান্নফম ওইখি অফ-ফত্ত, মীওই কয়া কয়াগী, কোক্কা মোনগা তাইনরবা ফাওবদা মখোয়না। লৌখি পাউতাক, তমখি রাজনীতি শ্রীরামনা রাবণদগী, রাবণগী অরোইবা মিকুপ য়ৌবকপদা। লৈবাংনা লৈখোক লোইরকপা, হৈরাংনা মমুন ফাবকপা মতমনি মখোয়গী অবোইবা। অসুম্না লাকখি অরোইবা মতম মীথোই মীহেল্লবা মহাপুরুষ অসিগীসু। রাজনীতিগী তঙ তাদবা, চীঙমী কাঙলূপ মশেল, তম্মী মশেল হাৎনা শুনবা মপালদনা অমা মনূংদনা অমা ওইরকপগা লোয়ননা শোকচিল্লকখি মশাগী ফিবমসু অসুম অসুম। অদুবু তমজনীংঙাইদি ৱাৎপা নত্তে মঙোন্দগী। হংজখিৱনি মঙোন্দা মতম অমগী চীফ মিনিষ্টর শ্রী রাজকুমার বর্নবীর সিংহনা তৌবা য়াবা করি। হোৎনবা য়াবা হোৎনৌ য়েংবা য়াবা ঐখোয়স্ য়েংলক্কে খুমদুনা অতিথিব্ পেলহনখিবা মীশকনি। জাপান্দগী ইদাক লাংথক ফাওবা চেন্দুনা হোৎনরবা ফাওবদা মাগী অরোইবা মতম লাক্লবনিনা মতম খরদং ফিবম ফগৎলম্লবসু হান্নগী ফিবমদা হঞ্জিন্দুনা শোকচিনবা হেনগৎখি। অসুম্না মতম খবদং লৈরম্লগা খৃঃ কুম ১৯৯৪ গী দিসেম্বর ২৭ তা মণিপুরগী রাজনীতিগী অতিয়াদা থোক্লস্না লংলবা থরানমিচাক মণিপুর মীয়াম্না নুংশিজরবা, কংগ্রেস পার্টিনা পাম্মুজরবা মীয়ামগীদমক্তা

পুক্নি চঙ্গ কর্মযোগা ওইবত' নত্তনা কর্মবাব ওঠববা মাশক অসি মযাম খ্বাইবু কাবনা মৈচাক শাবল্লগা মাগী থবায় মিবেন্না মপু মাগী লৈকোন্দা চঙজখি।

শ্রীমাইরেম্বম কোইরেং সিংহগী বাইও দাতা

পোকপা চহী/নুমিৎ	ঃ	খৃঃ ১৯১৫, দিসেম্বব ১৯
লৈখিদবা চহী/নুমিৎ	ঃ	খৃঃ ১৯৯৪, দিসেম্বব ২৭
মপুন্সি	ঃ	চহী ৭৯ নুমিৎ ৮
পোকফম/লৈফম	ঃ	মোইবাং (বিষ্ণুপুব ডিষ্ট্রিক্ট)
অপোকপগী মিং	ঃ	শ্রীমাইবেম্বম চাউয়াইমা (নোংথোম্বা) সিংহ
অপোকপীগী মিং	ঃ	শ্রীমতী তোম্বীচৌ দেবী
লোযনবীগী মিং	ঃ	কিয়াম নীংঙোন ইবেমহল দেবী
অঙাং মশীং	ঃ	নুপা ৫, নুপী ৩, অপনবা ৮
মহৈগী থ'ক	ঃ	অন্দব মেত্রিক
পামজবা নীতি	ঃ	গান্ধীজম
পাম জবা ফিজোল	ঃ	খাদিগী ফিবোল
ভোটতা ম'যপাকপা	ঃ	মাপললক (১৯৪৮, ১৯৫২, ১৯৫৭, ১৯৬২, ১৯৬৭, ১৯৭২, ১৯৮০, ১৯৮৫, ১৯৯০)
ভোটতা মাযথীবা	ঃ	অমুক (১৯৭৪)
যাওবম্বা লূপ/দল/ সংস্থান/অতৈ অতৈ	ঃ	নিখিল মণিপুরী মহাসভা (১৯৩৮), মোইবাং ড্রামাটিক য়ুনিযন (১৯৪২), মোইবাং যুনিয়ন ক্লব, আজাদ হিন্দ ফৌজ (১৯৪৪), থোইবী নাট্য মন্দিব (১৯৪৬), ভাবত জাতিয কংগ্রেস (১৯৪৬), ওল ইন্দিযা ফ্রিদম ফাইটর্স এসোসিয়েসন, থাংজিং সেবা মন্দল, চাং তম পার্টি (১৯৭৫), জনাতা পার্টি (১৯৭৬) অসিনচিংবা
ইশা/...		
খঙ-বা ম'ম	ঃ	মোইবাং কোইবেং

শ্রী মাইবেম্বম কোইবেং সিংহগী পুন্সি অমসুং থবক

[illegible]

[illegible] ঃ তাম্রপত্র (১৯৭২) ঃ আইএন [illegible]
পীবা

[illegible]ন্না নকশিন্না

মবা লৈনবা মীবৈবাক ঃ জাপান

শীংথানীংঙাই ওইবা

পাওথোক্লম্বা / পাঙথোক্লবা

হোৎনবম্বা থবকশিং ঃ লেক্তাক মল্টিপরপজ প্রোজেক্ট, আই এন এ মার্তাযবস মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স, মোইরাং থাঙ্গ রোড, অল ইন্দিযা রেদিও, ইম্ফাল ন্যু কছার রোড (সর্ভে তৌবা), ইম্ফাল তিপাইমুখ রোড (সর্ভে তৌবা), ইম্ফাল তমেংলোং রোড শেম্বা, রিজনেল মেডিকেল কলেজ, এম সি এস/এম পি এস লিংখৎপা আসনাচংবা

মতেং লৌজখিবশিং


1 Souvenir 80th Birth Anniversary of Shri M Koiring Singh (December 19 199[illegible] Moirang) দা যাওবা ৱাবেংশিং

2 নীংতম লান্মী কর্ম্ম যোগা -কোইরেং Issued by Literature Sub Committee, Koireng Shradh Ceremony [illegible]th Jan 95 Moirang

3 কোইরেং অমসুং জাপানীজ থবক লৈনবা চিঠিশিং

4 Sun' Magazine, 17th August 1985

5 মাথোই মীহেল্লবা অসিগী ইমুং মনুংগা রাবি রাতাই শানজবা



মতেং পৌজাখিবা Souvenir গী ৱারেংশিংঃ

English:

1 K. Matum Singh : **Shri M. Koireng Singh: His contribution for development of Moirang**

2 Sheel Bhadra Yajee : **M. Koireng Singh: The Hero of the I.N.A in its struggle of Manipur**

3 T Shimoda, Japan : **My Association with M. Koireng Singh**

4 Shutaro Kotany, Japan : **An Address from Japan**

5 Prof Samar Guha : **Netaji's Man of Manipur**

6 N Tombi Singh, Ex M.P : **M. Koireng Singh: A tall Manipuri**

7 L. Joychandra Singh : **Shri M. Koireng Singh: As I knew him**

8 Dr. T S Gangte : **Koireng as Politician-Strategist**

9 Y Modhu Singh : **M. Koireng Singh: A Philosopher Politician**

মণিপুরীঃ

১। শ্রীকিয়াম শ্যাম সিংহ ঃ শ্রীএম কোইরেংগী অঙনবা রাজনীতিগী পুন্সি

২। শ্রী এলাংবম নীলকান্ত সিংহ ঃ কর্মবীর মাইরেম্বম কোইরেং

৩। শ্রী হেমাম নীলমণি সিংহ ঃ রেঙ্গুন খোঙচত্তা এম কোইরেং

৪। শ্রী এল ইবোমচা সিংহ ঃ মোইরাংগী সমাজ অমসুং রাজনীতিগী থবকতা কোইরেং

৫। বি চিত্রেশ্বর শর্ম্মা ঃ কোইরেংবু নীংশিংবা

৬। প্রোঃ অবিবম শরৎচন্দ্র শর্ম্মা ঃ লীদ্রিবা ৱারী

৭। শ্রী এস বিজয় সিংহ ঃ স্বর্গীয় এম কোইরেং সিংহবু নীংশিংলুবদা

৮। শ্রী মাইরেম্বম অঙনবী সিংহ ঃ ফ্রিদম ফাইটর অমগী ৱারী


* * *



[illegible] বেইরেং সিংহ নানা থাওবা




শ্রী কোইরেং সিংহ [illegible] লৈকুপাদা
অপগা [illegible] ১ [illegible]



শ্রী কোইরেং সিংহ-গা লোয়ননা জপানগী শ্রী [illegible] সিয়োতো [illegible] চিংদুনা যমান [illegible] ইংগী
[illegible] মৈরাংদা লৈবা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মূর্তিগী মমাংদা।



মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর শ্রী কোইরেং সিংহ অমসুং শ্রী য়াইঃ বিঃ চবন,
কেন্দ্রগী হোম মিনিষ্টরনা রিমসকী ফাউণ্ডেসন ষ্টোন থম্বা।



কর্ণেল জিঃ এসঃ ধীল্লোন (আইঃ এনঃ এঃ), শ্রীমাইরেম্বম কোইরেং সিংহ (চিফ মিনিষ্টর, মণিপুর) শ্রীমতি মোহন সিংহ, শ্রী মোহন সিংহ জিঃ ওঃ সিঃ (আইঃ এনঃ এঃ) অমসুং শীল ভদ্র (এমঃ পিঃ), ২২-১০-১৯৬৮

শ্রী মাইবেন্সম ৺কোইরেং সিংহদা কখোকপা যেন্নীং চেফোঙ ফোঙবগী থৌরমদা

L to R: 1. S Tomba Singh, *President*, Manipuri Sahitya Parishad, Bishnupur Branch, 2. L Ibochou, *President*, Manipur Sahitya Samiti Thoubal, Manipur, 3. Th Devendra, *[illegible]ble Minister*, Works, 4 L Ibomcha, *Ex-Deputy Speaker* Manipur & 5 Govindas Konthoujam, *[illegible] Minister*, PHED



মণিপুর সাহিত্য সমিতিগী ইক্সিক্যুটিপ মেম্বর মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহনা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ৺কোইরেংগী পুন্সি ৱারী পাথোকপা



মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিস্টর শ্রী এম কোইরেং সিংহগী ৮৯ শুবা মপোক নুমিৎ নীংশিং থৌরমদা মঙোন্দা কথোকপা *য়েন্নীং* ফোঙবগা মরী লৈননা ইমুং মনুংগী মাযকৈদগী খৃদোল তমলকপা শাল অথোইবা অতিথি শ্রীগোবিন্দাস কোন্থৌজম (মিনিস্টর পি ঐচ ই দি) না শ্রীকোইরেংগী পুন্সি রাবী ইবা এন বাজেন্দ্র সিংহদা কৃপতুনা ইকায খুম্নবা ' মোইবাং,তাং ১৯।১২।২০০৪ ইং)

মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালগী য়েন্নীং চেফোঙশিং

